# বাসক



য়ুম্লেম্বম গম্ভিনী দেবী

# বাসক

য়ুম্লেম্বম গম্ভিনী দেবী
(য়াইস্কুল গম্ভিনী)

য়াইস্কুল হিরুহনবা লৈকাই, ইম্ফাল-৭৯৫০০১

1. Basak : Some Padavali songs in original and Manipuri version relating to the episode of Basak sajja.

2. ফোংজবা : য়ুম্লেম্বম গম্ভিনী দেবী

3. ফংফম : য়াইস্কুল হিরুহনবা লৈকাই, ইম্ফাল-৭৯৫০০১

4. অহানবা খুৎনম : ২০১২

5. কোপী মশীং : ১০০০

6. স্বত্ত্ব পুন্নমক অফোংবীগীনি

7. মমল : লুপা ৩০০/-

8. নম্ফম : মোনিকা প্রিন্টরস্, কৈশামথোং বাজার, ইম্ফাল

শ্রীশ্রীরাধাগোবিন্দায় নমঃ





ঙাংঙোম ৺যোগেন্দ্র সিংহ



খাঙেনবম ৺গুলাপী সিংহ

# য়াওফম তাকপা


| | হীরম | লমায় |
|---|---|---|
| ১ | ওঁ তৎ সৎ - বাসক ফাংনবা শৈশক্কী মরমদা খরদং<br>*- শ্রী লাইশ্রম ইবোহল সিংহ* | i |
| ২ | ৱা অমতং থমজবা<br>*- শ্রী গুরুময়ুম ভগবান্ দেব শর্ম্মা* | ix |
| ৩ | ভুমিকা-বাসক সজ্জাগী ৱাহৌদোক<br>*- শ্রী নন্দকিশোর শর্ম্মা শাস্ত্রী* | x |
| ৪ | ৱাহৈ অমনীদং<br>*- শ্রী নোংথোম্বম কুঞ্জমোহন সিংহ* | xii |
| ৫ | বাসককীদমক নীজরিবা অমত্তং<br>*- শ্রী বি: কুলচন্দ্র শর্ম্মা* | xv |
| ৬ | ৱাহৈ খরদং<br>*- শ্রী দিলিপ ময়েংবম* | xvii |
| ৭ | ৱাহৈ খরদং<br>*- ডাঃ কেঃ সোবিতা দেবী* | xviii |
| ৮ | অইবীনা নোল্লুক্না থমজবা ৱারোল খরা<br>*- শ্রীমতী য়ুমলেম্বম গম্ভিনী দেবী* | xix |
| ৯ | মণিপুরী নট সঙ্কীর্ত্তনদা মতম্না পীরকপা শাফু<br>*- শ্রীমতী য়ুমলেম্বম গম্ভিনী দেবী* | xxv |
| ১০ | থাগৎচপা | xliii |
| ১১ | Y. Gambhini Devi : A Dossier | xlvi |
| ১২ | **Photo of different forms in Basak (16 Plates)** | |

| হীরম | | লমায় |
|---|---|---|
| ১৩ | বাসক - রাগ তুরি, মঙ্গলাচরণ | ১ |
| ১৪ | বাসক - গুরু বন্দনা | ২ |
| ১৫ | বাসক - আবাহন | ৬ |
| ১৬ | বাসক - অবতার | ৯ |
| ১৭ | বাসক - অধিবাস | ১৩ |
| ১৮ | বাসাক - রাধা সাজন | ২৮ |
| ১৯ | বাসক - রাধা অভিসার | ৩০ |
| ২০ | বাসক - সয্যা সাজন | ৪২ |
| ২১ | বাসক - কৃষ্ণ অভিসার | ৪৬ |
| ২২ | বাসক - উৎকন্ঠা | ৫২ |
| ২৩ | বাসক - বিপ্রলব্ধা হৌবা | ৬৯ |
| ২৪ | বাসক - দূতী সংবাদ | ৮৮ |
| ২৫ | বাসক - বিপ্রলব্ধা সমাপ্ত | ৯৫ |
| ২৬ | বাসক - খণ্ডিতা | ৯৫ |
| ২৭ | বাসক - দাসখৎ | ১২০ |
| ২৮ | বাসক - মান থাদোকপা | ১২৪ |
| ২৯ | বাসক - সম্ভোক | ১২৪ |


* * * * * * * * * *

# ওঁ তৎ সৎ

## বাসক ফাংনবা শৈশক্কী মরমদা খরদং

বাসক ঈশৈ ফাংনবা - পালা অনীতমক শকপা, পালা অহুম শকপা হায়রিবা অসি অনীতমক শকপা পালা অহুম শুনা শকপা অসিগী মওংদি:-

১) পালা অনীতমক ফাংনবা অসিনা - রাস তাবা অমা, অধিবাস গন্ধচন্দন, সভা-মোহন, সাজন, অভিসার, শয্যা সাজন, উৎকন্ঠা অসিদা অহানবগী লোইদুনা থনম্লগা, অকোনবা শক্লিবা অদুনা বিপ্রলব্ধাদা শিন্দুনা শক্লগা সূত্রনা, দূতীনা ইবুংঙো হেক্তা পুরক্লগা সুতন হায়রগা ভজমন শরমন হায়রগা হেক্তা লোইশিল্লি।

২) পালা অহুম ফাংনবা তারবদি খণ্ডিতা য়ৌরগনি। মদুদি অহানবা শক্লিবা অদুনা রাগ তাবা অমা, গন্ধচন্দন অমা, সভা মোহন, কৃষ্ণ অভিসার, চন্দ্রাবলীগী শয্যা রস পুশিনখ্রগনি। অভিসার, শয্যা সাজন, মনোরথ উৎকন্ঠা ফাওবা শক্লগা থনমগনি।

* অনীশুবা শক্লিবা অদুনা বিপ্রলব্ধা শক্লগা অরুণ উদয়, শয্যা উঝার শক্লগা থনমগনি।

* অহুমশুবা শক্লিবা অদুনা খণ্ডিতাগী রস লৌরদুনা শক্লগনি। মসিদা লোইরে, মসিবু "খণ্ডিতা মিলন" কৌই। মখা চত্থখিগনি হায়রবদি খণ্ডিতা মিলন শকপা য়াদ্রে, মদুদদি মখাগী রস অমুক লৌরদুনা কলহান্তরিতা শকপা তারে। মসিদগী মখা চত্থগে হায়রবদি মফম অসিদা মিলন থন্বা য়াদে। মদুদি মখাদা বেশ ১২ অমুক লৈরি, অসি ঈশৈ অসিগী নিয়মনি। হায়রিবা অসিবু বাসক ঈশৈ ফাংনবা কৌই। রাগ তুরী হৌরগা:

জয় জয় স্বর্ণময় ছয়ঋতু সুসেবন ধাম ।।২ ।।
একি নবদ্বীপ শোভারে শোভারে ।।
ফলফুল প্রফুল্লিত ধাম ।।
নবদ্বীপ সম ধাম ত্রিভুবনে নাই নবরস নব ভক্তি সেই গুণ ধাম ।।
পুণ্যবতী গঙ্গা তীরে জগন্নাথ মিশ্র ঘরে । আছে গ্রাম নবদ্বীপ ধাম ।।

(শেন্বীরন্বা-থোংবম ওঝানি)

রাগ মাউরী হৌরগা
করুণা সিন্ধু অবতার ।
নিথি গোরা কেবল করুণাসিন্ধু ।।
অকিঞ্চন প্রাণবন্ধু পতিতপাবন ।
নিজগুণ গাথি নাম চিন্তামনি ।
জগতে পড়ায়লি হার ।।

(শেন্বীরন্বা ওঝাদি খংদ্রে)

রাগ অমৃত কল্যান
নবদ্বীপে উদয়া করিল দ্বিজরাজ ।
কলিতিমির ভোর গৌরচান্দের
উদয় পারিষদ তারগন মাঝরে ।
করে করতাল ধরি বোলত হরি হরি ক্ষেনে (২)
রহয়ে ত্রিভঙ্গয়ে ।।

(শেন্বীরন্বা খংদ্রে)

রাগ পুরুবী
লাখবান হেম চম্পক জিনি গৌরা ।।
গৌরতনু লাবনী উজ্জল অবনী ।। তুলনাদি বারে নহে ।।

(যুম্নাম ওঝা নাতুমগীনি)

রাগ বেনাবলী
গৌর করুণা সিন্ধু অবতার ।।
কেবল করুণা অবতার । জয়রে ২ গৌরাচান্দ ।।২ ।।

শ্রীকৃষ্ণচৈতন্য নাম পতিত পাবন। অকিঞ্চন প্রাণবন্ধু।
নিজগুণ গাথি নাম চিন্তামনি। জগতে পড়ায়লি হার।

(লোইতাম ওঝা ঝুলনগীনি)

ওই গোরা তপত কাঞ্চন কান্তি দেখনা অপরূপ রঙ্গ (২)।
চান্দমুখ শুদ্ধা হাসি গৌরাঙ্গ বরণ (২)।
আমারে গৌরাঙ্গ চান্দরে।
তপত কাঞ্চন কান্তি নয়ন তরঙ্গ (২)।।

(য়ুম্নাম ওঝা নাতুমগীনি)

(গন্ধ চন্দন)

শ্রীবাস মন্দিরে গৌর অধিবাস করে।
গৌরঅঙ্গে হেরি হেরি চন্দন দেয়ই।।
কিবা শোভারে।
সোনার অঙ্গে চন্দন লেগি।
মালা ঝলমল করেরে।
নাচিসে গৌররাই।।
অদ্বৈত মৃদঙ্গ বাজে।
এই রস গাই কবি রায় শেখর।।

(নোংথোম্বম ওঝা কুলসিংনা কৎলম্বনি)

শ্রীব্যাস অঙ্গোনে গৌরাঙ্গ নর্ত্তনে সঙ্গহি ভায়া
নিত্যানন্দ।
শান্তিপুরনাথ গদাধর সাথ অধিবাস করে ভক্তবৃন্দ।
সুগন্ধি চন্দন শ্রীঅঙ্গে লেপন গৌর গোলে দিল ফুলমালা।
তাথৈয়া (২) মৃদঙ্গ বাজার গারাত পুরুব লীলা
নাচিয়া (২) গাইয়া (২) রঙ্গিয়া ভগত সঙ্গ।
প্রেম বিভুর হইয়া পাগল হলধর নাচে ত্রিভঙ্গ।
পুরুব জয়িত হইয়া মোহিত আপনে আপনা ভর।।
রায় শেখর গায়রে নাজানি সাতার।।

(নোংথোম্বম ওঝা কুলসিংনা কৎলম্বনি)

শ্রীবাস পণ্ডিত ঘরে কৈল অধিবাস।
গীত গাওৱে শ্রীবাস।
খোলকরতাল ধ্বনি অতিকুলাহল।
ভক্তগনে বেঢ়ি (২) কীর্ত্তন আরম্ভিল।
লেই সেই সুচন্দন।
শোভাকা দিল তাহা সুগন্ধি চন্দন
সুগন্ধি ফুলের মালা গৌর গলে দিল।
ব্রজপ্রেম ভরিল।
হরি সঙ্কীর্ত্তন মাঝে হরিগুণ গায়রে।
এই রস গাই কবি বাসুঘোষ রায়রে।

(নোংথোম্বম ওঝাগীনি)

শ্রীবাস মন্দিরে আজু কৈল অধিবাস।।
অদ্বৈত মৃদঙ্গ বাজে ভক্তগণ গীত গায়।
মধুর নাচে মধুর বাজে।
তাদৃমী (২) তাতা থৈয়া (২) বাজেরে।
ধাকিতিনকতিন ধিলাঙ্গ বাজে থৈয়া (২) বাজেরে।
পাগল হইলরে। হরি সঙ্কীর্ত্তন মাঝে।
ধারার বিরাম নাইরে। নয়ান জলে।
সুমেরু শিখরে যেন গঙ্গা ধরা বহে তেন।
এই রস গাই কবি রায় শেখর।।
ধুন্দ ধমক খোল মৃদঙ্গ বাখ্বাজ তবলা
বাজে শ্রীঅদ্বৈত ধিম তে তালা চৌতালা
ধাধা তিন্না কতকি তিন্না তেরেখত
গদিগনঝা। ওঃ ওঃ আরি হারমনিয়ম
মানে ইস্রাজ সীতার শারঙ্গী দম্বুল বিহল।।
সা রে গ, রে গ রে, গমগ (২), গমপধ, মপধ,
মপধনি, পধনি, ধনি সা।।
সারে (৩) গম (২) রেগরে, সারেগ, গমপ, পধনি, সানি ধ।।

(উচেক্কোন ওঝা তখেল্লম্বম থম্বালঙৌগীনি)

নিজ পারিষদ সঙ্গে-হায়বা অসি নুপীনা য়াম্না শক্লে ওঝা কনাগীনো খংদে ।।

*(জয়দিগ গন্ধচন্দন)*

*জয়রে (২) গৌরা শ্রীশচী নন্দন ।*

*মঙ্গল নটন ঠানরে- ।।*

--------------------------------

--------------------------------

*ময়েক্তি লাইরিক্তগীনি । তাল অমসুং ছন্দদি ভাবি জয়দিগ তগীনি ।*

(সিনাম ওঝা ইন্দ্রসিংহ গীনি)

*সঙ্গহি অবধুত-অসি থোকচোম ওঝা মনাওগীনি । (অধিবাস)*

*দেখ গোরা কাঞ্চন নিন্দিত গৌরবর দেহে.......*

ব্রহ্মতাল অসিসু ঙাংবম ওঝা লালা গীনি গন্ধচন্দন্দা শকপা য়াই ।

## (শোভা মোহন)

### মতুংদা

*(সাজল) সাজে বিনোদিনী সখীগণ সঙ্গে*

*কেশ আচরই সুবর্ণ চিরুনীধরু ।*

*বিশাখা সুন্দরী কবরী বান্ধেয়া তাইদিল মালিকা ঝাপা ।*

*আজু সাজিত কমলিনীরাই*

*ব্রজনব যুবরাজ সঙ্গতি কামা ।। (ম্লাখ্বা পালান্দম্নাগীনি)*

*(সাজলদা য়াম্না শক্লদে)*

*রুনু (৫) ঝুনু রুনু বাজত..... ।।*

(থোকচোম ওঝা মুক্তাসিংগীনি)

*(অভিসার) চলরি আরে ধনী নব রঙ্গিনী (এ)*

*চন্দ্রবদনী চম্পাবরনী ।।*

(ব্রাংখৈ ওঝা মৈলৈগীনি)

*চলু গজ গামিনী হরি অভিসাররে ওই*
*চলু গজ গামিনী ।।*

(মাইবম ওঝা কৈফাগীনি)

*চলরি (এঃ) বর রঙ্গিনী (আঃ)*

(য়ুম্নাম নাতুম গুরুদেবগীনি)

*সঙ্গিনী রঙ্গিনী চলরী বর রঙ্গিনী ওই বর*
*রঙ্গিনী রাই প্রাণবন্ধু (উঃ)সঙ্গ লাগি ।।*

(চোংথাম ওঝা বেংগুণগীনি)

*(ধনী রাই) খঞ্জন গঞ্জন হংসী গমনী ধনী*
*গজ গামিনী গজ গামিনী চান্দ বদনী ধনী ।।*

(ওঝা খংদ্রে)

*ভানুর নন্দিনী যাবট বাসিনী*

(তোল্লপিশক ইপাগীনি)

*রাজার নন্দিনী চলে বিপিন পথে তরুনী*
*মোহিনী গণে ।।*

(তোল্লপিশক ইপাগীনি)

*বিজয়তি কাননে (এঃ) নব অভিসারিনী রাই ।।*

(থোকচোম ওঝা মুক্তশিংগীনি)

*শয্যা সাজন (চারিতাল)* লাইশ্রম ওঝা মাঙ্গোলজাওগীনি।
*সাজল কুসুম শেজ পুন সাজই যারই।*
*যারল.......? রমের.......?*

(চিংঙাখম ওঝা গোকুলসিংগীনি)

প্রিয় সখী কেলী পারিষাদ পুঞ্জে।।
শ্রীরাধিকা কুতুহলি নানা ফুলজাতি তুলি
গাথি হারা বিবিধবন্ধু।

(ওঝা খংদ্রে)

মতুংদা মনোরথ উৎকন্ঠাদা মেন তাঞ্চপ
মেনকুপ মপী মেনকুপ শক্লগা লোইরে।

(অহানবা ঈশৈ)

অনীশুবদা (রাগ তাবা)
রাগ শ্যাম কোড়া। গেল (২) যাম যাম সোই
হরি নিলেগো পাপীনী দুক্ষিনী অবলা জনম
এবে মোর মৃত্যু কাল কাছে রয়াছে
কিবা প্রাণ বাচেনা।

(ওঝাদি খংদ্রে অজ্ঞা অভিরামশাবনা য়াম্না পাম্না শকপনি)

গুণ কাল কুতুম্বিনী সখী চলাচল সবস্থান
অভাগিনী স্থানেকাল বিধাতা দেখি।
কাল (২) মহাকাল বিধি শধিলে।
(অহুমশুবা শৈশক্লী) (অরুণ উদয়) (শয্যা উঝার)
(খণ্ডিতা) হাই দেখ সখীরে অরুণ উদয় ভেল
নাগর না আইল সখীরে।

তুরী রাগ
প্রাণ সখীরে এত কাল গেল অবধি
না আইলু শ্যাম রাই কি হইল মোরে।
কিহোবে না জানি বন্ধু গুণমনি
ভুলি অন্য পথে যাই কি হইল (২) মোরে।
বৃথা হইলরে কুসুম শয্যা  না আইল শ্যাম নটরাজ
কি হইল মোরে।

মউরী রাগ।। (ছারা)
চিরনিশি কুঞ্জেবসি বঞ্চিমু রজনী সখী
আইলনা শ্যাম রসরাজ।।

কোড়া রাগ।
হাই প্রিয় সজনী বাচিবা কেমনে।
প্রাণবন্ধু আইল রজনী চলিয়া গেল।
নখগেল দণ্ডগুণী আখিগেল তারা রেদোনী।
শ্যামভ্রমরা (৩) কুন পদম্বিনী স্থানে গলে।
(ওঝাদি খংদ্রে)

(অমৃত কল্যান)
এঃ সখী ধৈরজ না ধরে প্রাণ সখীহে।
মধুর কোকিল ............ ।।

হায় প্রিয় সজনী (২) প্রাণনাথ বিনে কেনে
জীয়েগো।।

---

হাই অশাংবা ..........
মেন অওনবা, তাঞ্চপ, মেনকুপ মপী,
মেনকুপ শক্লগা লোইরে।

লাইশ্রম ইবোহল সিংহ

# ব্রা অমতং থমজবা

"বাসক রস লীলা" কৌবা লাইরিকসি ঐনা য়েংজরে। শ্রীমতী য়ুমলেম্বম গম্ভিনী দেবী (বৈষ্ণবী) না কৎচবা লাইরিকসি খুৎই ওইনা লৈরিঙৈদা পাজরে। বৈষ্ণবীগী "বাসক" সি ভক্তি রসনা য়ুন্স্ফম ওইদুনা শ্রীবৃন্দবনগী অষ্ট সাখীগী মূর্ত্তি শাগৎকে হোৎনজবনি। ভক্তি মপুদি শ্রীকৃষ্ণ মহাক্নি।

*যে জথা মাৎ প্রপদ্যন্তে।*

*তাং স্তথৈব ভজা মহেং॥*

মী মহাক অদুনা নুংশিনা কৃষ্ণ নীংজরবদি ঐনসু মাবু নুংশিনা নীংঙি (সর্ব্ব কারণ কারণম্); মানা ঐঙোন্দা নীংজবা কৎলকপা পোত্তি অমতনি। মহৈ অমসুং ফলদি শরুক চামা হেন্না কৃষ্ণ ঐনা পীবীরি,

কৃষ্ণ ঐদি ভক্তগী মখা পোন্না লৈ, ভক্তনা হেন্না চাউই

*অহং ভক্ত পরাধীন ....... ভাগবত ইতি বাক্যম্।*

ভক্ত অমনা কৃষ্ণগী নাম শোল্লগা তৌবা থবক খুদিংমক অরেম্বদা মাঙদে, মরমদি মশাগী নুংঙাইনবা, নিজ সুখগী নত্তে, কৃষ্ণগী পেন্ননবগী তৌবা থবক্তা (প্রাত্যবায়ো ন অস্তি) দোষ লৈতে।

কৃষ্ণগী নাম শকচ-শোঞ্জবনা লান্ননবগী উপায়নি তাকপীরম্মে.. শ্রীমূখনা ..।

মরম অসিনা শ্রীকৃষ্ণ নাম, রূপ, গুণ অমসুং লীলাগী পরীং শকচ শোঞ্জরিবা বৈষ্ণবী গম্ভিনী দেবীগী লাইরিকসি কৃষ্ণ ভক্তিগী ওইবনা অফবা ওইরে হায়না লৌজে।

*হরে কৃষ্ণ ! ইতি -*

**গুরুময়ুম ভগবান্ দেব শর্ম্মা**

# ভূমিকা

## বাসক সজ্জাগী ৱাহৌদোক

বৈষ্ণবগী রস সাহিত্য শাস্ত্রদা শৃঙ্গার রসগী ব্যাখ্যা লৈবনা শৃঙ্গার হায়বদি সম্ভোগ ওইনবা ইচছাবু হৌদোকপীবনা (জাগরণ) পীবিদুনা বাসনা ওইরবসু শৃঙ্গার রস কৌই। রস খূদিং মশক লৈ, রস মশক খূদিং দেবতা লৈ। শৃঙ্গার রসকী রূপতি শ্যামবর্ণনি, মদুগী মপু দেবতাদি শ্রীকৃষ্ণনি। মদুনা বৈষ্ণব শাস্ত্রদা ভগবানবু "রসো বৈস:", মহাক রসনি বেদনা তাকলি। শ্রীকৃষ্ণতনা আদিরসনি হায়রি। অদুগুম্না শ্রীকৃষ্ণনা নায়ক ওইরগা শ্রীমতী রাধানা নায়িকা ওইবীদুনা শৈথাজরিবা অৱাংবা থাক্কী সাহিত্য কবিতাশিংগী শিল্পী কবিদি মীওইবনা য়ৌবা ঙমদবা (দেহাতীত) উজ্জ্বল রসকী অপ্রাকৃত রস মহাও ফংখিবা কবিদি "গীত গোবিন্দ" ইবিরম্বা জয়দেবনচিংবা কবি কয়া উনরি। অদুগুম্না সাহিত্য সৃষ্টিদি অমরনি ? মাঙবা লৈতবা, ময়েং তাবা লৈররোইদবা যুগ-যুগ খূদিং লৈহৌরগদবা রস কাব্যনি। অদুগুম্না "বাসক সজ্জা" গী উজ্জ্বল রসবু পুথোকচরি, কৎচরি বৈষ্ণবশিংগী অগ্রদা "বাসক সজ্জা" কৌবদি :

*যা বাসবেশ্মনি সুকল্পিত তল্পমধ্যে*
*তাম্বুল পুস্পরচনাদি ভিরাপ্ত সজ্জা*
*কান্তস্য সঙ্গমসুখং সমবেক্ষমানা*
*সা কথৎতে কবিবরৈরিহ বাসক সজ্জা।* উজ্জ্বল নীলমণি।।

শ্রীকৃষ্ণগী কৃপাসঙ্কেত ফংজবদা শ্রীমতী রাধাগী থম্মোয় সমুদ্র ঈথক হৌজরকই। মবুঙো লেঙশিন্বীনবা শয্যা শেমজরি। মবুঙো লেঙক্লগা হাবিনবা তাম্বুল পাত্রদা হাপ্তুনা কুঞ্জদা থমজে। লৈগী পরেং লেংজরি। মবুংঙোনা মীয়েং তাবিরনবা মখল মখলগী লৈতেং শেমজরি। বিলাসকা লোইননা সখী

য়াওনা কুঞ্জদা ঙাইজরি অমসুং মতম পুম্বদা মবুংঙো লেঙবিরক্তবগী অৱাবা চিন্তা পুজদুনা প্রিয়তম মবুংঙো করম্বা মতমদা লেঙবিরক্কনি ঙায়জববু বাসকসজ্জা কৌই। বৈষ্ণবলক্তগী অথোয়বা শ্রীরূপনা কৎচবা উজ্জ্বল নীলমণিদা শীঙথাজরি।

অসিগী ভূমিকা ৱাহৌদোক অসি কৎচবা :

**নন্দকিশোর শর্ম্মা শাস্ত্রী**

**শ্রীকৃষ্ণকৃপাকাঙক্ষী ৱাংখৈ নিংথেম পুখরী মপান, ইম্ফাল ইষ্ট**

# ৱাহৈ অমনীদং

কবি খ্বাইরাকপম চাউবনা ১৯৩০ গী অদুৱাইদা মহাক্কী ৱারেং 'মৈতৈলোন' হায়বদুদা য়াম্না চুমখ্রবা অমদি কাউঙমদ্রবা ৱাহৈ খরা হায়রম্মী - 'মী পূন্নমক্না পেনা তাবা চৎলি-অতৈমক খংঙক্রুবসু খন্ব-থোইবীগী কোলোই মপাউ মখেদা তাদুনা মিৎলুদা তরংগী ঈরা চেনবা ঙম্মি। নোংবান্না পান্বগী মাঙদা মায়থীবা উরগা- যথা ধর্ম্ম তথা জয়-হায়বা পাউতাক ফংদুনা তাজরুবগী কান্নবা খঙই। তৌইগুম্বসুং রস খঙলবা ওঝাশিং খরদং নত্তনা কনানা বাসক তাবা চৎপগে। পূন্নমক বাসক য়েংবা চৎপা ঙাক্তনি। তৌইগুম্বসুং ঈশৈবু য়েংবা হায়বা ৱাহৈ অসিমক ৱাহৈগী অরানবা মওংনি, অচুম্বদি বাসক্কী ঈশৈ তাবা চৎপদা ঈশৈনা করি হায়বা অদুদি খঙদবনিনা পালাগী চোলোম, পূংজৈবনা চোংবা য়েংদুনা হল্লক্লে, কনা অমনা মীয়াম য়েংদুনা তোকই।'

হায়রিবসি মৈতৈনা সঙ্কীর্তনগী ঈশৈশিং – জগোই রাস, খূবাক ঈশৈ, বাসক অসিনচিংবা সংস্কৃত-ব্রজবুলি-বাংলানা কন্না শক্লরিঙৈগী ৱানি। মৈতৈশিংনা হিন্দু ধর্ম লৌরবা মতুংদা, থোইদোক্না গৌড়িয় বৈষ্ণব ধর্ম লৌরবা মতুংদা সঙ্কীর্তনগী শৈশক অসি লমদম অসিদা য়ৌরকখি। ঈশৈগী ময়েক্না বৈষ্ণব কবিশিংনা লেংবা পদাবলীগী শৈরেংশিংনি। পদাবলীগী লোন্না সংস্কৃত-ব্রজবুলি-বাংলানি। পদাবলীগী লোন অসি য়াম্না ফজে, তাবদা য়াম্না নুংশি। অদুনা ওইবা তাই মৈতৈ অশৈবা কয়ানসু লোন অসিদা পদ কয়া লেংঙখিবা। অদুবু মমারোল নত্তবনিনা মৈতৈ ভাবোক অয়াম্বনা লোন অসিদা শকপা ঈশৈগী রস চূপ্লা ঙল্লগসু অর্থদি চপচানা খঙবা ঙমদবনিনা মদুগী পেঞ্জদবা অমদি লৈরম্মী। তৌবগীদি পদাবলীগী লোন অসিদি সাধারণ বাঙ্গালিমচা ফাওবনা খঙবদা ৱায়, খঙবা ঙমদে। মরম অসিদগীনি মৈতৈগী ওঝা-গুরুশিংনা তপ্না তপ্না পদাবলীগী পদশিংসে মৈতৈরোলদা হন্দোক্তুনা নৎত্রগা মরূ ওইবা ভাব-রস অদু লৌরগা নৌহৌননা লেংদুনা শকপা হৌনরকখিবা। তৌবগীদি মৈতৈরোলনা কন্না শকপা হৌনরকখিবসিদি মণিপুরী সাহিত্য পরিষদনা ১৯৫৫-৬০ গী অদুৱাইদগী অকনবা ঈহৌ ওইনা শাগৎপদগী অমদি ওঝা-গুরুশিংনসু থৱায় য়াওনা ঈহৌ অদুবু শৌগৎপিবদগী ওইরকখিবনি।

পদাবলীগী বৈষ্ণব কবিশিংগী মশীং অসি চপচানা কয়ানো হায়বা লুনা থোকই, অদুবু ২২০ দগীদি হেল্লি। মৈতৈশিংনা শক্করিবসি কবি পূম্নমক্কী পদ লোইনমক নত্তে-জয়দেবদগী হৌরগা চণ্ডীদাস (চণ্ডীদাস মরি শুই), বিদ্যাপতি (বিদ্যাপতিসু অনী শুই), জ্ঞানদাস, নরহরি, বাসু ঘোষ, রায় শেখর, বাসুদেব, নরোত্তম দাস, গোবিন্দ দাস, নারায়ণ দাস, শিবরাম দাস, অনন্ত দাস, সুরদাস, জগৎচন্দ্র, হরিরাম দাস-অসিনচিংবা থোইদোক্লা শীংথনীংঙাই ওইবা কবি খরগী খঙ্গৎলবা পদ খরদংনি।

লাইবক থীবদি, মতমগী শাফু অমদি য়াওলনা লাকপদা শৈশক্লোন কয়াদি মাঙশিল্লক্লে, শক্লখিদ্রে। মদুগী মনুংদা বাসক হায়বসিসু অমনি। বাসক হায়বসি মতম অমদদি য়াম্লা পাম্লরম্মী, য়াম্লা পাম্লনা শক্লরম্মী, য়াম্লা পাম্লনা তান্নরম্মী। অসিগুম্বা শৈশক্লোন অসিগী লাইওইখ্রবা ওঝা-গুরুশিংনা শক্লরম্বা ঈশৈ ময়েকশিং অদু চিন্থাংদা অসুম লৈরবদি নোংমা নৎত্রগা নোংমদি চিকমাঙনখিবা য়াই হায়বা চিংনবা লৈবদগী ওইবা তাই ইচেবেম্মা শ্রীমতী য়ুম্লেম্বম গম্ভিনী দেবীনা খোমজন্দুনা মথং-মনাও নাইনা লেংশিন্দুনা তাল-মাত্রাগী মশক তাক্লা হন্দক ছাপা তৌদুনা 'বাসক' মিংথোন্দুনা পুথোকপিরক্লিবসি। লাইরিক অসি গৌড়িয় বৈষ্ণব ধর্ম চৎচরিবা সম্প্রদায়গী মমল নাইদ্রবা লন ওইনা হৌজিক্কী মীরোলদতা নত্তনা তুংগী মীরোলদসু লৈহৌরগনি।

শ্রীমতী য়ুম্লেম্বম গম্ভিনী দেবী, লৈবাক্লা য়াইস্কুল গম্ভিনী হায়না খঙনবিরিবী, পুন্সিগী অঙনবা অয়ুক্তগী য়াচংলমদাই য়ৌরক্লবা ফাওবদা অরেপ্পা লৈতনা শ্রীরাধা গোবিন্দগী নাম শোঞ্জদুনা পুন্সি কখোল্লবী শৈশকপী অসিগী মরমদা থোইনা হায়নীংঙাই লৈজদে, করিগুম্বা হায়নবা হোৎনরবসু মহাক্কী মগুণ ঐগী লৈশি-লৈথোন্না য়ৌবা ঙম্লরোইদবতনি। অদুবু বাসক্কী মতাংদা, বাসক হায়বসিগী অর্থ করিনো হায়বসিগী মতাংদা ৱাহৈ অমনীদং ফোঙদোকপদি চুমব্রা হায়না খঞ্জে। মরমদি মসিগী অর্থ খঙদবা কনা কনাগুম্বা য়াওদবসু নত্তে, অদুগা লান্না লান্না অর্থ হন্দোক্লবসু য়াওদবা নত্তে। ঐসু থোইনা খঙজবা নৎচদে। পণ্ডিতশিংনা ফোঙদোকপিরম্বা ৱাহৈ খরদুনি ঐনা থমজরিবসি।

সাহিত্য অকাদেমিনা ফোঙবা হরিচরণ বন্দ্যোপাধ্যায়না সম্পাদন তৌবা বঙ্গীয় শব্দকোষকী মতুং ইন্না বাসক হায়বসিগী অর্থ অনী শুই। অমনা - মনম, নুংশিবা মনম পোকহনবা নৎত্রগা হিদাক ওইনা শীজিন্নবা পাম্বী মখল অমা, নোংমংখা পাম্বী। হায়রিবা অর্থসিগা শ্রীরাধাগোবিন্দগী প্রেমলীলাগী মতাং অসিগা থোইনা মরী লৈনদে। অনীশুবা অর্থনা - বাসগৃহ, শয়নমন্দির হায়বদি লৈনবা য়ূম, তূমফম কা, পোত্থাশঙ অসিনি। অনীশুবা অর্থসিনি মতাংসিদা মরী লৈনরিবসি।

মতাং অসিদা 'বাসক সজ্জা' হায়বসিগী অর্থ নৈনবা য়াই। হরেকৃষ্ণ মুখোপাধ্যায়না সম্পাদন তৌবা বৈষ্ণব পদাবলীদা অসুম্না হায় - কনাগুম্বী নায়িকা অমনা মাগা নুংশিনজবা নায়ক অমা হায়নখিবা মফম অমদা উন্নবা লাক্কনি হায়দুনা মশাবু য়াম্না কেলা ফিজেৎ লৈতেংজদুনা অমদি উন্নগদৌরিবা মফম অদুবুসু মনম নুংশিবা ফজ-ফজরবা লৈরাং কয়ানা লৈতেংদুনা খৌরাংনা ঙাইজবা অদুবু বাসকসজ্জা কৌই। বাসক শয্যা হায়বনা মফম অদুদা মখল মখা লৈশু কয়ানা লৈতেংদুনা থারিবা ফমুং অদুনি। ফিজেৎ লৈতেংদুনা ঙাইরিবী নায়িকা অদুনা বাসকসজ্জিকা কৌই।

ইবুঙো শ্রীকৃষ্ণনা নায়কনি, ইবেম্মা শ্রীমতী রাধিকানা নায়িকানি, অদুগা উন্নসি হায়নখিবা মফম্না কেশর কুঞ্জদনি। মসিদগী বাসক্কী অর্থ করিনো হায়বদো খঙবা য়াররা খঞ্জে।

আগস্ট ২০১১

নোংথোম্বম কুঞ্জমোহন সিংহ

# বাসককীদমক নীজরিবা অমত্তং

শ্রীমতী য়ুল্লেম্বম নিংঙোল কোনসম ওঙবী গম্ভিনী (য়াইস্কুল গম্ভিনী) দেবীগী "বাসক" হায়বা লাইরিক অসি খুৎই ওইনা লৈরিঙৈদা ইচেগী থৌজান্দগী পাবা ফংজরে। লাইরিকসি ইচেগী ওঝা গুরুশিং-ঙাংঙোম ৺যোগেন্দ্র সিংহ, খাঙেনবম ওঝা ৺গুলাপী সিংহ, অসিনচিংবনা তাকপী-তম্বীরম্বদু ইথোক্তুনা থমজহৌবা অমসুং মখোয়না পীবীরম্বা ঈশৈ ময়েকশিংগী বই (Exercise Book) শিংদগী অনম্বা লাইরিক (Printed Book) ওইনা পুথোকপনি। তশেংনমক মসি মৈতৈগী মরু ওইবা লন অমনি, মরমদি মসিনা মৈতৈগী সঙ্কীর্ত্তনগী পরম্পরাদা "বাসক" কী শৈশক্লোন অমসুং রস-ভাবনানা কল্লিবা মফমদু খর মখেদি উহল্লি।

"বাসক" হায়রিবা সংস্কৃতলোনগী শব্দ অসি ভাষাসিগী শব্দ কোষনা পীরম্বদি :

১) বাসক a (কা or সিকা f) 1. Scenting, perfuming, infusing, fumigating & C. 2. Causing to dwell, populating-কাং Clothes,-Comp. সজ্জা-সজ্জিকা a woman who dressess herself in all her ornaments and keeps herself (and her house) ready to receive her lover, especially when he had made an appointment with her; an expectant heroine, one of the several classess of Nayika; S.D. thus defines her: কুরুতে মণ্ডনং যাস্যা: (য়া তু) সজ্জিতে সবেশ্মনি। সা তু বাসক সজ্জা স্যাদ্বিদিতপ্রিয়সঙ্গমা ১২০; ভবতি বিলোবিনি বিগলিত লজ্জা বিলপতি সোদীতি বাসকসজ্জা Git 6 [V.S.A. 2004, 504]

২) i) বাসক (পুং, স্ত্রী, বাস-ণক) গানাঙ্গ বিশেষ; বাসক গাছ। (ত্রি) সুগন্ধকারক (স: ব: শ: ৭৪২) ii) বাসকসজ্জা, বাসকজ্জা, (স্ত্রী) নায়িকা বিশেষ, নায়ক প্রাপ্তার্থ নায়িকার উৎকৃষ্ট বসন ভূষন পরিধান, ভূষাযুক্ত হইয়া নায়কাপেক্ষিণী নায়িকা, যে নায়িকা বেশভূষা করিয়া ও আবাস গৃহ সাজাইয়া নায়কের আগমন প্রতীক্ষা করিয়া থাকে। (মথক্কীসিদা, ৭৪২)

অসিশিংসিনি। অদুগা বাসক অসিবু শ্রীরাধা কৃষ্ণগী লীলাগী পরীং (পরম্পরা) দা লীলা সঙ্কীর্তনগী প্রস্থাদা পুশিন্দুনা মণিপুরী সঙ্কীর্তনগী শৈশক্লোন অমা ওইনা থম্বীরল্লিবসিদা বাসক অসিগী অর্থ (ৱাহন্দোক, খঙনবী অমসুং পাক্লা শন্না লৌনবা ৱাহন্দোক) লৌবা তারবদি-শ্রীমতী রাধিকানা মশাগী লৈজবা ফিজেৎ-লৈতেং পুন্নমক শেৎচ-চাজরগা নিকুঞ্জবন্দা লৈগী শয্যা শেমজদুনা শ্রীকৃষ্ণ লেঙলক্কনি হায়না আশা চাউনা ঙাইজবগী মতাং অসিদা অচেৎপা মিৎয়েং থমদুনা শৈশক্লোনসিগী মমিং থোনবীরম্বা মাল্লি। অদুবু অশেংবা অর্থদুনা শ্রীরাধাগোবিন্দদনা খঙবীরমগনি।

শ্রীমতী গম্ভিনীনা ভাব অমসুং রসসিগী ওইবা শৈশক্লোনসিগী অমসুং শৈশকসিগী ঈশৈ ময়েকশিং খর খোমজিন্দুনা পুথোক্লিবসি ঐখোয়গী তাঙলবা অমসুং মমল য়াম্লবা ইরন্নি হায়না লৌজৈ। মসিবু হিরমসিদা কাইদোং ওইবীরিবা অখণ্ড-অহৈশিংনা শেমজজিন-শাজিনবীদুনা হেন্না ফবা, ইদুনা থম্বা রেকোর্ড অমা ওইহনবীনবা ওঝা-গুরুশিংগী মফমদা নীজরি।

**বি: কুলচন্দ্র শর্ম্ম**
ব্রহ্মপুর থাঙ্গপাৎ মপাল
ইম্ফাল, মণিপুর

# ৱাহৈ খরদং

**শ্রীমতী যুমলেম্বম গম্ভিনী দেবী** লৈবাক্লু শকখঙ্‌লব নৌনা শক তাকনীঙাই ওইদ্রব তোমথিন ওইরব কলাকারশিংগী মনুংদ অমনি। য়াম্ন নহা ওইরিঙৈদগী হৌন নট সঙ্কীর্ত্তনগী ঈশৈদ মমীং লৈরক্লবী শৈশকপী অসি মণিপুর মনুংদত নত্তন মপান্দ মণিপুরীশীংন খুন্দারিব মফম পূম্নমকত মাবু খঙদব লৈতে। শাংলব ঈশৈগী খোঙচৎ অমদ লাকলিবী কলাকার অসিন মণিপুরীশীংগী নাৎপু অৱাংব থাক অমদ পুখৎনব হোৎনবদ অচৌব থৌদাং লৌরকখ্রে। গম্ভিনী হায়ব মিং অসি হেক পনবদ ঈশৈ শকপী অমগী মূর্ত্তি ওইন, তন্বীরিবী গুরু অমগী শকতম ওইন চীঙলেম্ন চোংথোরকই মীৎমাঙদ। জৱাহরলাল নেহরু মণিপুর ডান্স একাদমিদ মতম কুইন ওঝা ওইনসু মহৈরোইশিংদা তন্বীরমলে। মতম কুইন তন্বীরকলিবা খুদোলবু শকখঙব ওইনা **সঙ্গীৎ নাটক একাদমি এৱারদ্** অমদি **পদ্মশ্রী** পীদুন ঈকাইখুম্নখ্রে। ওল ইন্দিয়া রেডিওন কলাকার অমগী খ্বাইদগী ৱাংব থাক **তোপ্ গ্রেড** পীদুনা লেমজনিঙাই ওইরব ফিদাদ লৈতেংহনখ্রে। মণিপুরগী অহানবা তোপ গ্রেড ফংবা অহুমগী মনুংদ অম ওইরি।

অসুম্ন শকপীরকলিব ঈশৈশিং অসি শক্তুন লাকলি। কলম পায়দুন ইথোকপদি ইশং শংদে। হন্দকতি ইদুন থল্লমদব য়াদে খন্বীরগ, তুংগী মচা মনাইশিংদ কান্নহৌগদব য়েংবীরগ ইবীরে **'ৱাসক'** কৌব লাইরিক অম। পাজরে। য়াম্ন নুংঙাই। অৱাৎপ অম মেনশিন্বীবগীদমক থাগৎচরি। অতোপ্প লোন্দ লৈরম্ব মমল য়াম্লব পোৎ অম ইমারোলদ ইথোকপীবসি অমুক্ক হেন্ন নুংঙাইজে। তুংদসু অতৈ ঈশৈগী লাইরিক কয়া ইবীদুন ৱাৎলিব কয়া অসি মেনশিন্বীরক্কনি হায়না আশা থমজরি। পুন্সি নুংশাংন হিংবীদুন লৈবাক্কী সেবা তুংকোইন তৌব ওইবীয়ু। ইমা লৈবাক্কা চান্বীসনু।

**দিলিপ ময়েংবম**

১৬/১১/২০১১

# ৱাহৈ খরদং

শ্রীমতী য়ুমলেম্বম গম্ভিনী দেবীনা পুন্সিগী থেংথরবা মতমদা নট সঙ্কীর্ত্তনগী পরিংদা খ্বাইদগী মরু ওইরবা চিংথবা য়াদ্রবা সঙ্কীর্ত্তনগী নাচোম অমা ওইরিবা 'বাসক' পু লাইরিক ওইনা পুথোকপীরকপসি হায়নিংঙাই লৈতনা থাগৎচনিংই। মসিনা কলচরবু তেক্ত-কাইদনা লেংদনা লৈহৌনবগী মচাক অমা ওইহৌরগনি। ঐ ইশামক্তি মতিক চাদবনা হায়গদ্রা নট সঙ্কীর্ত্তনগী মহাও শুনা লৌবা ঙমজদ্রি। অদুবু ইচেম্মা গম্ভিনীনা পুথোকপীরক্লিবা 'বাসক' লাইরিক অসিদগী শরু-শোন্নরিবা বাসককী পরিং খরদি পূক্লিংগী লৌশিং ওইনা লৌশিঞ্জবা ঙমজরে। খুদম ওইনা হায়রবদা শ্রীমতী রাধিকানা নায়িকা অমা ওইনা জগৎকী মপু শ্রীকৃষ্ণগীদমক্তা কয়া য়াম্না ৱাজবা অমদি খঞ্জবা লোয়ননা নায়িকা ভেদ হায়বদি - অভিসারিকা; বাসক সজ্জা; উৎকন্ঠিতা; বিপ্রলব্ধা; খন্দিতা; কলহান্তরিতা; প্রোষিত ভর্ত্তৃকা; স্বাধিন ভর্ত্তৃকাশিংসি মচা খায়ন-খায়না ইবীরি। বাসককী পরিংদা অচৌবা পাত্র অমা ওইরিবা সখীশিং লক্তগী অথোইবী অষ্ট সখী (সখী ৮) গী মরমদা রস শুনা ইশৈ পরিংদা ইবীরি। অসিগুম্বা বাসককী লাইরিক অমা পুথোকপিরকপসি লৈবাকসিগী ওইনা অফবা লাইরিক অমা ওইগনি। খুবাক ইশৈ অমদি বাসক ইশৈগী জগৎতা ইচেম্মা গম্ভিনীবু খঙদবা মণিপুরগী মনুং অমদি মপানদা তারিবা মৈতৈশিংনা খঙদবা লৈরম্মোই। লাইরিক অসি তুংদা লাক্কদবা ছাত্র-ছাত্রিশিংগী লমজিং লাইরিক অমা ওইবা ওইরসনু। লাইরিক অসি ফোঙবগীদমক্তা আর্ট এন্দ কলচরগী মাইকৈদগী অঙম্বা শেলগী মতেং খরদং পাংজরি লোয়ননা ইচেম্মবু থাগৎগরি।

ডাঃ কেঃ সোবিতা দেবী
দিরেক্টর,
আর্ট এন্দ কলচর, ইম্ফাল

# অইবীনা নোল্লুক্লা থমজবা ব্রারোল খরা

## শ্রীশ্রীরাধাগোবিন্দায় নমঃ।

## শ্রীগৌরচন্দ্রায় নমঃ।।

"বাসক" হায়রিবা লাইরিক অসি তোল্লবীনা খঙজ-হৈজরে হায়দুনা পুথোকচবা নৎচদে। অদুবু বাসক হায়রিবা শ্রীরাধাগোবিন্দগী রস অমসুং শৈশকলোন অসি অইবা লাইরিক ওইনা পুথোক্কুনা ইবুংঙো-ইবেন্মা অনীগী শ্রীচরণন্দা কৎচগে নীংলকপা মতম শাংখ্রে। পাংথোকচবা ঙমদবনি, মরমদি বাসক হায়বা রস অসি য়াম্না লুনা, থুপনা অমদি লোননা লৈবা ওইবনা বৈষ্ণবশিংগীসু থম্মোইদা লেঙদনা থন্বা মরম্না পুথোকচবদা ননাইগী ইতীক নত্তবনা থম্মোইদা লোত্তুনা থমজবনি। অদুগা মসিবু ইদুনা পুথোকচবা অসিদা অপরাধ ওইগদ্রা খঞ্জদুনা থমজবনি। ঙসিদি শ্রীমতী রাসেশ্বরী অমসুং শ্রীগোবিন্দগী কৃপা অমসুং শ্রীগুরুদেবগী থৌজান্দগী অইবা ওইনা পুথোকচবা ঙমজবনি। লাইরিকসিদা ভারতবর্ষগী লৈরিবা বৈষ্ণব কবিশিং - ১) জয়দেব, ২) চণ্ডীদাস, ৩) বিদ্যাপতি, ৪) রমানন্দ রায়, ৫) গুণরাজ খান, ৬) মুরারী গুপ্ত, ৭) নরহরি সরকার, ৮) বাসুদেব ঘোষ, ৯) বসুরাসানন্দ, ১০) রামানন্দ দাস, ১১) যদু কবিচন্দ্র, ১২) যদুনাথ, ১৩) যদুনন্দন, ১৪) শিবানন্দ সেন, ১৫) শিবাই, ১৬) শিবরাম, ১৭) অনন্তদাস, ১৮) বংশীবদন, ১৯) মাধবদাস, ২০) গোবিন্দ আচার্য্য, ২১) কবিরঞ্জন, ২২) কবিশেখর, ২৩) জ্ঞানদাস, ২৪) কানুরামদাস, ২৫) লোচনদাস, ২৬) বৃন্দাবনদাস, ২৭) বৃন্দাবনদাস (অনিশুবা), ২৮) নয়নানন্দ, ২৯) গোকুলানন্দ, ৩০) উদ্ধবদাস, ৩১) চৈতন্যদাস, ৩২) দু:খীদীন কৃষ্ণদাস, ৩৩) নরোত্তম, ৩৪) জগন্নাথদাস, ৩৫) শ্যামানন্দ, ৩৬) গোবিন্দ দাস, ৩৭) গোবিন্দদাস চক্রবর্ত্তী, ৩৮) প্রেমদাস, ৩৯) বল্লভদাস,

৪০) বলরামদাস, ৪১) রাধা বল্লভদাস, ৪২) ঘনশ্যামদাস, ৪৩) কবিরাজ, অসিনচিংবগী মনুংদা (১) বাসু ঘোষ, (২) রায় শেখর, (৩) শিবরামদাস, (৪) চণ্ডীদাস, (৫) নারায়ণদাস, (৬) অনন্তদাস, (৭) সুরদাস, (৮) কবি শেখর, (৯) দ্বিজ চণ্ডীদাস, (১০) জয়দেব, (১১) অবেক অমসুং বিবেক, (১২) গোবিন্দদাস, (১৩) বিদ্যাপতি, (১৪) বড়ু চণ্ডীদাস, (১৫) নরোত্তম (১৬) হরিরাম কবি, (১৭) স্মৃত্তিনা, (১৮) বসুদেব, (১৯) রাধাবল্লভ, (২০) হরিদাস অমসুং (২১) ভাগ্যচন্দ্র খক্তমক য়াওরি। অদুনা লাইরিকসিদা অশোয়-অরান কয়া য়াওরবসু শ্রীমতী রাসেশ্বরী অমদি শ্রীগোবিন্দগীদমক য়েংবীদুনা ঙাকপীয়ু অমসুং অরানবশিংদু তাকপীরক্তুনা মথংগী খুৎনমদা চুমথোকচবা ঙমজনবগী লাইবক ফবদু ফংহনবীয়ু।

বাসক্কী শৈশক অসি মণিপুরদা মৈদিংঙু চীঙথংখোম্বা (খৃ: ১৭৬৩-৯৮) ওর্ফে রাজর্ষি ভাগ্যচন্দ্রগী সনা হাক্তক্কী মতুংদগী মৈদিংঙু লৈশেম চীঙখোম্বা (১৯০৮ -১৯৪১)(১৯৪৮-১৯৫৫) ওর্ফে বোধচন্দ্র মহারাজকী সনা হাক্তক ফাওবদা য়াম্না পাক্না চাউনা অমদি মরাং কায়না লৈরম্মী। অদুবু হৌজিক্কী মতমসিদদি খরমখৈ শিথরকপগুম উরে। মসিদা তোল্লবীনা হায়জনীংবদি শ্রীরাধাগোবিন্দগী রস শিথবা অমসুং মাঙবা লৈব্রা, মসিদি লেঙদবা পোৎশক্কি, লেঙদনা অসুম লৈরি। হায়রিবসি মাঙলমচৎকী লাই ওইরবা ওঝা-গুরু কয়ানা তৌবিরম্বা অবদানগী মহৈনি। অদুগুম্বা ওঝাশিংদুগী নাম খরদং শীঙথাজবদা-

১) য়ুম্নাম ওঝা নাতুম সিংহ ২) থোংবম ওঝা ৩) লোইতাম ওঝা ঝুলোন ৪) নোংথোম্বম ওঝা কুলসিংহ ৫) তখেল্লম্বম ওঝা থম্বালঙৌ ৬) সিনাম ওঝা ইন্দ্রসিংহ ৭) থোকচোম ওঝা মনাউসিংহ ৮) ঙাংবম ওঝা লালা ৯) ৱাংখৈময়ুম ওঝা মেল্লৈ ১০) থোকচোম ওঝা মুক্তাসিংহ ১১) মাইবম ওঝা কৈফা ১২) চোংথাম ওঝা বেঙ্গল ১৩) লাইশ্রম ওঝা তোল্লপীশক সিংহ ১৪) লাইশ্রম ওঝা মাঙ্গোলজাওসিংহ (১৫) চীংঙাখম ওঝা

গোকুলসিংহ (১৬) আজ্ঞা ওঝা অভিরাম শাবা শর্ম্মা ১৭) ওঝা তোম্বোইসিংহ অমসুং অসিশিংসিগা *লোইননা হকথেংননা তমজহৌবা গুরুশিং :-*

১৮। (১) ঙাংঙোম ওঝা যোগেন্দ্র সিংহ

১৯। (২) খাঙেনবম ওঝা গুলাপী সিংহ

২০। (৩) য়ুম্নাম ওঝা পারিজাৎ সিংহ

২১। (৪) লাইশ্রম ওঝা ইবোবী সিংহ

২২। (৫) ঙাংবম ওঝা চাওবা সিংহ

অসিশিংসিনি। লাই ওইরবশিংসিনা থন্বীরম্লিবা ''বাসক'' কী চারা অসিবু কাংখুল মুৎহন্দনা থম্লনবগী হোৎনবসি মচা-মশু ওইরিবা ঐখোয়গী ইথৌদাংনি খঞ্জে। অদুবু পাংজদ্রবী ননাইনদি করি তৌজরুবা ঙমগনি লৈবীরিবা ওঝাশিং খ্বাইনা হোৎনবীবা নত্তনা। অদুগা বাসকসিগী লমদাংদা নুপী থৌদাং লৌরকখিবীশিং খরগী মমিং মথাদি :

(১) লৈরীক দেবী (উরীপোক) (২) মাইমু দেবী (উরীপোক) (৩) কোনোক মুখরা দেবী (খোয়াথোং) (৪) মাইনু তেপ (নাগমপাল) (৫) কালিমুবী দেবী (বামোন লৈকায়) (৬) ক্ষেত্রী তোম্বী (য়াইস্কুল) (৭) লৌরেম্বম তোম্বী (শগোলবন্দ) (৮) ইবেনী (ওয়নাম থীংঙেন) অমসুং (৯) নম্বোল পীশক (নম্বোল) অসিনচিংবীনি।

**''বাসক''** কী শৈশক্লোন অমসুং শৈশক অসি মৈদিংঙু তুবী ঈশম থৌবা (খৃ: ১৮৯১-১৯৪১) ওর্ফে সার চুড়াচান্দ সিংহ, মহারাজ, কে: সি: এস: আই:, সি: বি: ঈ: গী সনা হাক্তকী মমাঙদদি ''ফমশক'' ওইনা ফম্মগা শক্লরম্মী হায়না গুরু ক্ষেত্রিতোম্বী দেবীনা তাকপীরম্মী। হায়রিবসিগী মতুংদগীদি বাসক অসি 'লেপশক' ওইনা লেপ্লগা শক্লরকখি অমসুং শক্লরি। অদুনা মমাঙদা শক্ল রম্বগা হৌজিক শক্লরিবগা খর মখৈদি খেন্নরে, হৌজিক্কীদদি অভিনয়গী শরুক ('মত' তৌবা) সু য়াওরে। মসিদা (হৌজিক অসিদা) ঐখোয়গী লাইবক ফবা হায়ববু ইরৈপাক্কী ইমালোন, মৈতৈলোন্না শক্লরবনিনা ঈশৈদুগী রস, ভাব,

অর্থনচিংবা লোইনা মমুৎ তানা খঙনরে। মমাঙঙৈগী মতমদদি সংস্কৃত, বাঙ্গলা, ব্রজবোলীনা শরুবনা হৌজিক্কীসিগুম ভক্তিদা য়ৌশিন্না চঙশিনবদা অৱাবা ওইনরম্মী।

বাসক অসি মণিপুরদা মৈতৈগী সামাজিক কর্ম্মশিং, মরু ওইনা, ষষ্ঠী পূজা নুমিৎ অমসুং না হুৎপা (কর্ণবেধ), নগুণ থাংবা (উপনয়ণ), য়ুম শঙ্গাবা, মন্দির শঙ্গাবা, মাণ্ডপ শঙ্গাবনচিংবা, ৱারী তাবা, লাইরিক তাবনচিংবদা অধিবাস ওইনা নৎত্রগা লোইশিনবা নুমিৎকী নুমিদাংদা শক-শোন্নে। অদুগা বাসকসিগী তোপ-তোপ্পা পাংথোকপা থৌরমদি ‘‘বাসক ফাংনবা’’ হায়বসিনি অমসুং মসি খ্বাইনা য়াম্না পাক্লনা মাঙগী মতমদা চৎনরম্মী অমদি হৌজিকসু চৎনরি। বাসক ফাংনবগী মরমসিগী চাউরাকপা ৱাফম ঐগী ইবুং ইকাই খুম্ননীঙঙাই ওইরবা ওজা লাইশ্রম ইবোহল সিংহনা ইবীদুনা পীবীরকপা ৱারোলদসু য়াওরি। অতৈ ওঝা-গুরুশিং অমসুং ঐবু তাকপী তম্বীরকপা ওঝাশিংগী ওইনা মমাঙদগী চৎনরকপগী ৱাফম ওইনা তাকপীরম্বা ৱারমদি:

নুপীনা বাসক অসি সচরাচর ওইনা (ফাংনবা নত্তনা) শকপা তারবদি-অহানবদা রাগ অমা হৌগনি, গুরু বন্দনা, বৈষ্ণব বন্দনা, আবাহন লৌখৎকনি, অষ্ট নায়িকাগী শ্লোক থীদোক্কনি, অদুগা গন্ধ চন্দন, সঙ্কেত, অসি শ্লোক ওইনা থীদোক্লবসু য়াই। মসিদা চৎনরিবা নায়িকাগী রসশিং - অভিসারিকা বাসক সজ্জিকা অমসুং উৎকন্ঠিতা, অহুমসিনি। অদুগা বাসক হায়বসি নুপীনা শকপদা প্রথা অনী থোক্লা সাধারণ বাসক নৎত্রগা নিত্য বাসক অমসুং নৈমিতক বাসক হায়না খায়দোক্কুনা লৈ। অহানবা (সাধারণ নৎত্রগা নিত্য বাসক) গী সিনা চৎনরিবা শ্রীরাধা কৃষ্ণগী লীলাগী পরীং (শিং) দা শকপনি, অদুগা অকোনবা (নৈমিতক বাসক) গীসিনা ‘‘মান’’ রসগী চূড়া-বাঁশী কৎপগী মতাং অসিদা শকপনি।

বাসক ফাংনবগী পরীংদা নুপীনা বাসক শকপদদি ‘‘তিন তাল’’ য়াওনরমদে, নুপানা শক্লবদি ফাংনবদুগী অহানবা শক্লিবা পালা অদুনা তিন তাল য়াওরগা শক্কনি, অদুগা ফাংনবদুগী মথং মথং নৎত্রগা অকোনবা শক্লকপা পালা (শিং)দদি তিন তাল য়াওরোই, ঈশৈ পুবা রাগ / রাগিনী অমনা শিনগনি। মসিদসু গুরু বন্দনা, বৈষ্ণব বন্দনা, আবাহন, অষ্ট নায়িকগী শ্লোক থীরগা মখাগী ঈশৈ তাদুনা চত্থগনি।

ফাংনবগী শৈশিন-পালাগী লমদাংদা অহানবা শৈশিন পালানা ঈশৈ পূৰ্ব্ব রাগ (অপান্বা রাগ / রাগিনী) অমা হৌরগা শক্কনি, অদুগা গুরু বন্দনা, বৈষ্ণব বন্দনা, আবাহননচিংবা শকথগনি হায়বসি মথক্তা থমজখ্রে। মসিদা "আবাহন"গী মতাংসিদা - মসি ময়ামগী খ্বাইগী ওইনদি য়াওনদে, অদুবু তোল্লবীগী ওইনদি তন্বীরকপা গুরুনা তাকপীরকপগী মতুং ইন্না য়াওজে অদুগা অষ্ট নায়িকাগী শ্লোক থীরগা মখা ঈশৈ শকথখিগনি। অসুম্না মথং মথং শমথরকপনা শয্যা উজ্জার লোইরগা বিশ্রাম কুঞ্জদা থল্লমগনি। অদুগা মসিদা চৎলিবা রসনা বিপ্রলব্ধা নায়িকাগী রসনি।

বাসক ফাংনবগী অহুমশুবদা শক্কদৌরিবা পালা অদুসু ঈশৈ পূৰ্ব্ব রাগ অমনা হৌগনি; গুরু বন্দনা বৈষ্ণব বন্দনা, আবাহন, অষ্ট নায়িকাগী শ্লোকশিং থীদোক্কনি। মসিদা চৎলিবা রসনা খণ্ডিতা নায়িকাগী রসনি।

বাসক ফাংনবসিদা অহানবা অমসুং অনীশুবা পালা অনীনা শকচখিবদুদা অভিসারিকা, বাসক সজ্জিকা, উৎকন্ঠিতা অমসুং বিপ্রলব্ধা নায়িকাশিংগী রস মরি অসি শকখ্রে। অদুগা মখা তারকপা অহুমশুবা পালা অসিদদি গৌরাঙ্গ ভাবি অমুক ওইরক্কনি অমসুং মসিদা শকপা ঈশৈদি :-

*"তদুচিত শ্রীগৌরচন্দ্র, আজু কেনে গৌরাচান্দে*
*বিবস বয়ান .....................*

অসিনি। মসি শক্কুনা শ্রীগৌরচন্দ্রদা খণ্ডিতা ভাবি লাকপা অদুগী সূত্র পীদুনা ঈশৈ মখা চত্থগনি। অসুম্না চত্থরকপনা 'খণ্ডিতা' অমসুং 'দাসখৎ' য়ৌনা চত্থগনি, অদুগা মিলন ওইগনি, মদুদগী সম্ভোগ, স্বাধিন, যুগল রূপ শক্কনি, অমদি প্ৰাৰ্থনা শক্কুনা লোইশিনগনি।

হায়রিবশিং ওঝাশিং ঙাংঙোম যোগন্দ্র, খাংঙেনবম গুলাপী, য়ুম্নাম পারিজাৎ, লাইশ্রম ইবোবী অসিনচিংবদগী ফংজরগা ওঝা ঙাংবম চাওবনা বাসক শৈশক্কী মথং-মনাউ তাকপীদুনা থন্বীরম্বনি। অতৈ ওঝাশিংসি মথং মনাউ খণ্ডদবা নত্তে, অদুবু ঙাংবম ওঝা চাওবনা লাইরিক-লাইশু শাস্ত্রশিং খন্নদুনা-নৈনদুনা তাকপীবনি। মরু ওইনা তমজহৌবা ওঝা ঙাংঙোম যোগেন্দ্র অমসুং খাংঙেনবম গুলাপীগী

পরাশিংদুগী তুং ইন্দুনা চৎপা ওঝা চাওবগী মথং মনাও পরেংনি। ওঝা চাওবদি চুম্নদমক লাইরিক লাইশুগী পাউতাক্তমক পীবীবনি।

মথক্তা থমখিবা ব্রাফমশিং অসিদা তোল্লবীনা খঙজ হৈজদবদগী অমসুং চেকশিলহৌদবদগী নৎত্রগা শোয়খিবদগী অরানবা য়াওরবসু খ্বাই তরা মচাশিংনা চুমথোকপীয়ু, তোল্লবী হৈজদ্রবীনি খন্না ঙাকপীয়ু।

**শ্রীরাধে-গোবিন্দ !**

**রাধে গোবিন্দ, রাধে-গোবিন্দ, রাধে গোবিন্দ !**

**তোল্লবী ননাই**
**য়ুমলেম্বম গম্ভিনী দেবী**
**(য়াইস্কুল গম্ভিনী)**

# মণিপুরী নট সঙ্কীর্ত্তনদা মতম্মা পীরকপা শাফু

**নৈনরিবা হীরম:**

**"নুপীগী নট সঙ্কীর্ত্তনগী পরম্পরা অমদি মসিদা মতমনা পীরকপা শাফু"**

*(শ্রীমতী গম্ভিনী দেবীনা ওক্তোবর ৫-৭, ২০০৬ তা গুরু গুলাপী নট সঙ্কীর্ত্তন একাদেমিনা শীনবা সেমিনারদা পাথোকপখিবা চেরোল)*

কলা বিদ্যা হায়বসি থৱাই পানবা পোৎশক অমনি, মসি মতমগা ইরোয়ননা হোংবা নাই। মালেম অসিদা পোৎশক খুদিংমক মশক হোংই; পোকপা, চাওখৎলকপা, শিবা অমসুং অমুক পোকপা হায়বসি লোয়নদুনতা লৈ, মসি পুন্সিগী খোঙচৎনি।

মণিপুরী নট সঙ্কীর্ত্তনসু হেক হৌরকপদগী হৌজিক ফাওবদা তপ্না তপ্না, অনৌ অনৌবা শকওং লৌদুনা মশা মরেং ফল্লকলি। নুপীগী নট সঙ্কীর্ত্তনদা মতমনা পীরক্লিবা শাফু মরিক চুম্না খঙনবা হোৎনবদা মাংজৌননা নট সঙ্কীর্ত্তন করিনো হায়বদু খঙবা তঙাইফদে।

## নট সঙ্কীর্ত্তন করিনো :

নট সঙ্কীর্ত্তন করিনো হায়বসি ঙসিগী সভাগী সদস্য পুম্নমক্না নীংথিনা মমুৎ তানা খঙবীরবা ঙাক্তনি, ননাইনা পল্লমদবা য়াদবগী খুদোংচাবা লৌদুনা পঞ্জবনি। সঙ্কীর্ত্তন শ্রীচৈতন্য গৌরাঙ্গ মহাপ্রভুনা জগৎগী জীবশিংবু অরান খুভম ফংহন্নবগীদমক্ত হৌদোকপীরম্বা ময়াম পুন্না শৈশকমিন্নবা বৈষ্ণবভক্ত লাইনিংলোনগী আত্মনিবেদনগী রস-ভাবকী ঈশৈনি। সঙ্কীর্ত্তনগী মতেংনা শ্রীগৌরাঙ্গনা মহাক্কী মতমগী নবদ্বীপকী চাঁদখাঁ কাজীবু জয় তৌখি অমসুং শ্রীনিত্যাইনন্দনা শ্রোত্রিয় ব্রাহ্মণ শাগৈ ওইরগা ফত্তবা লমচৎ শাজৎনা মাঙহল্লবা জগাই (জগন্নাথ রায়) অমসুং মাধাই (মাধব রায়) অনীবু লানবীখি। শ্রীগৌরাঙ্গনা সঙ্কীর্ত্তন হৌদোকপীরম্বনচিংবগী অকুপ্পা রাফমশিংসিবু ইকাইখুম্নবা উত্তুনা মৈতৈগী সঙ্কীর্ত্তনগী গুরুশিংনা সঙ্কীর্ত্তন শকপা মফম অমসুং মতমদুদা সঙ্কীর্ত্তনগী ময়ায়দা

শ্রীগৌরাঙ্গগী আসন থাদুনা প্রভুনা লেঙশিন্দুনা লৈবগী স্বভাব অমসুং প্রভাবকী পরম্পরাসি থন্বীরম্মী।

## সঙ্কীর্ত্তন হৌদোরকপগী ৱারী :-

মণিপুরদা সঙ্কীর্ত্তনবু মীয়ামগী ওইনা খ্বাইনা খঙনা হৌদোকপীখিবা অমসুং থোকহল্লক্কবগী মরম ওইবীখিবা মীশকসি রাজর্ষি ভাগ্যচন্দ্র মহারাজ [মৈদিংঙু চীঙথংখোম্বা, নুঙনাংখোম্বা, কর্ত্তা মহারাজ, নত্রগা রাজ জয়সিংহ (খৃ: ১৭৫৯-৬১) অমসুং (১৭৬৩-৯৮)] নি।

অদুবু চৈথোরোল কুম্বাবনা মৈদিংঙু, ভরত শাই (খৃ: ১৯৫২-৫৩) গী স্নাহাক্তকী খৃ: ১৭৫২ দা অৱাগী তোমফাং হিদেন্দা নাম সঙ্কীর্ত্তন শক্লুনা মৈদিংঙু গরিবনিৱাজ (খৃ: ১৭০৯-৪৮) গী শ্রাদ্ধ শোল্লন্নগী ৱাফম পীরি। মৈদিংঙু রাজর্ষি ভাগ্যচন্দ্রনা হৌদোকপীখিবসিদি শ্রীগোবিন্দ নির্পণ খৃ: ১৭৭৬ তা তৌরগা খৃ: ১৭৭৯গী হিয়াঙ্গৈগী ১১ নি ইরাইদা অভিষেক তৌরগা নুমিৎসিদগী নুমিৎ মঙানি লেপ্তুনা রাস শান্নখিবগী খোঙফমসিদা রাসকী পূর্ব্বরঙ্গ ওইনা নুমিৎ মঙানিসি সঙ্কীর্ত্তন শকখিবগী থৌরম-থৌদৌ-অসিদনি। অদুবু মণিপুরদা সঙ্কীর্ত্তন হৌদোকপীখিবসিগী অশেংবা নুমিৎ-থাবান, কুমশিঙ থাশিঙদুদি অখঙ অহৈ খ্বাইনা লেপ্পীগদবা ৱাফমনি।

মতাং অসিদা রাস হায়বসিগী মতাংদা ৱাফম খরা পঞ্জরমগে। মণিপুরগী রাস অসি নায়ক অমখক্তগী শক্তম নক্তনা নুপা অতৈ য়াওদবা অমসুং নায়িকা অমগী তেংবাংদা নুপী ময়াম লৈবগী ভাব অমসুং রসশিংদা শান্নরকপদা শান্নরিবা পূন্নমকসি শৈশকপী (সূত্রধারী) অমনা ঈশৈনা ফোংদোক্লুনা জগোয়না উৎপা য়াদবা, য়ৌদবা নত্রগা ঙমদবশিংদু ফোংদোক্লুনা শান্নবা জগোয় অমসুং ঈশৈগী ওইবা ভক্তিগী খুরুম-খাজঙজবগী লীলা মখল অমনি। মরম অদুনা হায়রিবা ৱাফমসিদা যুন্নম ওইদুনা মিৎয়েং থন্লকপদা মণিপুরী রাসতা সূত্রধার লৈবগী ৱাফমসি থেংনদে অদুবু সূত্রধারী লৈবগী ৱাফমদি য়াম্না হোঙনা ফংই। অদুগা হায়রিবা ৱাফমসিনা মখা তানা পুরক্লিবদি মণিপুরদা জগোয় রাস হৌদোকখিবগী মতম খৃ: ১৭৭৯ গী মতমসিদা মৈতৈ নুপী কীর্ত্তন শকপী লৈরে, হায়বসিনি। কীর্ত্তনসি নাইতোম

(সোলো) অমসুং ফাইবোক (দ্বেট) শকপা ফাওবগীনি, মী খরনা শকমিন্নখ্রবদি সঙ্কীর্ত্তনগী মরক্তা চঙখ্রে, চিংখ্রে। অসুম্না হায়রিবা মৈতৈ নুপীগী কীর্ত্তনগী পরম্পরা অমদি লৈজখ্রে।

সঙ্কীর্ত্তন অসি বঙ্গদেশতা নত্রগা ভারতবর্ষগী মফম অতৈদা মসিগী পীরিবা ৱায়েল পরীংগী পরমদা তারিবা মতীক মঙম অমসুং মহী ময়াইগী পরীং পরেং অমসুং পাথাপ কাংখুন্দা শীজিন্নবা কয়া উদে। মসিগী মতীক মগুণগী মরমদা পীবীরম্বগী মতুং ইন্ন মসি কৃতসত্যগী তপস্যা, ত্রেতাগী যজ্ঞ, দ্বাপরগী পূজা অমসুং সেবাগা মান্নে, নত্রগা সঙ্কীর্ত্তননা মখোয়দগী মহৈ চাউবা হেল্লি হায়বসিনি। মরম অসিনা মণিপুরদা ভারতীয় বিশ্ব হিন্দু জগৎকী যজ্ঞ তৌবদা চঙবা কর্ম্ম খুদিংমক সঙ্কীর্ত্তননা মহুৎ শিল্লি অমসুং অথোইবা পূজাশিংগী মহুৎ শিল্লি। মরম অসিনা হিন্দু মণিপুরী সমাজগী মীয়ামগী অমসুং লন্নাই মরন্নাই পুন্সিশিংগী কর্ম্মশিং, মরু ওইনা দশজাতি সংস্কারগী কর্ম্মশিং পূন্নমকক্তা সঙ্কীর্ত্তননা যজ্ঞগী মথৌ মঙম পূন্নমক পুই। অদুবু লৈপাক লৈপাক্কী চৎনবনা নৃত্য, নাট্য, নর্ত্তন, গীত, সঙ্গীত, কীর্ত্তন সঙ্কীর্ত্তনগী ৱায়েন পূন্নমক্কী মথক্তা লৈ। সঙ্কীর্ত্তন মণিপুরদা জগোয় রাসকা কণ্ঠিপুর কোনুংগী রাসমগুলদা নোংমতদা পোকমিন্নখিবনি, সঙ্কীর্ত্তননা অহন্নি। অদুবু খোঙবু ওইনদি মখোয় অনীসি থাদোক্লরক্তে, থাদোক্লদ্রি।

## মৈতৈ নুপীগী সঙ্কীর্ত্তনগী পরম্পরা :-

মৈতৈগীদি নুপা অমসুং নুপী অনীসি খোঙ য়েৎকা ওয়গা থাংদুনা চৎমিন্নরকই। শা-লানগী মতমদা নুপানা শাদান, শাফাবা অমসুং লাম্ছেং লানশোক্লবা, ময়ুম থাদোক্তুনা লানশঙদা লান ঙাক্লুবা, মীরমদা লান্দারুবা, লমখৈ ঙাক্লুবা অসিনচিংবনি। হায়রিবা মতমশিংসিদা নুপীনা য়ুম শঙদুনা য়ুম পুবা, মচা মশু থাকপা, য়েংশিনবা, তাকপী তম্বীবা অসিনচিংবনি। অদুগা শা লান লৈতবা লাল্লুপ থৌদাং চৎবা মতমদা নুপানা নুপাগী শীনফম / মশীন, নুপীনা নুপীগী মশীন তৌদুনা ময়ুম পুননবা হোৎনৈ। অদুবু, লৌউ শীংউবগী মতম অমসুং লৌরোক পম্বাগী মতমদদি নুপা নুপী অনীমক্কী অপুনবা খুৎশু-খুৎনোম্না কুম অমগী চাননবা ফৌ কৈদা হাপচিল্লি। অসুম্না পাল্লিবা খুন্নাইসিগী য়াইফ-নুংঙাই,

অচৌ অশাং, অঙম-অথৌ অমসুং মচিঞ্জাক চাজবা মীশক মীওইশিং নত্রগা মশানা মথ্বাই য়াওজবশিংনা লাইথৌ-তীনথৌ, ধর্ম্ম-কর্ম্ম, কলা- বিদ্যানচিংবগী লমদাং কয়াদা অশঙবা-অহাঙবা মতমদা পূক্লীংগী ৱাখল থম্লরকই। হায়রিবা অসিগুম্বা পূক্লীংগী লমজিংশিংদগী মখল-মথেলগী কলা, ললিত কলানচিংবা কয়া মৈতৈ সমাজদা মণিপুরগী ওইনা পোক্লক-থোক্লকখি। অসুম্না, পোক্লকখিবশিংগী মনুংদা মণিপুরী ডান্স (মৈতৈ জগোয়/ রাস) অমসুং মণিপুর নট সঙ্কীর্ত্তন অনীশিসু য়াওরকখিবনি। মখোয় অনীসি পোক্লকখিবদগী মৈতৈ নুপীনা কীর্ত্তন শকপগী পরম-পরা মণিপুরী রাসকী সূত্রধারীনা মরু লেনফু ওইরগা হৌরকখিবগী মশক অমা মথক্ত থমজখ্রে।

## মৈতৈ নুপীগী নট সঙ্কীর্ত্তন হৌরকপা :-

মৈতৈ নুপাশিংগী নট সঙ্কীর্ত্তনসিনা মশক অমা পান্দুনা শ্রীগোবিন্দগী সেবাগীদমক্ত রাজর্ষি ভাগ্যচন্দ্রগী সনা হাক্তক্তা পানা মরিগী লোইশঙ কাঞ্চিপুর কোনুংদা লীংখৎলবা মতম (খৃ: ১৭৮০ গী মতুং খৃ: ১৭৮৩ গী মমাঙ) সিগী মতুংদা শ্রীগোবিন্দ ভক্তিদা থৱাই লুপচবী রাজর্ষি ভাগ্যচন্দ্রগী মচা ইবেম্মা তম্ফা ৱাংঙমল্লোন, (বিম্বাবতী, মঞ্জরী, অনুপ্রিয়া, শিজ লাইওইবী) না মপাবুং মহারাজদা শ্রীগোবিন্দগী থৌগল ফংননবা নুপীশিংগী ঈশৈ নত্রগা নট সঙ্কীর্ত্তন পালা অমা লীংখৎনবা য়াথং নীজখি। হায়রিবী তম্ফা ৱাংঙমলোনসিনা হঙ্গৎলিবা ৱাফমসি কাইনদগী থৈবোং খৃ: ১৭৮৪ গী জনুৱারী থাদা য়াল্লুরগা উদো কংহল্লগা রাধিকা মূর্ত্তি শারগা ''রাশেশ্বরী'' হায়না মিংথোন্দুনা শ্রীগোবিন্দগা ইবুংঙো ইবেম্মা অনী যোগলমূর্ত্তি ওইনা লাৎলবা চহিদনি। মৈদিংঙুনা মচা ইবেম্মগী অনিংবদু থুংননবা অয়াবা য়াথং পীবীবদগী বিম্বাবতীনা ঈশৈ হন্দুনা নুপী নট সঙ্কীর্ত্তন পালা অমা লীংখৎলগা খৃ: ১৭৮৫ দা অহানবা ওইনা খ্বাই খঙনা ''রাসেশ্বরী পালা'' হায়না থোন্দুনা শ্রীগোবিন্দ রাসেশ্বরী অনীগী থৌগল ফংজখি। ৱাফমসি ফুরাইলাৎপম ইবোতোন শর্ম্মগী ''মৈতৈ ফিজেৎ লৈতেং'' হায়বা লাইরিক্তুগী লমায় ১২২ দা পল্লিবা ৱারোলসিনা ময়েক শেংনা তাকই :-

''শীজ লাইওইবীনা কর্ত্তা শাগেগী নুপীশিংগী ওইবা নাম সঙ্কীর্ত্তন পালা লীংখৎলে। পালা অদুগী মমিং ইবেম্মা রাধাগী মিং লৌদুনা রাসেশ্বরী পালা থোল্লে। ঙসি

ফাওবদা পালা অসি কর্ত্তা শাগেগী নুপীগী ওইবা সঙ্কীর্ত্তন্নি হায়না খঙনরি। শীজনা করতাল অচৌবা পায়দুনা নাম সঙ্কীর্ত্তন কৎখি। মরম অসি লৈবদগী ঙসি ফাওবা করতাল অচৌবা য়ৈদুনা নাম শোল্লি''

হায়রিবা অসিদগীনি মৈতৈ নুপীশিংগী পরম্পরাদা নট সঙ্কীর্ত্তনগী বৃত্ত মনুংদা চঙবা হৌখিবা। অদুগা হায়রিবা সঙ্কীর্ত্তনগী পরম্পরাসিদা নুপীনা শেৎইনগদবা অমসুং চিন-থেৎকদবগী ৱায়েলশিং থম্লীরম্লদি - ''রাসেশ্বরী পালাদা শেৎপা ফিজোলদি ফনেক অমুবা (কুমজীংবী) নত্তনা লাঙবা শীজিন্নবা য়াদে; ইন্নফি অঙৌবা, মায়গী লৈতেং ওইনা চন্দন্নচিংবা চৎনবী ধর্ম্ম মওং তাকপা অদুগুম্না ফিজোল শেৎলি। অসুম্না মণিপুরগী নট সঙ্কীর্ত্তনগী পরীংদা মৈতৈ নুপীনা খোঙদারক্তুনা মখোয়গী পরম্পরা লীংখৎলকখিবসি খৃ: ১৭৮৫ দগীনি।

## রাসেশ্বরী পালা ফমশক্লা / লেপশক্লা ? :-

মণিপুরগী নট সঙ্কীর্ত্তনদা খ্বাইদগী ইহান হান্না নুপীগী পরম পরা লীংখত্তুনা রাসেশ্বরী পালা হৌদোকখিবী তম্ফা ৱাঙমলোনসি নুপীগী ঈশৈ পালাসি হৌদোকপদা খ্বাইদগী ইহান হানবা ঈশৈ হনবী ওইখিবগুম মণিপুরী জগোয় রাস শান্নবদুদসু খ্বাইদগী অহানবা মকোকচীংবী ওইবীখি। মরম অসিনা মহাক্না হৌদোকখিবা রাসেশ্বরী পালাসি ফমশক নত্তে; লেপশক্লি, হায়বদি ফমদুনা ঙাইহাক শক্লল্লবসু চোলোম / মোত তৌই। ৱাফমসি সুরচান্দ শর্ম্মাগী ''মৈতৈ জগোয়, ২শুবা শরুক'' কী লমায় ২৬৯ দা ময়েক শেংনা পল্লি।

''মন্দিলাসি-ভাগ্যচন্দ্র সনা হাক্তক্তগী অদুম পায়নরক্লে। মসি নুপীতনা পায়নৈ। রাসেশ্বরী পালা নত্তনা ফমদুনা শকপা নুপী পালা পূম্নমক্তা মসি পায়নৈ। রাসেশ্বরী পালাদা হৌগত্তুনা চোলোম তৌবনা করতাল অচৌবা পায়।''

অদুবু নুপীগী সঙ্কীর্ত্তনগী পরম্পরাসিবু পাম্বীদবা মীওইশিংনা অরানবা প্রচার তৌদবসু নত্তে, মরমদি মালেমসিদা পৃথিবীগী জাতি অমত্তগী নুপীদা করিগুম্ব মতম অমত্তদা পীবা লৈখিদ্রবা নুপীগী হক্ অমা মণিপুরগী লৈঙাকলোন্না খৃ:১৮৯১ গী মমাঙদা পীবিরম্লবনি হায়বসি অরানবা প্রচার তৌরিবশিংনদি ময়েক শেংনা খঙবিদে।

রাজর্ষি ভাগ্যচন্দ্রগী মচাইবেম্মা তম্ফা ৱাঙমলোন্না করতাল অচৌবা পায়বদা কনানা থিংবীগনি, মরমদি তম্ফা ৱাঙমলোন হায়বসি যুবরাজনি নুপাদদি, নিংথৌগী ঙমথংনি, অপোকপা মচানি অমসুং নিংথৌগী মহুৎ শিলহৌগদৌরিবা মীশক্তুগুম্বনি। অদুগা কর্ত্তা নিংথেম শাগেগী নিংঙোল সনা-ঈগী ইবেম্মা তম্ফা ৱাঙমলোনসিনা হৌদোকপা ঈশৈ পালা, রাসেশ্বরী পালাদা মহাক্কী পরম্পরা ইনবদা অথিংবা থম্বদুদি মমাঙগী নিংথৌশিংনা তৌরমদে। মরম অসিনা রাসেশ্বরী পালাসি ফমশক ওইনা লৌবদগীদি লেপশক্লি হায়বসিনা ঐখোয়গী শাফগনি।

## জলকেলি পালা হৌরক্লিঙৈগী পরীং :-

"জলকেলি / জলযাত্রা" হায়বা শ্রীবৃন্দাবন্দা শ্রীরাধা কৃষ্ণ অনীনা ব্রজগোপী সখীশিংগা লোয়ননা ওল্লাংথা (গ্রীষ্ম ঋতু) গী মৈচাক-খাঙননবা যমুনাদা ঈশিং চাইশিন্নদুনা শান্নবগী ভাব অমসুং রসতা পাঙথোকপা ভক্তি রসকী লীলাসি মণিপুরদা মৈদিংঙু জয়মান চৈতন্যসিং নরসিংহনা হৌদোকপীখি। কুম্মে লীলাসি হৌদোকখিবগী মতাংদা লাইরেনময়ুম ইবুংঙোহল সিংহ অমসুং নিংথৌখোংজম খেলচন্দ্র সিংহগী চৈথারোল কুম্বাবগী লমায় ২৭১ দা য়াওরি - "অশৈবা মুহন সিংহগী কুম শক ১৭৬৭ ... কালেন থা .. থানিল ... য়ুমশকৈশ (তাং ২১/৫/১৮৪৫ ইং) দা .. মতম কুইনা তৌখিতরপা জলযাত্রাবু শ্রীবৃন্দাবন্দা শ্রীরাধাকৃষ্ণনা তৌবগুম্লা কুঞ্জ পুখ্রী ১ তৌদুনা জলকেলি তৌবা হৌএ।"

অদুবু হায়রিবা লাইথৌ-কুম্মৈসি হৌদোকপগী মতমসিদা মণিপুরগী নট সঙ্কীর্ত্তনগী পরীংদা মৈতৈ নুপীশিংগী পরম্পরাদি রাশেশ্বরী পালাগী মশক ওইনা লেপ্পুনা লৈরি।

মৈদিংঙু সার চন্দ্রকীর্ত্তি সিংহগী সনা হাক্তকুসু ঈশৈ শৈশক শৈরাং, নীতি নিয়মগী পরীং করিসু কায়দনা চথুরকখি। অদুবু খজিক্তং অহোংবা লৈখিবসি ফিজেৎ লৈতেংগী মতাংদনি "শমজি মতোন শাংনা তাবা (থাদবা), নুপী খুজি শিবা, ইন্নফি য়াম্লা পাবা মোইরাং ফিজিন চনবা, মতমদুদা ফংবা লীক শমজী লৈনচিংবনা কেব(গী) মওং" অসিনি হায়না ফু. ইবোতোনগী মথক্কী লাইরিক্তুগী লমাই ১২৭ দা পল্লি।

হায়রিবশিংসি মতম মতমগী ওইনা চৎনরিবা মৈতৈ নুপীশিংগী খ্বাইদগী হেন্না কেবা মওং মতৌগী ফিজেৎকী ফিজোলনি। তশেংনমক মসি মতম্না মৈতৈ মণিপুরী সঙ্কীর্ত্তনদা পীরকপা শাফুশিংগী মনুংদা অমনি।

মৈদিংঙু সার চন্দ্রকীর্ত্তি সিংহগী সনা হাক্তক অসি মণিপুরী হিন্দু বৈষ্ণব ধর্ম্মগী খ্বাইদগী হেন্না ৱাংবা থাক্তা লেপ্পা মতম্নি। মতমসিদা মৈদিংঙু মশামকনা সঙ্কীর্ত্তনগী লমদা নীংথিজবা চৈঙাক পীদুনা শৌগৎপীখি। ৱাফম অসি মথক্তা পনখিবা "চৈথারোল কুম্বাবা" হায়বা লাইরিক্তুদা য়াওরি। লাইরিকসিগী লমায় ৪৪৫ দা নিংথৌ অসিনা অশিকোন কৌবা রাগ অমা মুৎলে হায়দুনা অখণ্ড অহৈ কৌদুনা হিঙ্গৎনবা হোৎখিবা অদুনা সাক্ষিনি। অতোপ্পা ৱাফম অমনা মতম অদুদা নুপা পালাশিংবু লুনা চান্না তৌনবা অমসুং খন্নবা অদুগুম্না নুপী পালাবুসু ইকাই খুম্নৈ হায়বসিনি। মসিগী প্রমানদি লাইরিকসিগী লমায় ৪৪৩ দা পল্লি।

"হৈক্রুজম চাউবগী কুম শক ১৮০২ .. শজিবু থা, নিংথৌকাবা (খৃ: ১৮৮০ গী এপ্রিলগী ৩ শুবা চয়োল) দা শজিবুগী পালোক ওই। অদু নুমিত্ত শজিবুগী সংক্রান্তি হৌএ। শ্রীযুৎ মহারাজনা ককচিং খুল্লেন্দা মাঙোপ হোঙবা কুমএ। রাধা গোবিন্দসু পুথৈ। ৫ নি যুমকৈশদা ককচিংদা রাধা গোবিন্দ জীবন্যাস তৌএ, মাঙোপসু হোঙএ। পালা ৫ শকএ। নুপী পালাসু শকএ...."

ৱারোলসিদা পালা মঙা হায়রিবসি অচম্বা সঙ্কীর্ত্তন পালাশিং নত্তে, মণিপুরগী মমিং লৈরবা পানা মরিগী পালাশিং য়াওরিবনি। হায়রিবা অখন্নবা সঙ্কীর্ত্তনগী শৈফম অসিদা ফাওবা নুপীগী নট সঙ্কীর্ত্তন পালাবু ঈশৈ শকপা য়াওহল্লমবসি নুপী পালাবুসু চাং মান্ননা ইকাই খুম্নবিরম্মী হায়বদু তাকপনি। অসুম্না মণিপুরী সঙ্কীর্ত্তনগী পরীংদা লৈপাকসিদা মতম মতমগী মওইনা থোল্লকখিবা ঈশৈ নোংমাই অমসুং পুঙ ঈশৈগী মশকশিং; হোলি পালা, খুবাক ঈশৈ পালা, দেবী পূজা, ঝুলোন্নচিংবদা নুপীশিংসু শরুক য়ারকখি। অদুগা চৎলক্লিবা অমসুং চথরক্লিবা মণিপুরী সঙ্কীর্ত্তনগী পরীংদা মৈতৈ/মণিপুরী নুপীগী পরম্পরাসি খৃ:১৮৯১ ফাওবা চথরকখি।

## মৈতৈলোন্না ঈশৈ বাসক শকপা হৌদোকখিবা :-

খৃ: ১৮৯১ গী মার্চ তারিক ২৫ দা মণিপুরনা বৃটিশকী মথক্ত অমসুং চহিসিগী থা অসিগী তারিক ৩১ দা বৃটিশ ভারত সরকারনা মণিপুরগী মথক্তা লান তৌরে হায়না লাউথোক্লদুনা চহিসিগী এপ্রিলগী তারিক ২৬ ফাওবা লানগী ঈরাং চত্থরগা থা অসিগী ২৭ তা বৃটিশনা মণিপুর লৌশিনখি। হায়রিবা মতমসিগী মতুং তানা বৃটিশকী লাম্মীগী শাসনগী মখাদা মণিপুরবু চহিসিগী সেপ্তেম্বর তারিক ১৭ ফাওবা থম্লগা মথংগী নুমিৎ তারিক ১৮ সা মহারাজ নরসিংহগী ধারা চুড়াচান্দ সিংহবু মণিপুরগী নিংথৌ হাপ্পুনা মহাক্কী কোনুং খুরাই খুন্দোন্দা শারগা মহাক্কী পোকফম শাৎফম নম্মুল মপাল কৈশামথোংদগী খৃ: ১৮৯২ গী জানুৱারী তাং ২০ দা খুরাই খুন্দোন কোনুংদা পুখৎখি। অমসুং মণিপুরী হিন্দু বৈষ্ণব ধম্মগী, জগোয় রাসকী অমসুং সঙ্কীর্ত্তনগী সুমেরু ওইবীরিবা শ্রীগোবিন্দসু খোংমন মপান্দগী পুখত্তুনা অনৌবা কোনুংদা লাৎখি। হায়রিবা নুমিৎসি য়ৌদ্রিবা ফাওবদি মণিপুরী সঙ্কীর্ত্তনগী পরীংসি মতম খরদি থাশিগী অহিংগী মতম ওইদুনা লৈরমখি।

অদুবু, হায়রিবা নুমিৎসিদা শ্রীগোবিন্দ লেঙখৎলকপদা হরি সঙ্কীর্ত্তন তৌদুনা ওকখিবসিদগী মণিপুরগী নট সঙ্কীর্ত্তন অমসুং মসিগী মশা মরেং ওইবা ঈশৈশিং নৌনা অমুক য়াওল্লকখি। হায়জরিবা মণিপুরী সঙ্কীর্ত্তনগী পরম্পরাসি মৈতৈ নুপীশিংগী ওইবা ঈশৈ নোংমাইগী সঙ্কীর্ত্তনগী পরম্পরাসু য়াওরবনি।

মণিপুরী রাস অমসুং মসিগা শাগোন্নরকখিবা ময়াম্বা মণিপুরী সঙ্কীর্ত্তনসি শ্রীমদ্ ভাগবতনচিংবা পুরাণ, শাস্ত্রশিং মরুওইনা অহানবগীসিগী রাস পঞ্চধ্যায়দা য়ুম্ফম ওইবা অমসুং শ্রীগৌরচন্দ্র ভাবী গৌর ধম্মগী ভক্তি রসতা য়াঙলেন শরু ওইবনা শক্লরিবা শোন্নরিবা ঈশৈ নোংমাইগী লোনসি সংস্কৃত নত্রগা বাঙ্গালী (ব্রজবলী) লোন অনীসিদা শীজিন্নদুনা রাজর্ষি ভাগ্যচন্দ্রগী সনা হাক্তকতা ললিত কলা অনীসিনা পোল্লক-শাৎলকপা মতমদগী হৌরক্লবনি। হায়রিবা মৈতৈগী নট সঙ্কীর্ত্তন অমসুং মসিগী মশা মরেং ওইবা ললিত কলাগী শক্তমশিংদা চৎনরকপসিদগী খৃ: ১৯১৬ গী মতমদা অওনবা অমা লাকখিরম্মী। মণিপুরদা হোলি ঈশৈ শৈশক অসি হায়রিবা লাইথৌ কুম্মোসিনা হৌরকখিবা চাউরক্লু খৃ: ১৭৮৭ (খৃ:১৭৮২ অমসুং ১৭৯২ গী

মরক্ত) গী ওকয়া, রাজর্ষি ভাগ্যচন্দ্রগী সনাহাক্তক্তগী বাঙ্গালী লোন, সংস্কৃত লোন্দা চৎনরকখিবনি। অসুম্না চেন্থরকখিবা ঈচেলসিদা হায়রিবা চহিসিদা হোলিগী ঈশৈসি মৈতৈ লোন্না শকপা হৌদোকখি। ব্রাফম অসি মথক্কী লাইরিকসিগী লমায় ৪৭৮ দা মরিক চুম্না পল্লি।

"..... খোংবানতাবম চাওবগী কুম ১৮৩৭ ... লমতা থা ...১৪ নি থাঙজ (তাং ১৮/৩/১৯১৬ ইং) দা শ্রীগোবিন্দগী মাগুপতা ফুরাইলাৎপম বিধু খাইদেমচা নোংয়াই ২ সিনা শেমদুনা হোলিগী ঈশৈবু মৈতৈলোন্দা শকএ।"

হায়রিবা ঈশৈসিদা হোলিগী ঈশৈ ওইবনিনা হোলি দোলযাত্রাগী মতমদদা শক্লবা ঈশৈ ওইনা লৈহনখিবগী মওং-মতৌ ওইনা লৈ। হায়জরিবা মৈতৈরোলনা হোলিগী ঈশৈ শক্লবগী ঈচেল অসি মৈতৈ নুপীশিংগী ঈশৈ শকপগী পরম্পরাদসু অদুম চৎনরকখি, হায়না লৌবদা লাল্লোই। পামজবা পামজদবা হায়বগী ব্রাফমদুনা তোঙানবা অমনি, মরমদি হোলি/দোলযাত্রা হায়বসিসু শ্রীরাধা কৃষ্ণ গোবিন্দ রাসেশ্বরী অনীগী প্রেমলীলাশিংগী মনুংদা বসন্তগী আবিরখেলগী ওইবা লীলা অমনি।

খৃ: ১৯৩১ গী এপ্রিল থাদদি মণিপুরী নট সঙ্কীর্ত্তনগী ঈশৈসিদা মৈতৈলোন্না ঈশৈ শকপগী মফমদু চপ চানা মফম কনবা হৌখি। হায়রিবা ব্রাফমসি মথক্কী লাইরিক্কী লমায় ৬১১ দা পল্লি।

"ককচিং কালিগী কুম শক ১৮৫২... ওল্লকপা শজিবু থা... (তাং ১৮/৮/১৯৩১ ইং) দা শীংজমৈ মুক্তারগী মাঙোপ্তা ব্রাইখোম চাউবনা মৈতৈ লোন্না বাসক শকপা হৌদোকএ।"

ব্রাফমসি য়েংলুরবদি ব্রাইখোম চাউবনা শীন-লাংদুনা অমসুং থৌদাং পুম্নমক লৌদুনা ঈশৈ শকপসি মশানা শক্তুনা হৌদোকখিবা মাল্লি। মরম অসিনা হকথেংননা ঈশৈসি শকখিবা মীশকশিংসিগী লীখুন থিরকপদা পনবা য়াবদি "মণিপুরদা মৈতৈলোনগী ঈশৈ শকপা হৌদোপীরম্বা ওঝাদি (১) মণিপুর ডান্স কলেজগী ওঝা ওইবিরম্বা শ্রীকোঞ্জেংবম তোয়াইমা, (২) শ্রীযুক্ত রাজকুমার সুর্য্যবোরম্না সিংহ ওঝা অনী

অসিনা হৌদোকপীরমই", হায়বসিনি। মসি কোঞ্জেংবম ধোনো সিংহগী মৈতৈ পুয়া ৱারী মচৎ (১৯৭৪) গী লমায় ১৪৩ দা পল্লি।

মরমসিনা মুক্তারগী মাগুপ্তা মৈতৈলোন্না মণিপুরী নট সঙ্কীর্ত্তনগী বাসক শকখিবসি মথক্কী গুরু অনী; কোঞ্জেংবম তোয়াইমা অমসুং রা: কু: সুর্য্যবোরম্না সিংহ য়াওনা ৱাইখোম চাউবনা হৌদোকখিবনি হায়না লৌজে অমসুং পাংথোকখিবা মতমনা খৃ: ১৯৩১ গী এপ্রিল তারিক ১৮ থাংজ নুমিত্তনি।

লৌখোং অনীদা কুমগী নোংগী ঈশিং চেন্থবদা অহান-অকোন খর লৈনবা হায়বসি মশানা তাজরবা ৱাফমনি। মণিপুরগী নট সঙ্কীর্ত্তনগী ঈচেল অসিদসু নুপাগী পরম-পরা অমসুং নুপীগী পরম্পারা অনীনা চেন্থমিন্নরকপদা নুপাগী মতুং নুপীগী পরম পরানা মতুং ইল্লকখি। সমাজগী খোঙথাংদা নুপানা য়ুন্থরেন ওইবগী হক পীবা মৈতৈ সমাজ ওইবনা য়েৎ-ওই খরমখৈ নাইনরবসু নুপীগী পরম্পরাদসু মৈতৈলোন্না ঈশৈ শকপগী কলাগী মচৎসি চঙলকখি। হায়রিবা মচৎ মনাৎসি খ্বাইদগী ইহান হান্না খুৎমাবিরম্বশিং অদুগী মমিং পনবা য়াই। নুপী অহানবা মৈতৈরোলগী ঈশৈ শকপী অসি শ্রীমতী কাংগুবম মাইপাকপীনি, অনীশুবদা বোকুল মখোঙ শ্রীমতী ইবেমপীশকনি অদুগা অতোপ্পা অমনা শ্রীমতী লৌরেম্বম তোম্বী পনবা য়াই।

অসুম্না নুপাগী সঙ্কীর্ত্তনগী পরম্পরানা পুথোরকপা তৌথোরকপা সঙ্কীর্ত্তনগী মওং মতৌশিংসি নুপীগী পরম্পরানা হেক-হেক মতুং ইল্লকখি। ৱাফমসি নৌনা হৌদোকপা নুপা খুবাক ঈশৈগী মতাংদসু থোকখি।

মৈদিংঙু চন্দ্রকীর্ত্তি সিংহগী সনা হাক্তক্তগী খুবাক ঈশৈসি লৈরবনি, অদুবু মৈদিংঙু চুড়াচান্দ মহারাজগী সনা হাক্তক্তা ওঝা অহুম- চীংঙাখম নোংথোনবনা শৈশকপা, য়ুম্নাম চাউবহলনা পুং অমসুং য়াইস্কুল সনা মচা রাজকুমারনা অভিনয় হৌদোক্তুনা হাপচিল্লগা নৌহৌননা অনৌবা ওইরবা নুপা খুবাক ঈশৈ পুথোকখি। মসিগী মতুং ইন্দুনা, মসিগী মওং মতৌ পূম্নমক লৌদুনা নুপী মচা খুবাক ঈশৈ থোল্লকখি।

মণিপুরী নট সঙ্কীর্ত্তনগী নুপীগী পরম্পরাদা নুপীগী ঈশৈ পালা রাসেশ্বরী পালাসি হৌদোকপীরম্বী তম্ফা ব্রাংঙমলোন (বিম্বাবতী) নত্তনা মহাক্কী মতুং ইল্লকপী অঙনবা অমসুং ময়ায় চল্লকপা মতমগী শৈশকপীশিংগী মমিং মথানচিংবদি হৌজিক্কী ওইনদি খংঙমদবগী লারোন্নুংদা লৈখ্রে। মখোয়গী মখা তারকপশিংগী খঙজবা মমিং খরা থমজরবদা :-

১) লৈরীক দেবী, উরিপোক ২) মাইমু দেবী, উরিপোক ৩) কোনোক মুখরা দেবী, খুয়াথোং, ৪) মাইনু তেপ, নাগা মপাল ৫) কালিমুবী দেবী, বামোন লৈকায় ৬) মাইপাকপী দেবী, কাংঙবম লৈকাই ৭) ইবেনী দেবী, ওইনাম থিঙেল ৮) নম্বোল পিশক দেবী, নম্বোল ৯) লৌরেম্বম তোম্বী দেবী, সগোলবন্দ ১০) ক্ষেত্রি তোম্বী দেবী, য়াইস্কুল ১১) বামোন শ্যামা দেবী, য়াইস্কুল ১২) নোংমাইথেম হেমো দেবী, য়াইস্কুল চিংঙাখম লৈরক ১৩) বামোন রজনী দেবী, চীংমৈরোং ১৫) ঙাঙোম মঙ্গী দেবী, নাগামপাল ১৬) বামোন রুহিনী দেবী, উরিপোক ১৭) বামোন কুমারী দেবী, সগোলবন্দ ১৮) বামোন মণিচৌবী দেবী, লৈমপোকপম ১৯) কামিনী দেবী, কৈশামপাৎ মুতুম লৈরক ২০) রজনী দেবী, কাংঙবম লৈকাই ২১) ঙাঙোম নিংঙোল ভানুমতী দেবী, নাগমপাল ২২) বোকুলমখোঙ ইবেমপিশক দেবী, মোইরাংখোম বোকুল মখোঙ ২৩) অরাম্বম ওংবী চন্দ্রকলা দেবী, লাইরিকয়েংবম লৈকাই ২৪) লাংপোক পিশক দেবী, লাংপোক ২৫) খোমদোম্বী দেবী, ব্রাংজিং ২৬) বামোন য়াইমবী দেবী, খাংঙবোক ২৭) লৈরেনতোম্বী দেবী, পোইরোক খোংজিন ২৮) রাধেম্লা দেবী, লাংপোক ২৯) মনাও ইবেম্মা মঙ্গী দেবী, ওইনাম থিংঙেল ৩০) রাজমাতা কমলাবতী দেবী, পাৎপান শঙ্গাই ৩১) মুক্তারৈ দেবী, ব্রাইখোম লৈকাই ৩২) জানধো দেবী, ব্রাইখেম লৈকাই ৩৩) নরসিং ইবেম্মা, নাওরেম লৈকাই ৩৪) পেচু ইবমহল দেবী, পেচু ৩৫) বামোন ইবেতোম্বী দেবী, ক্বাকৈথেল ৩৬) কুঞ্জবতী দেবী, নম্বোল ৩৭) তেলেম ইবেতোম্বী দেবী, লাইরিকয়েংবম লৈকাই ৩৮) পিশকমচা দেবী, লাইরিকয়েংবম লৈকাই ৩৯) গম্ভিনী দেবী, খুরাই ৪০) থাংহাইবী (অমুসনা) দেবী, থাংমৈবন্দ ৪১) মনিমচা দেবী, মোইরাং হনুবা লৈরক ৪২) থাঙ্গ অশংবী দেবী, থাঙ্গ ৪৩) কাঙবোং লৈমহল ৪৪) মাধবী দেবী,

ক্যামগৈ ৪৫) ইবেতোম্বী (বৃন্দা শাবী) দেবী, থাংমৈবন্দ ৪৬) লৈবাক লোৎপী দেবী, লাইরিকয়েংবম লৈকাই ৪৭) সুবদনী দেবী, এলাংবম লৈকাই ৪৮) মাইপাকপী দেবী, থোংজাও মখোঙ ৪৯) ইবেচা দেবী, ক্ষেত্রি লৈকাই ৫০) সনাতোম্বী দেবী, নিংথৌখোং ৫১) মাইপাকপী দেবী, থৌবাল ৫২) অশংবী দেবী, থৌবাল ৫৩) মোইরাং জাতী দেবী, মোইরাং ৫৪) তম্পাকলৈমা দেবী, ক্ষেত্রিলৈকাই ৫৭) বিনোদিনী দেবী, বামোন লৈকাই (উরিপোক তাবগী মশু) ৫৮) মণিহার দেবী, শিংজমৈ লৈশাংথেম লৈকাই ৫৯) তখেলচংবম ওংবী রাধারাণি দেবী (ঈশৈহনবী), য়াইস্কুল হিরুহনবা লৈকাই ৬০) হুইদ্রোম মুবী (খোংজোম নুবী দেবী), দুহার, নীংথৌখোং ৬১) থম্বাল অপোম্বী দেবী (নীংথৌখোং), ঈশৈ হনবী ৬২) তখেল লীক্লাই, তখেল ৬৩) খামরং তমু, খামরং ৬৪) হোজাই ইবেমহল, হোজাই ৬৫) বাম কৈন্যা, কাছার ৬৬) মাধবী, ক্যামগৈ।

## জলকেলি পালা :-

জলকেলি/জলযাত্রা হায়বা রাধা কৃষ্ণগী প্রেমগী লীলাসি মণিপুরগী ওইনা খৃ: ১৮৪৫ গী মে তারিক ২১, য়ুমশকৈশা নুমিত্তা মহারাজ নরসিংহ “ঐখোয়গী ইনিংথৌ নুংশিখিবা” হায়না মিংথোনবসিনা হৌদোকখি হায়বসি মথক্তা থমজখ্রে। কর্ত্তা শাগৈগী নিংঙোলশিংখক্তমক রাসেশ্বরী পালাদা য়াওবা য়াবগী চৎন-লোনচৎ অমখক লৈবসিনা সেনাপতিময়ুম নত্রগা নরসিংহ বংশগী নিংঙোলশিংনা শ্রীগোবিন্দগী ঈশৈ থৌগলদা পেঞ্জদবগী ৱাখল অমা লাকখিবসি মহারাজ নরসিংহগী সনা হাক্তক্তগী ওইরম্বা য়াই। অদুবু মনা-মনীন নাইদনা সেনাপতিময়ুমগী নিংঙোলশিংসি খাঙলকখি। অদুবু, মথংগী চহিদদি জলকেলী পালা হৌদোকখ্রে। শ্রীগোবিন্দগী থৌজালনা শাগৈসিনা অমুক হন্না মণিপুরগী লৈঙাক্লোনগী চুপলি খৃ১৮৯১ দগী পায়রক্লবসু খন্নবা মখৈ খন্নরুরগা তৌজনীঙমল্লি হায়নখিগনি হায়দুনা নিংঙোলশিং মতোম মতোমতগী পূক্লীংদা অনীংবা ৱাফম ফুমদুনা থম্নখি। অদুগা খৃ: ১৯৫৫ দা লৈমগা সনাগা ফম্ফমগী মরীদা মহারাজ বোধচন্দ্রনা পীবীখিবা ৱাতেম য়াথং অদু তানরবদা নরসিংহ বংশগী নিংঙোনশিংদু খরমখৈদি শাফরগনি খন্নরম্বা য়াই। ৱায়েন অদুদি :-

"...শ্রীযুৎ সনা য়াথং তাকপীরকপা মতুংইন্না ঐখোয়না পুরান য়েংজবদা নিংথৌ ওইরকপগী ধারা মশেন্দি মিঙ্গৌদা নাই-ওই য়েংদুনা ফম্লগনি। নিংথৌ ওইরক্তবগী ধারাগা ওইরকপগী ধারানা মকোক ফমগনি। মরম অসিনা শ্রীযুৎ নরসিংহগী ধারাগা শ্রীযুৎ কর্ত্তাগী ধারা অনী মরক্ত উরুং-পুরেনময়ুম, লৌরুং পুরেন ময়ুম, মন্ত্রিময়ুম, পাৎচহনবম্না য়েৎপা য়ারোই। নরসিংহ কর্ত্তাগী মখাদা ফমগদবনি" ৱাফমসি লাইরেনময়ুম ইবুংঙোহল সিংহ অমসুং নিংথৌখোংজম খেলচন্দ্র সিংহগী চৈথারোল কুম্বাবগী লমায় ৬৮১ দা য়াওরি। মসিনা কর্ত্তা শাগৈ বংশনা নরসিংহগী মথক্ত লৈখ্রে, ফম্ফমসু মথক্তা ফমখ্রে। অদুনা নরসিংহ শাগৈগী নিংঙোলশিং অসিনা মমৈথংদা খৃ: ১৯৬০ গী অদুৱাইদা লৈপাক খ্বাই খঙনা অমসুং মতমদুগী কলচর অমসুং কষ্টমগী ওথোরিটিগী অয়াবা য়াওনা জলকেলী পালা নত্রগা মহারাজ নরসিংহ শাগৈ পালা লীংখৎখি। পালাসিগী ঈশৈসি মহারাজ নরসিংহনা সনা কৈরাক থাখিবগী চহি কুমওনগী দিন তাবা নুমিত্ত, হায়বদি শজিবুগী ২৮ নি পানবদা শ্রীগোবিন্দগী মণ্ডপ শক্তুনা শ্রীগোবিন্দ অমসুং রাসেশ্বরীদা কত্তুনা খৃ: ১৯৬০ দা হেন্না মমিং চৎহনখি। অসুম্না মণিপুরী সঙ্কীর্ত্তনগী নুপীগী পরম্পরাদা য়াম্না মরু ওইখ্রবা কুম্নাই-থানাইদনা লৈগদবা নুপীগী ঈশৈ পালা অমা হেনগৎলক্তুনা হৌজিক হৌজিক ফাওবদা চত্থদুনা লৈরি।

মথক্ত পঙ্খ্রিবা ঈশৈ শকপীশিং অসিগী মরমদা অম-মমতা পুখত্তুনা নৈনবদা অচৌবা শিন্থা অমা ওইরগদবা ৱাফমনি। অদুবু শল্লপ্না শৈথারবদা মখোয়শিং অসি লাইওইরবা ঙাক্তনি। য়াম্না ঙক্লিবদি মখোয়শিং অসি থোইনা লাইরিক লাইশু হৈজদ্রবসু মণিপুরখক্ত নত্তনা মপান লমদা চৎলুবদা মায় চোপলক্ত্রবা অমদি মণিপুরগী মায় ঙাক্তুনতা লাকখ্রবা শৈশকপীশিংনি।

## ফিজেৎ চাকচেৎ :-

নাকল অমরোমদা মণিপুরগী নট সঙ্কীর্ত্তনগী শৈশকপীশিংগী চহিগী মতুংইন্না শেৎকদবা ফিজোল, ফিজেৎ চাকচেৎকী মতাংদা খরা পনবা য়াই। মণিপুরগী নট শকপী অঙাংশিংগী ফনেকসি থম্বাল মচু অমসুং থরো অঙাংবা মচুনি। ফনেক অসি খুবাক ঈশৈ শকপা মতমদা খাওয়েপ্পী শেৎকনি, রেসম ফুরিৎ অশংবা অমসুং

অঙাংবা লিৎকনি। লিকয়ান কোন্দুম পরেং, শন্দ্রিক পরেং, খুজি পোপ চাওবী অমসুং খুজি মচা অমসুং খোঙদা খোঙজি শিনরমই।

লৈশাবী ফারক্লগা শম শাই ককই তুংদা শম থাদগনি। ফনেক থম্বাল মচু নত্রগা থরো অঙাংবা মচু শেৎকনি, লিক থরোই মনিং, শন্দ্রেম্বী, হৈক্রু খায়বী, থম্বাল মনা পরেং শিগনি। ফি অঙৌবা অপাবা মপান চনবা ইল্লি। মপানদি অঙাংবা/নাপু চনবা ওইগনি। খুৎতা সনা খুজি পোপচাওবী মচা অনী-অনী শি। খুৎশাদা সনা খুদোপ খোই মহুম থিনবা, খুদোপ, লাইরেন মখোই অমসুং পরৈ খুদোপ অঙম অঙন্বা শিনৈ।

অসুম্না চথরকপা অসি নুপী অদুনা লুহোংখ্রবা মতুংদদি মশাই খাইদোক্কনি, তুংদা অওং শমবুল/শমজি পুনগনি। অদুদগী লিক ঙকশমপকপী মরৈ পরেং, হৈবী পরেং নত্রগা বোকুল পরেং শিন্নরম্মী। খুদাংদা খোই মহুম থিনবা খুজি নত্রগা খুজি পোপচাওবী শি। ঙমজরগা হৈয়াস থানবী শিনরম্মী। পান্বোমদা সনাগী মরী চিংলগা যন্ত্র মচা অহুম-মরী হাপ্লগা মরীদুনা পান্বোম ফাবী ওইনা শীজিনৈ। ইন্নফি অঙৌবা অপাবা মপান চনবা ইনগনি। খুদোপ খোই মহুম থিনবা, লাইরেন মখোই, পরৈ খুদোপ শিন্নৈ।

অহন খরা ওইরকপগী ফিজেৎকী মতাংদা পনবা তারবদি, নুপী শম্বুল নিংথিনা পুনগনি, শমজি মমৈ থাদগনি। ফনেক্লা থম্বাল মচু শেৎকনি। মরৈ পরেং অনী শি। খুজি পোপচাওবী, লিক হৈবী মপাল, খুদোপ খোই মহুম থিনবা, লাইরেন মখোই, পরৈ খুদোপ শি। ইন্নফি অঙৌবা অপাবা মপান চন্বা ইল্লি।

চহি খরা হেন্ন লৈশিনখ্রবদি নুপী শমজি পুনগনি অদুবু শমজি মমৈ য়েৎশিন্নগনি। থম্বাল মচু ফনেক শেৎকনি ইন্নফি অঙৌবা মপাল কুপথুপ থুপ্লগা ইনগনি। মরৈ পরেং অনী শিগনি।

অদুবু হায়রিবশিং অসি হায়বদি ফিজেৎ লৈতেং অসি সনা কোনুংগা খুল্লক্কা খরা খেৎনৈ, শিবা য়াবা-য়াদবা, শেৎপা য়াবা-য়াদবা খরা লৈ। অদুম ওইনবক অঙাং অহল খাইদনা মন্দিলাবু খুৎকী লৈতেং অমসুং খুৎকী যন্ত্র ওইনা পায়গনি। পূম্নমকসিগী মথক্ত খ্বাইদগী অহেনবা লৈতেংদি চন্দননি।

## নুপীগী সঙ্কীর্ত্তন চাওখৎহনবিরম্বশিং :-

লোইশিল্লকপদা মণিপুরী নুপী নট সঙ্কীর্ত্তন চাওখৎনবা হোৎনবিরম্বা ওঝাশিংগী মমিং পল্লমদ্রবদি মখোয়গী তৌবিমল খঙদবা ওইনা থোক্কনি। ওঝাশিং ঐহাক্না খঙজহৌবদা,

১) ঙাঙোম যোগেন্দ্র সিংহ
২) শগোলশেম কালিদমন সিংহ
৩) খাঙেম্বম গুলাপী সিংহ
৪) থোঙবম মুনান সিংহ
৫) যুম্নাম পরিজাত সিংহ
৬) লাইশ্রম ইবোবী সিংহ
৭) ঙাঙবম চাওবা সিংহ
৮) য়েনশেম্বম অঙৌ সিংহ

ঙসি নুপী পালানা মণিপুরগী নট সঙ্কীর্ত্তনদা য়াম্না চাউরবা থৌদাং অমা পুরক্লি। লুহোংবা দেবকর্ম্মনচিংবা কয়াদা নাম সঙ্কীর্ত্তন শকচ-শোঙদুনা লৈবাক মীয়ামগী সেবা তৌজরি। মতাং অসিদা পঞবা য়াই, মদুদি মহারাজ বোধচন্দ্রগী সনা হাক্তক্তা লান কাইদ্রিবৈঙেদা ইহান হানবা ওইনা ঙাঙোম নিংঙোল ভানুমতী দেবীনা অস্থি সঞ্চয় লৌখত্তুনা শ্রাদ্ধগী ঈশৈ শকখি। লান হঞ্জিল্লক্লবা মতুংদগীদি নট সঙ্কীর্ত্তন্দা নুপী ঈশৈ শকপী মগুন লৈবী কয়া থোরক্তুনা নুপী পালাগী মশক ময়েক শেংনা চোংথোরকখি।

নুপী পালা খুমাং চাওশিল্লকপদা মতম মতমগী ওঝা গুরু কয়ানা অচৌবা দান তৌবিরমখি। শৈরেং কয়া নৌনা শেম্বীখি। অনৌবা ফজরবা রস কয়া পুথোক্তুনা হৌজিক ওইরিবা বাসক, নিমাই সন্ন্যাস, যোগী বেস, কৃষ্ণ কালি, নীতি লিলা, বৃন্দাবন যাত্রা, নৌকা বিলাস, কাকমলমান, পূর্ব রাগ, স্বপ্নামৃত, মাথুর, প্রাণবল্লভ, যুগল মূর্ত্তি, বংশীভূ ষণ, লালসা অমদি প্রবাস যজ্ঞ হায়রিবা রসশিং অসি তন্বীরকখি। মসিগী মহৈনা মণিপুরীগী নট সঙ্কীর্ত্তন্দা নুপী পালানা চাউরবা মফম অমা ফংজদুনা মণিপুরী খুনাইগী তৎন-থানবা য়াদ্রবা শরুক অমা হৌজিক ওইরে।

মতম মতমগী ওইনা নুপীনা নট সঙ্কীর্ত্তন্দা অহোংবা কয়া অমদি, মমাংদা পঞ্জখিবগুম, লাকখি, মখোয়গী শাফু য়াওখি। হৌজিকসু লেপ্পা লৈতনা অদুম্মক চত্থরি-চত্থখিগনি। অদুম ওইনমক মতম মতমদুগী ওইনা সমাজ অদুদা হোংলক্লিবা পুন্সিরোল, অর্থ-নীতিগী ঈচেল অদুগা মান্ননবা চেন্থমিন্নরবসু নট সঙ্কীর্ত্তনগী ক্লাসিকেল ওইবা মশক অদুমদি মাঙহন্দনা থম্বগী তঙাই ফদবা লৈ। মদুদা য়ুম্ফম ওইরগা মতম-মতমগী মথেল হাপচিনবা হায়বদুদি মালেমগী ওইনা অদুমক চত্থনবা থৌদোক অমনি।

## ধর্ম্মদগী লাপথোরকপা :-

কলাদি মশাগী ওইবা মগুণ অমা ওইনা অহোংবা নাইগনি। শৈশক শৈদাদা মতমগী মীরোলনা তাবা য়াবা ওইগদবনি। য়াম্না চাউনা হোংলকপা হায়রগা মমাংঙৈদা লৈরম্বা ধর্ম্মগী অপুনবা অদু কোমথোরকপা অসিনি। ফিজেৎ লৈতেংখক হোংবা অসিদগী হেন্দোরক্তুনা নট সঙ্কীর্ত্তনগী নুংগী ওইবা ভাব হোংলকপা অসিনা য়াম্না চাউবা শাফু অমা পীরকই। ভক্তি রসতা য়ুম্ফম ওইরগা হৌদোকখিবা নট সঙ্কীর্ত্তন কুম্মৈ ফিওংগী মশক অমা লৌরক্লে। তৌবদি মসি মীওইবগী পুন্সিরোলগা ধর্ম্মগা লাপথোক্লরকপা অসিনসু থাইনগী কলাবিদ্যা, সংস্কৃতিদা অদুম মীতাদুনা লৈবা য়ারক্তবদগীদি ওইরম্বসু য়াই।

## মীওইবগী অপাম্বা হোংলকপা :-

মীওইবগী ৱাখল, পুন্সি মহিং হোংলকপদগী মীওইবগী অপাম্বা হোংলকই। মসিনা দেব কর্ম্মদা ধর্ম্মগী চঙদবা য়াদবা য়াম্না তঙাই ফদবা অদুখক্তমক পাঙথোক্লগা লোইশিনবা নত্রগনা কুম্মৈ ফিওংগী মওংদা ওস্থোরকপা মশানা তাবনি।

## সঙ্কীর্ত্তনগী খরচ পুবা ঙম্লক্তবা :-

পূম্নমকসিগী মথক্তা নট সঙ্কীর্ত্তনগী চৎনরোল হায়বদি চঙলিবা খরচ, ফিরোলনচিংবগী মতাং অসিসু মীৎয়েং চঙনিংঙাই ওইরি। হৌজিক্কী মতমদা অশম্বা থিবা অয়াম্বা মীনা পাম্নরক্লে। মসিনা মতম অমদা দেব কর্ম্মগী ঈশৈ পালা ১৪/১৫ লেপ্পরম্বা অদু অশম্বা পৈশা চঙদবা থিদুনা পূঙ য়ৈবগা মী তরুক লেপ্পগী চৎনবী

অমা চৎনরকলি। পৈশা চঙবা চঙদবগী ৱাফম তোংঙান্না থমখ্রগা পালা ৬ লেপ্লা অসি য়েংবদা ফজদে, ঈশৈদা মপূং ফাদে, মসি সঙ্কীর্ত্তনগী মগুণ হন্থনা লৌরকপগী খুদম্নি।

## তানিংবগা য়েংনিংবা চিঙখাইনরকপা :-

নাকন অমরোমদা, ঈশৈদা তানিংবা হায়বসে য়াম্না মরু ওইবা ৱাফম অমনি। মরোল-মরি অমদি ভাব লৌশিনবা ঙমদবা ঈশৈ কনানসু তানিংবা ওইরোই। মসিগা লোয়ননা মতম অমদা ভক্তি প্রেমগা লোইননা তানরম্বা নট সঙ্কীর্ত্তন কুম্মৈ ফিওংগুম য়েংনরকপা অসিসু অচৌবা অহোংবা অমনি। মসিগী মথক্তা ভক্তি রসগী অচেৎপা লৈপুন অদু ময়েং তারক্তুনা তানিংবগা ধর্ম্মগী ওইনা চথবা অনীসিগগী মরক্তা য়াম্না কন্না চিংখায়নরকপা অমসু থোরক্লি। য়াম্না ইকাইজনিংঙাই ওইবা ৱাফম অমনা মমাংদা মৈতৈরোল শক্লদ্রিঙৈদা সংস্কৃত ব্রজবোলী শক্লরিঙৈদা ময়েক মশোন লোন্দা পুদা লান্না শক্লরম্বা অদুনি। মদু লাইরিক লাইশু হৈবা মীশিংগী অমদি মপাল লমগী মীশিংগী মমাংদা য়াম্না ইকাইনিংঙাই ওইখি। অদুবু লাইবক ফবদি মৈতৈরোল-ইমারোলনা শকপা ফংলকপা অসিনি। অদুবু মসিদসু শেংনা শক্তবা য়াওরি, মসি চুম্না শেংনা শকসি।

## ৱরোইশিন :-

অসুম্না মতম মতমগী ওইনা লাকখিবা চৎনরোল-ৱাখল্লোন্না অমদি মীওইবগী অপাম্বনা মণিপুরী নট সঙ্কীর্ত্তনগী মশক মওং লেপ্তুনা শেম্লক্লি, লেপ্তুনা অদুমক শেমখিগনি। মতম মতমগী অহোংবা কয়া অমা লাক্লবসু, লৈরবসু নুপীগী নট সঙ্কীর্ত্তন ঙসিদি মপূং মরৈ ফাবা মণিপুরবু মপাল লমদা মশক তাক্লিবা লমদমসিগী লৈহাওগী কলাগী মমল নাইদ্রবা পোথোক অমদি ওইবা ঙল্লে। অদুম ওইনমক অহোংবা নাইবা পুন্সিগী ঈচেলদা, মীওইবা খুন্নাই লৈরিবমখৈ মণিপুরী নট সঙ্কীর্ত্তনগী ঈচেলসু অহোংবা কয়া লাক্লবসু অদুমক চেন্থরি অমদি চেন্থখিগনি।

**মতেং লৌজখিবা লাইরিকশিং :-**


১) লাইরেনময়ুম ইবুংঙোহল সিংহ অমসুং নিংথৌখোংজম খেলচন্দ্র সিংহ : চৈথারোল কুম্বাবা (ইম্ফাল-২০০৫)

২) লাইশ্রম মঙ্গি সিংহ : মণিপুর দেবালয় গ্রন্থ (১৯৬৯)

৩) কোঞ্জেংবম ধোনো সিংহ : মৈতৈ পুয়া ৱারী মচৎ (১৯৭৪)

৪) ফুরাইলাৎপম ইবোতোন শর্ম্মা : মৈতৈ ফিজেৎ লৈতেং (১৯৯০)

৫) ওয়নাম গোকুলচান্দ সিংহ্ : বৈষ্ণব ইতিহাস (১৯৪৫)

৬) সুরচান্দ শর্ম্মা : মৈতৈ জগোয় ২ শুবা শরুক (১৯৬৫)

৭) রা:কু: সনাহল সিংহ : বি. কম. বীর টিকেন্দ্রজিৎ সিংহ (১৯৭৩)

# থাগৎচবা

"বাসক" হায়রিবা, মমাঙ অহল-লমনশিংনা তম্বী-তাকপীরম্বদু অইবগী মওঙ-মতৌদা ওন্থোকপনি, মসিদা য়াওরিবশিংসি অহল-লমনশিংদুগী মপোৎ-মরল ঙাক্তনি, লাইবক ফবদগী ননাইনা সেবা ফংজরুবগী ৱাফমনি। অদুগুম্বা অহল-লমনশিংদুবু থাগৎচরি অমসুং মখোয়গী আত্মাশিংদুবু শ্রীগোবিন্দ অমসুং শ্রীমতী রাসেশ্বরী অনিনা শ্রীচরণদা থন্বীদুনা শান্তি পীবীনবগীদমক্তা কোটী প্রার্থনা তৌজরি।

লাইরিক অসিবু পুথোক্লবা হোৎনবদা অথোইবা থৌদাং লৌবীখিবা, লোন-লীগী অচুম্বা মওঙদা থম্লবা থায়নগী মমাঙগী অমদি ঙসিগী লোনশিংগী প্রস্থা চুম্লবা হোৎনবীখিবা ঐগী ঈপ্পা নোংথোনবম শ্রীকুঞ্জমোহন সিংহ, সাং উরীপোক্তা লৈববু মহাক্কী লমন তোনশিঞ্জরবী মচে ঐনা ঈকাইখুম্নবা উৎপগা লোইননা থাগৎচরি।

অহল-লম্মনশিংগী ঈশৈ ময়েকশিংসিবু চেবাং তাহন্নবগী লমদাংদা মথং মনাউ কায়খিগনি, মথক-মখা ওন্নাখিগনি হায়বনচিংবদা মচে ঐগীদমক্তা মতোমতা মিপাইজবগা লোইননা খোর্জে পায়দুনা চিন্তাগা তৌদুনা শৈরেংশিংসি ফিবম, মতৌনচিংবদা শেম-শাবদা পুক্নীঙ লুপখিবী ঐগী ঈনাউনুপী য়ুমলেম্বম নিংঙোল কুমারী রঞ্জনা দেবী ঈশৈগী ঈরেমখাক্লি হায়দুনসু মহাক্কী মহে-মশিঙবু ঈকাই খুম্নবা উৎচরি অমসুং মহাক্লা তৌখিবশিংদুগীদমক্তা থাগৎচরি।

লাইরিকসিবু লাইরিক ওইহন্নবা মাঙগী অহনশিংগী লীক্লম-লীখুন্নাচিংবদা করি লৈরিবগে, মফম, মতম তাঞ্জা-মেঞ্জাগা চান-চুনদবা করি য়াওরিবগে হায়বগী মিৎয়েং থমদুনা অৱাবা শরুক লৌবীখিবা, প্রেসকী চেন্থোক-চেনশিন, প্রুফ পাথোক-পাশিন্নচিংবদসু শরুক য়াবীখিবা ঐগী ঈপ্পা বি. কুলচন্দ্র শর্ম্মা ব্রহ্মপুর, থাঙ্গপাৎ মপাল, ইম্ফালদা লৈববু ঈকাই খুম্ননা থাগৎচরি।

লাইরিকসিবু শ্রীগোবিন্দ-ভক্তিগীদমক্তা পুথোক্তবা য়াদে, ছাপা তৌরবা ওইনা ওন্থোক্তবা য়াদে, হায়বগী ৱাখল লোনগা লোইননা ধম্মনীতি, সমাজনীতি অমসুং শ্রীরাধা-কৃষ্ণগী ভক্তি-নীতীশিং চেকশিন্না য়েংবীদুনা লাইরিক পুথোক্লবগী পোরম য়াৎপীবা, প্রেসকী অশোয়-অঙামগী থৌদাং চাওনা লৌবীখিবা ঐগী ঈপ্পা রাজকুমার দুষরীগোপাল সিংহ, সাং কৈশামথোং তোপ লৈরক্তা লৈববুসু তৌবীমলগী লমন তোনশিঞ্জবগা লোইননা হন্না হন্না থাগৎচরি।

লাইরিক অসি সম্পাদন তৌবদা মণিপুরিদা হন্দোকনবগী হেন্না মপুং ফাবা মওংদা পুথোক্লবগী থৌনা হাপ্পীরকখিবা শ্রী দিলিপ ময়েংবম, ডাইরেক্টর, JNMDA ইম্ফালদা লৈবনা মশাগী অচিনবা মতম কয়া কায়থোক্তুনা থৌদাং লৌবিখিবগীদমক ঐহাক্লা ঈকায় খুম্নবগা লোইননা হন্না হন্না তৌবিমল খঙবা উৎচরি।

লোইননা বাসক লাইরিক অসিগী পুংলোন তালগী মতাংদা অৱাৎপা অশোয়বা য়াওদনবা মিৎয়েং থন্বীদুনা অৱাবা শরুক কয়া য়াবীখিবা শ্রী ক্ষেত্রিময়ুম কৃটি সিংহ, সাং ব্রহ্মপুর ভগ্যবতি লৈকাই, ইম্ফালদা লৈবগী মফমদা তৌবিমল খঙবা উৎচবগা লোইননা হন্না হন্না থাগৎচরি।

লাইরিক অসি নম্লবা হোৎনবদা হেক হৌবদগী পাওখোনলোই ওইনা চাওরবা থৌদাং লৌরকখিবী ইবেম্মা কুমারী নিংঙোম্বম নিঙোল রোমিলা দেবী সাং খুরাই কোংপালদা লৈববুসু হন্না হন্না থাগৎচরি লোইননা শ্রীকৃষ্ণ ভগবান্না থৌজানবিবা ওইরসনু।

অরোইবদা লাইরিক অসি নম্লবা হোৎনবদা অকক্লবা মতমগী মনুঙদা পুথোক্লবা কম্প্যুটর নম্বগী মতাঙদা কুপ্না য়েংশিনবীদুনা য়ারিবমখৈ লান্দনবা চাওরবা থৌদাং লৌবিখিবা অৱাবা থিদনা হোৎনবিখিবগীদমক ইবুংঙো শ্রীক্ষেত্রিময়ুম প্রাসনজিৎ সিংহ (বাসন) সাং য়াইস্কুল হিরুহনবা লৈকাইদা লৈবা অমসুং শ্রী সাওবাম মঙ্গি সিংহ, প্রোপ্রাইটর, মোনিকা প্রিন্টরস্, কৈশামথোং বাজার, ইম্ফালদা লৈবা ইবুংঙো অনিগী মফমদা

ঐহাক্না তৌবিমল খঙবা উৎচরি অমসুং হন্না হন্না থাগৎচবগা লোইননা শ্রীকৃষ্ণগী থৌজাল পিনবীনবা প্রর্থনা তৌজরি।

অরোয়বদা, শ্রীরাধা গোবিন্দ ইবুংঙো ঈবেম্মা অনিদা তোল্লবী মনাই ঐবু মখোয়গী কথামৃতসি পুথোকপা ঙমহনবগী থৌনা পীবীবগীদমক্তা থাগৎচবগা লোইননা ঐবু লাইরিকসি পুথোক্লবা হোৎনবদা মতেং পীবীখিবা মীওইশিংবু পুন্সি তোল্লোয়বা অফ-নুংঙাই মায়য়োক্লবা পীনবীয়ু হায়না প্রার্থনা তৌজরি।

তোল্লবী

য়াইস্কুল গম্ভিনী দেবী



## Y. Gambhini Devi : A Dossier

| | | |
|---|---|---|
| 1. Name | : | YUMLEMBAM GAMBHINI DEVI |
| 2. Date of Birth | : | 1st January, 1945 |
| 3. Father's Name | : | Late Y. Gulap Singh |
| 4. Mother's Name | : | Late Ahanthem Ningol Ibemcha Devi |
| 5. Spouse's Name | : | Late Konsam Kumar Singh @ Thopi |
| 6. Address | : | Yaiskul Police Lane, Imphal West District |
| 7. Occupation | : | A professional Nat Sankirtana/Sangeet artiste, Retired Guruhan (Senior Guru), Sutradhari, Deptt. of Ras, Jawaharlal Nehru Manipur Dance Academy (JNMDA), Imphal. |

8. **Training Undertaken :**

   a) **Nat Sangeet from the age of 5 from** (i) Shri Kh. Gulapi Singh, Sangeet Ratna and Senior Guru and Head of Dept. of Nat Sankirtana, JNMDA, (ii) Shri K. Abhiram Sharma, Padmashree and Visiting Guru, JNMDA, (iii) Shri Ng. Jogendra Singh (Joy Patra Recipient), (iv) Shri Kalachand Shastri, Padmashree.

   b) **Rasa Dance :** (i) Guru Amudon Sharma, Sangeet Natak Akademi (SNA) Awardee, (ii) Guru Maisnam Amubi Singh, SNA Awardee and Padmashree, (iii) Shri Khaidem Lokeshor Singh, SNA Awardee, (iv) Smt. Kshetri Tombi Devi, SNA Awardee, (v) Shri Ibopishak Sharma, SNA Awardee.

c) **Sutra :** (i) Smt. Lourembam Tombi Devi (ii) Smt. L. Ibeni Devi (iii) Smt. Nambol Pishak Devi (iv) Smt. Ngangom Bhanubati Devi.

d) **Gostha Leela :** (i) Smt. Narshing Ibema Devi (ii) Smt. Mangisana Shija.

e) **Monoharsai Kirtan :** (i) Shri Nongmaithem Tomba Singh, Shri Khanda Moina Dan Trained (ii) Shri Ngangom Jogendra Singh and (iii) Shri Thokchom Gopal Singh.

f) **Literature of Nat Sankirtana :** Fortunate enough to have sat under the feet of the following renowned gurus and academicians in connection with the learning of the vast realm of literature of Nat Sankirtana :

i) Sanskrit from Shri Kalachand Shastri (Padmashree)

ii) Bengali from Shri R.K. Shitaljit Singh (Renowned writer)

iii) Manipuri from Shri A. Minaketan Singh (Renowned writer)

8. **Professional Qualification :**

(a) 'Top' grade artiste, Light Hindustani Music of AIR, Imphal in Nat Sankirtana Music (Vocal).

(b) Post Graduate Diploma of 'Ras' 1st class from JNMDA, 1979.

9. **Performances given :**

(a) **In Europe :**

i. International Children Festival at London, 1979
ii. Royal Albert Hall, London, 1979
iii. Festival of India in Paris, 1985
iv. Festival of India in Canada and Erstwhile East Germany, 1986
v. Festival of India in USSR, 1987-88

(b) **In USA (1986) and Canada :**

i. Columbia College, Columbus Georgia
ii. State University of New York
iii. Colgate College, Hamilton, New York
iv. University of Nabraska, Omaha
v. University of Iowa, Cesar Falls, Iowa

vi. Kansas State University, Manhatan, Kansas
vii. University of California, Barkley, California
viii. University of Missouri, California
ix. Centre of World Music, San Diego, California
x. Whiteman College, Wala Wala, Washington
xi. Field Museum of National History, Chicago, Illinois
xii. Indo-American Forum, Memphis, Tennessee
Xiii. Indian Association of Tulsa, Oklahoma
xiv. Indian Music Society 2 EXPO'86, Vancouver Canada.

(c) **In India :**

i. A number of ***Nat Sankirtana/Sangeet renderings broadcast on AIR*** Guwahati, Kolkata, Silchar and Imphal as an approved artiste.
ii. ***North East Festival at Shantiniketan,*** Kolkata, Organised by State Kala Akademi and Sangeet Natak Akademi (2008).
iii. North East Festival, ***Octave,*** at Trivandrum Organised by Sangeet Natak Academy 2008.
iv. ***'Sana Leibak'*** Festival of Dance and Music, Mumbai, 2000.
v. ***Amirki Mela,*** Mumbai, 1985.
vi. ***Inauguration of Indira Gandhi National Centre for Arts,*** New Delhi with Manipuri Nat Sankirtana in 1985.
vii. ***Solo Performances*** in Delhi, Lucknow and Rajasthan, 1960.
viii. ***Festival of Manipuri Dance and Nat Sankirtana*** in Delhi and other cities of India.
ix. ***Group Performances*** of ***Khubak Eshei, Gostha Leela and Ras Leela*** at Jagannath Kshetra, Bhubaneshwar, Chennai, Kanyakumari, Pondichary, Tirupati, Kamakhya Mandir and Kalighat Mandir.

(d) **In Manipur :**

i. Played the role of ***Radha*** several times in the Ras Leela performed at Shri Shri Govindaji's temple from the age of 9 to 24 under the patronage of the Late Maharaja of Manipur.
ii. Played the role of ***Yasoda and Sachi in Udukhol, Gostha Leela*** and ***Goura Leela*** held in the same temple.

10. **Other Activities for the cause of Nat Sankirtana / Sangeet :**

i. ***Singing Nat Sankirtana/Sangeet*** Continuously for the last ***60 years.***

ii. Participated in ***Ras Leela*** held in the Mandap of Shri Shri Govindaji temple since the age of 9.

iii. Given numerous ***Radio Talks*** in All India Radio, Imphal.

iv. Released ***2 discs*** (1955) and ***2 audio cassettes*** of Manipuri Nat Sankirtana.

v. Presently ***imparting Nat Sankirtana/Sangeet*** to young artistes who are keen to learn this form of music from as far places as Bangladesh, Mumbai, Delhi, Kolkata, Guwahati, Agartala, Manipur Urban and Country side, ***free of cost.***

vi. ***Composed 6 songs*** for presentation of solo performances.

vii. Has been rendering ***vocal accompaniment*** to numerous solo peerformances of classical Manipuri dance.

viii. Published a Book on ***Basak Songs*** (Manipuri) 2001.

ix. ***4 (four) books*** on Basak, (Asthanayika), Nimai Sanyas, (Jogi Besh), Mathur (Ras Dashami Dasa) and Khubak Eshei.

11. **Serving as :**

a) Member of ***Selection Committee for Selection of Lecturer***, Rabindar Bharati University, Kolkata.

b) Member of ***Central Dance Audition Board of Doordarshan,*** New Delhi.

c) President, YGR, Nat Sankirtan Sheidam Shang.

d) Member of ***Selection Committee of Scholarship to Young Artistes*** in different cultural fields, Department of Culture, New Delhi.

e) Member of Selection Committee of Scholarship to young Artistes, ***Centre for Cultural Research and Training,*** New Delhi.

f) Executive member of committee on Celebration of 200th Death Anniversary of Rajarshi Bhagyachandra.

g) ***External Invigilator,*** Manipur University, since the inception of the Department of Rasa in 2005.

h) ***Visiting Guru*** for the Post Graduate Course and ***External Invigilator*** of Jawaharlal Nehru Manipur Dance Academy.

12. **Awards :**

a) Awarded Padmashree by the President of India in 2005.

b) ***Sangeet Jyoti*** Award from North East Foundation for Cultural and Socio-Economic Development, Guwahati, 2005.

c) ***Nat Sangeet Award,*** Sangeet Natak Akademi, New Delhi 1988.

d) ***Senior Fellowship*** of the Department of Culture, Ministry of Human Resource Development, New Delhi 1998.

e) ***Nat Sangeet Award*** of Manipur State Kala Akademi, 1980.

f) ***3 (three) Gold Medals*** of Khubak Eeshei (A form Nat Sankirtana).

g) ***13 (thirteen) Silver Medals*** for presenting Nat Sankirtana in different parts of India.

h) ***4 (four) Gold Medals*** for presenting Basak (A form of Nat Sankirtana) from Tripura, Silchar, Guwahati and Bangladesh.

i) ***Nritya Ratna*** Award in Manipuri Dance of Manipuri Sahitya Parishad, 1979.

**P.S. Bio-Data already published in :**

(a) The Directory of Indian Women Today 1976, published by the Indian International Publication.

(b) Famous India Nation's Who's and Who, 1978.

(c) Reference Asia 1989 5th Edition, published by the Refacimento International.

* * * * * * * * * *

# রাগ

# তুরি

## মঙ্গলাচরণ

বন্দে শ্রীকৃষ্ণ চৈতন্য নিত্যানন্দৌ সহোদিতৌ।
গৌড়োদয়ে পুষ্পবন্তো চিত্রৌ শন্দৌ তমোনুদৌ॥
মহোদয়ান্ মহাভাগবতান্ বিষ্ণু স্বরূপিনঃ।
মহা মহাস্বিনো বন্দে দয়ালুন্ প্রেমদায়কান্॥

## মঙ্গলাচরণ

বন্দেহহম্ শ্রীগুরোঃ শ্রীযুতপদকমলম্ শ্রীগুরুন্ বৈষ্ণবাংশ্চ।
শ্রীরূপং সাগ্রজাতং সহগণরঘুনাথাম্বিতং তং সজীবম্॥
সাদ্বৈতং সাবধুতং পরিজন সহিতং শ্রীকৃষ্ণ চৈতন্যদেবম্।
শ্রীরাধাকৃষ্ণপাদান্ সহগণললিতা শ্রীবিশাখাম্বিতাংশ্চ॥

## শ্রীশ্রীগৌরচন্দ্রায় নমঃ

আচার্য্যং নৌমি দেব, সকরুণ করুণং কৃষ্ণ তত্ত্বাঙ্কচিত।
শ্রীচৈতন্যং প্রভুতং নিজজন সহিতং রামরূপঞ্চ দেবং॥
শ্রীরাধাকৃষ্ণচন্দ্র নিখিল সহচরীং বৈষ্ণবাংস্তত্ত্ববেদান।
কারুন্যৈনৈব তেষাং প্রভবতু খলু মে সাম্প্রতংকৃতসিদ্ধি॥

## শ্রীগুরু বন্দনা

বন্দে তংজগদানন্দং গুরুং চৈতন্যদায়কং –
গীতবেদার্থবিস্তারে প্রবৃত্তো যৎ কৃপা শয়গুরোঃ ।
প্রকাশকং শ্রীলকৃষ্ণাখ্যং সর্ব্বাসিদ্ধিদং
প্রসাদপদসংযুক্তং বন্দেহং করুণার্নবং ।।

## শ্রীগুরু বন্দনা

রাধা কৃষ্ণ প্রণয় বিকৃতিহ্লাদিনী শক্তিরস্মা ।
দেকাত্মানাবপি ভুবি পুরা দেহভেদং গতৌ তৌ ।
চৈতন্যাখ্যং প্রকট মধুনা তদ্দ্বয়ং চৈক্যমাপ্তং ।
রাধা ভাবদ্যুতি সুবলিতং নৌমি কৃষ্ণস্বরূপম্ ।।

## শ্রীগুরু বন্দনা

আজানুলম্বিতভুজৌ কণকবদাতৌ ।
সঙ্কীর্তনৈর্কপিতরৌ কমলায়তাক্ষৌ ।।
বিশম্ভরৌ দ্বিজবরৌ যুগধর্ম্মাপালৌ ।
বন্দে জগৎপ্রিয়করৌ করুণাবতারৌ ।।

## শ্রীগুরু বন্দনা

জয়তি জয়তি দেবো দেবকীনন্দ নহসৌঃ
জয়তি জয়তি কৃষ্ণ বৃষ্ণি বংশ প্রদীপঃ।
জয়তি জয়তি মেঘশ্যামলঃ কোমলাঙ্গো ।
জয়তি জয়তি পৃথীভারনাশো মুকুন্দঃ ॥ ০ ॥

বন্দে গুরুনীশ ভক্তনীশমী শবতারকান্
তৎপ্রকাশংচ তচছক্তি কৃষ্ণচৈতন্য সংজ্ঞকম্॥

## শ্রীগুরু বন্দনা (কৃষ্ণকর্ণামৃত শ্লোক)

চিন্তামণিজয়তি সোমগিরির্গুরুবে
শিক্ষা-গুরুশ্চ ভগবান শিখি পিচছ মৌলিঃ॥
যৎ পাদ কল্পতরু পল্লব-শেখরেষু
লীলা-স্বয়ংবর রসং লভতে জয়শ্রীঃ॥

## শ্রীপদ্ম পুরাণ গুরু বন্দনা

কৃষ্ণ মন্ত্র প্রবেশেন মায়া দেহস্য নাশাত
কৃপয়া গুরু দেবস্য দ্বিতীয়ং জন্ম কথ্যতে॥
প্রকাশানং প্রকাশয়, জ্ঞানিনাং
জ্ঞান রূপিনে শচ্চিদানন্দ রূপায়
তস্মৈ শ্রীগুরবে নমঃ॥

## শ্রীগুরু বন্দনা

খুরুমজরি শ্রীগুরুদেব কৃষ্ণমক্কা খেন্নদ্রবা
লৌশিংগী থাউমৈ ওইবিরিবা খুরুমজরি
শ্রীগুরুদেব, কৃষ্ণভক্তি লম্বী লমজিংবিবা
তাইবং লান্নবা পাম্বে ওইবিরিবা
লৌশিংগী থাউমৈ ওইবিরিবা
মল্লবা থম্মোয়বু ঙালহনবিবা
খুরুমজরি শ্রীগুরুদেব ।।

## শ্রীগুরু বন্দনা

খুরুমজরি ওঝা তোল্লবা ননাই ঐখোয়না
চঙজরি চরণদা ঐখোয়না ।
ব্রহ্মাগী মশক ওইবীরিবা
ধর্ম্মগী মশক ওইবীরিবা
ওইবীয়ুকো ঐখোয়গী লমজিং মৈরা ।
নখোয়নি ইমা ইপা ঐখোয়গী
মল্লবা তাইবং ঙালহনবীরিবা ।
লমজিংবীয়ু ঐখোয়বু
থকশি খাশিগী ফিজোল
প্রেমভক্তিগী চন্দন্না থিনবীরোগবা
চুখৎপীয়ু শেংলবা জ্ঞানগী মৈরা
চুখৎপীরো মৈরা - ৩

## বৈষ্ণব বন্দনা

খুরুমজরি বৈষ্ণব চাম্বীহৈবা
কৃষ্ণনামতবু তাবিরিবা
চাম্বীয়ু ঐখোয়না শোঞ্জরিবা
গৌর গৌবিন্দগী নাম ওইবা
খুরুমজরি শ্রীগুরুদেব
খুরুমজরি বৈষ্ণব নুংশিজবা ॥

## নবদ্বীপ বন্দনা, গুরু বন্দনা, বৈষ্ণব বন্দনা

শ্লোক – খুরুমজরি শ্রীধাম নবদ্বীপ্পু।
খুরুমজরি শ্রীচৈতন্যদেববু।
খুরুমজরি শ্রীগুরুদেববু।
খুরুমজরি বৈষ্ণবশিংবু ॥

শ্লোক – *অথাবস্থাষ্টকং সর্ব্বনায়িকানাং নিগদ্যতে*
*অথাভিসারিকা বাসকসজ্জা উৎকন্ঠিতা*
*তথা বিপ্রলব্ধা খণ্ডিতাচ কলহন্তরিতা পরা।*
*প্রোষিত প্রেয়সী প্রোক্তা তথা স্বাধীনভর্ত্তৃকা।*
*ইত্যষ্টৌনায়িকাভেদ রসতন্ত্রে প্রকীত্তিতা*
*তাসাং মধ্যে অভিসারিকাদি বিপ্রলব্ধা*
*বর্ণতে রস ক্রম তাল ভঙ্গ দোষ ক্ষমন্ত*
*বৈষ্ণব সর্ব্বে।।*

## আবাহন

**ছন্দ/ছঞ্জ :**
দিন যদি
না তরাবে

**তাল-মেনকুপ**

মমলিবসে ঙালহনবীরো
অকিবসে কোকহনবীরো ॥
পান্বোম ব্রাংনা থাঙ্গৎপীরো
পামজবা রাধা নাম পেন্না শোনবীরো - ॥
চানবীহৈবা উৎপীররো
কল্লবা য়োৎহ্লিং ককথৎপীরো
খুয়াখাদুদা চিংশিনবীরো
ঈপাকসে লান্নবা হিনাউ শাবীররো ॥
প্রেমভক্তি পীনবীরো,
পামজবা চরণদো পীনবীরো,
লাকহনবীরনু অমুক খুয়াখাদা থন্বীরো
প্রেমভক্তি পীনবীরো ॥

## আবাহন


**ছন্দ/ছঞ্জ :**
এসো দুটি ভাই :

**তাল-মেনকুপ**

লেঙশিনবীরকউ গৌরহরি
ব্রাহ্মণ শাগৈ' থাজ ওইবীবা
ব্রাহ্মণ শাগৈদা পোকপীবনি
ব্রাহ্মণ শাগৈ' থাজ ওইবীবা ॥
ভক্তশিংগী কোকথক্কী লৈতেং
বৈষ্ণবশিংগী থম্মোয়গী থানীল
জীবশিংগী থব্রায়গী থব্রায়
ব্রাহ্মণ শাগৈদা পোকপীবনি
ব্রাহ্মণ শাগৈ' থাজ ওইবীবা ॥



ঈশৈ হৌবগী ফীরেপ



আবাহনগী শক্তম




সাজল সিন্দুর সেবা



অভিসারিকা



শয্যা সাজল



উৎকন্ঠা



বিপ্রলব্ধা বিধি নিন্দা



সজ্জা উঝার



খণ্ডিতা-কৃষ্ণ লাক্রে



খণ্ডিতা-চূড়া বাঁশী কংপা



স্মরগরল কণ্ডনং মমাশিরাসি মণ্ডনং



দেহি পদপল্লবমুদারম্



মান ভিক্ষা দেহি



দুহু মিলন



বিশ্রাম কুঞ্জাদা লেংশিনবা



# আবাহন

## তাল-মেনকুপ

এসোহে গৌর লেংবিরক্লো গৌর
চান্বীয়ুকো গৌর
ঙান্বীররো গৌর
নগুণ শোঞ্জগে গৌর ॥
তাকপিখিবা ব্রাফম
শেমজরে লেংশিনফম
থোক্তে কাউবিফম
কনা লৈ চঙজফম ॥
চানবিহৈ হায়নরি
জগৎনা শোন্নরি
ফীজি ফীগাও শারি
নখোঙ থম্বাল নিজরি ॥
নিজবা হায়জবা
ননাইনা পামজবা
পীনবিয়ুগবা শ্রীচরণ নুংশিবা ॥

# আবাহন

**ছন্দ/ছঞ্জ :**

## তাল-মেনকুপ

দয়া করোহে চানবীহৈবদো উৎপীরো
ভগবান ঙানবীররো ............. ।
ভজনসু খঙজদে,
সাধনসু হৈজদে
কৎচনবা ভক্তি পীনবীয়ুবা ।
কৎচবনি থব্রায় হকচাং
শোঞ্জগে নঙগী নাম পেনবীয়ুগবা ॥

## আবাহন

### তাল-তাঞ্চপ

সূর্য্যদেবং

কুচু ঙৌরুনবা মায়থোং থাজগুন্বা
ঙানবীররোগবা নগুণ শোঞ্জগেগবা।।
করি কৎচদৌবা, করিনো পেন্দৌবা !
কৎচনবা ভক্তি পীনবীয়ুগবা ।।
চানবীহৈ হায়নবা মিংচৎনি ফাওরিবা
খঙজদে হৈজদে লৈশি-লৈথোঞ্জবা
পেনবীয়ু শকহেনবা ! ননাইনি তোল্লবা ।।

## আবাহন

**ছন্দ/ছঞ্জ :**
এসো হরি
হৃদয় মাঝে

### তাল-মেনকুপ

লেঙশীনবীরকউ হৃদিগী আসন্দা
গৌরাঙ্গ রূপতো উহনবীয়ু ।।
নখোঙ থন্বালদো হৃদিদা থল্লগা
শকচ-শোঞ্জগে নাম সঙ্কীর্ত্তন ।।
পূক্লীংনা নীংজবদি অসিতনি
মরুপ মপাং তীন্নজনীংঙি ।
অমৃতগুন্বা নঙগী নামবু
শকচ-শোঞ্জদুনা চাক্লিবা মৈচাক ঈংজগে ।।

## লোন

লেঙদ্রবা নিত্যরূপ ওইরিবা, শ্রীরাধা গোবিন্দ অনীনা জীবগী লাইনিং লন্বী উহন্নবগীদমক - প্রেম লীলা শান্নে ।। লীলাগী মতাং খুদিংদা ভক্তি মাগগী-ভজনগী লন্বী থমই। মদুবু গুরুনা জীবদা তাকপী, জীবশিংনা পোক্লগা

অরোয়বা মতমদা লক্ষ্মী অদুদা লাক্কুনা হরি ঐগী ইনাক্তা থুংলগদবা উহনগদৌবনি। অসুম্না লৈবসে তাকপীবা গুম্বা গুরু লৈত্রদুনা ইবুংঙো ইবেন্মা অনীনা অমত্তা ওইদুনা গৌরাঙ্গ ওইনা গুরু রূপ অবতার তৌখরে।

## অবতার

**ছন্দ/ছঞ্জ :** **তাল-ভাঙ্গ**

শীতল চন্দন

ঙাম্বীররে নবদ্বীপ্তা সুরধুনী গঙ্গাগী নাক্তা।
মান্নরোই মীয়ামগা, মিত্তা নাতা
খন্দুনা শেম্বনি ফজবা ঙাক্তা।

## নবদ্বীপ বর্ণন

**ছন্দ/ছঞ্জ :** **তাল-তিন তাল মচা**

জয় জয়
স্বর্ণময় :

অথোইবীনি নবদ্বীপসে,
গৌরাঙ্গগী পোক্লফম অসে ।
সুরধুনী গঙ্গা অসে
যমুনাগা মান্নেনেসে ।
লাইবকফবী ওইরিদনসে ॥

## অবতার শিরোমণি

### তিনতাল খায়বগী অলঙ্কার

গৌরাঙ্গগী শান্নফমনি,
ব্রজলীলা শন্দোকফমনি ।
কলি জীব লান্নফমনি,
বৈষ্ণবশিংগী চঙজফমনি ।
ব্রজগী কৃষ্ণদো গৌরাঙ্গসিনিদো,
রাধিকাগী মবুংঙোদো ।

ফজবদা ফাওরিবীনি,
উবদা প্রেম পোকপিনি,
করি অমুক হায়রুনি,
গুণতনা নিল্লবীনি ।
অঙকপা গুণনি,
অথোইবা শকফমনি ।
হায়নরিদো গোলোকমক্লি,
ইনরিদো পরব্রহ্মনি - ।
সপ্তদ্বীপনিসু হায়নবীনি,
হায়নৈ গুপ্ত বৃন্দাবননি - ।
প্রেম ভক্তি ফংনফম্নি,
তাইবঙ মৈশা ঈংনফম্নি - ।
ব্রজরস শন্দোকফম্নি,
কলি জীব লান্নফম্নি ।। ০ ।।

## গৌরাঙ্গ বর্ণন

**ছন্দ/ছঞ্জ :** **তাল-তাঞ্চপ অরাওবী**

কালো মুরৈনবা কুচুদো
বরণ গেলরে ঙৌরুনররেদো।।
ৰান্দেং খোইবী মপাল মচু
ওইদ্রে ওইররে রাধাগী কুচু ।।
ধোড়া চূড়া লৈতেংদরে
কদায় মুরলী পায়দরে
নন্দগী থৱায় নোংহৌ ঙস্বা
করিগীনো কপ্লরিবা ।।

মধুর রস চূপ্লীবরা
রাধাগী লমন শিংলিবরা
তুলসী পরেং (২) থোল্লি
রাধা রাধা তোয়না শোল্লি ।।

## গৌরাঙ্গ বর্ণন

**ছন্দ/ছঞ্জ :** **তাল-তাঞ্চপ অরাওবী/অরা**

আহা মরি

ফজৈদকো শ্রীগৌরাঙ্গসে
য়েংবগী পেনবা নাইদেনেসে।।
সনানা ফুদোংবসে
মঙাল পূম্বনা তিল্লেনেসে ।।
চুম্নগী সনা মচু নত্তে,
অমম্বা থম্মোয়বু ঙালহনবা মচুনি
সনানা ফুদোংবসে ।।

## গৌরাঙ্গ বর্ণন

**তাল-মেনকুপ**

অঙ্গেরি বরণ

সনানা পূমহৈনি হকচাংনি গৌরগী
মিৎফম হোংবা য়াদ্রবনি ।।
কয়াদা নিংথিজরিবনো ।
লৈগী পরেংনা থবাক্তা হাইরিবসে।।
ঙকশমদা লৈগী পরেংনা হাইবদা
জীবগী থম্মোয়সু য়াওনা হাইরি
লৈগী পরেংনা...।।

## গৌরাঙ্গ বর্ণন

**ছন্দ/ছঞ্জ :** আরে সখি কি শোভা

**তাল-তাঞ্চপ অরাওবী**

ফজৈ ফজৈ গৌরাঙ্গসে
শকফমসে... ।
চাংদম্লীংঙাই লৈরোইনেসে
সনাগী থম্বালনা তাংজেনেসে ।।
কনানা হায়নৈ গৌরাঙ্গসে
জানকীগী মবুংঙোনি
কনানা হায়নৈ গৌরাঙ্গসে
রাধিকাগী থৱায়দুনিনে ।।
ৱাদৌরি ঐখোয়না করম্না হিংদৌবা- ?
ঐখোয়গী পুন্সিসে হিংদৌবসে
খনবদা, ওইরে অৱাবা ।।
ওইরোই ওইরোই
মাগী চরণ নাক্তা পুন্সি লেঞ্জবা
ঐখোয়গী পুন্সিসে হিংদৌবসে
খনবদা ওইরে অৱাবা ।।

## লোন

শ্রীশ্রীমদ্ মহাপ্রভু, নিজ মন্দির থাদোক্তুনা শ্রীবাসগী মন্দিরদা লেঙলক্লে। মতম মতমগী লীলা কাউবা লৈতে প্রভু। শ্রীবাসগী মন্দির হেক য়ৌবদা প্রভু, হান্না লৈরম্লিবা ভক্ত বৈষ্ণব পূম্নমক্না হৌগৎতুনা পাম্বোম ৱাংনা থাঙ্গৎতুনা, ''জয় ওইরি নবদ্বীপকী প্রভু বিশ্বম্ভর, জয় ওইরি নিত্যানন্দ প্রভু, জয় ওইরি গদাধর পণ্ডিত'' হায়না মীয়াম্না লাউনৈ মতম অসিদা প্রভু সঙ্কীর্ত্তন্দা লেঙশিনখ্রে, কীর্ত্তন হৌরক্লে।

## অধিবাস

ছন্দ/ছঞ্জ : তাল-তাঞ্চপ

আজু গোরা

শ্রীবাসগী শঙ্গাইনি
সঙ্কীর্ত্তনগী হৌরক্লি
হৌরে গুসিসু অধিবাস ।।
তিল্লরে ভক্ত ময়ামসু
কোয়শিল্লে অহুম্বু হরাওনা
ঈশৈ হল্লি গৌরিদাস ।।
লৈ চন্দন কৎচরে
লৈগী পরেং থোনখরে
য়েংজে গৌরবু চিংনা চিংনা
হরি হরি শোল্লক্লে
পাম্বেম য়াংনা থাঙৎলে

## লোন

শ্রীগৌরাঙ্গ প্রভুনা সঙ্কীর্ত্তনগী ময়ায়দা ঈংলবা গন্ধ চন্দনগী মনমে, ব্রজগী প্রেম্না শ্রীঅঙ্গদা য়ৈবদা ব্রজগী ভাব হিল্লোলদা তোংদুনা জগোয় শারক্লে । জগোয় শারিবা ইবুংঙো মহাক অসিদি

ছন্দ/ছঞ্জ : তাল-তেওরা তাল

অনৌবা

জগোয়দা হৈ-শিংবা
পণ্ডিত মিংথোল ফংবা
অনীনা অমা ওইবা
মায়থোংনা থাগুম্বা ।।
মীয়াম্না কোয়শিনবা
হরি হরি শোনবা

যন্ত্র কয়া য়ৈবা
হৌরে পুমনীন নিনবা।
অফাওবা পূং য়ৈবা
অদ্বৈত হঞ্জবা
প্রভু মিংথোল ফংবা
গৌরগা চান্নবা ॥
''তেন তেন তা তৎ তাং'' - হায়বা
পূংলোন লাইনা থাবা
আবাহনগা লোইনবা হৌরে
''রাগ অচৌবা''॥
খুৎলোনসু চঙলবা ;
সঞ্চার অহানবা -
''ধিন ত্রখ্র তেন তা''- না হৌবা
''তাধিন তখ্র ধেন ধিন্তাং''- না লোইবা ॥
ঈশৈগা লোয়নবা, হৌরে জগোয় শাবা,
পামজৈ পীনবীবা, তত্তনা য়াওজবা ॥
খুমজৈ ময়ামসু ''হরি'' হায়না ।।

ছন্দ/ছঞ্জ : তাল-তাঞ্চপ

অদ্বৈত অদ্বৈতনি পূংয়ৈবা
মৃদঙ্গ বায় : পূংলোন হৈবা হঞ্জবা॥
পূংলোনগা খোঙথাংগা চানহল্লি,
শৈশক ছন্দ নুংঙাইহল্লি॥
''তা-ত্রেনতা, তা-ত্রেনতা তা তা,
থেন-তা থেন-তা'', য়ৈরক্লে॥
''ধা খিৎতা ত্রক-ধন,
তা ধিন তা ধিন ধন,

থেন-তা থেন-তা''- য়ৈরক্লে।।
জগোই শারি গৌরাঙ্গনা
লৈনা-লৈনা, থেক্লা থেক্লা,
জগোই' খোঙথাং, শৈশক ছন্দ
চানা-চানা অদ্বৈতনা
''ধা খিত্তা ত্রক ধন তা ধিন তা
ধিন থেন তা তা থেনতা''- য়ৈরক্লে।।
ব্রজ প্রেম্না ঙাওরদুনা শ্রীগৌরাঙ্গ প্রভুনা
রাধা ভাবতা চঙলদুনা- ''কৃষ্ণ-কৃষ্ণ !'' কৌরক্লে ;
কৃষ্ণ ভাবতা চঙলদুনা-
''রাধা রাধা কৌরক্লে... । জগোই শারি...''
অসিগুম্বা রসবু বাসু ঘোষনা শকচরি ।।

## অধিবাস

**ছন্দ/ছঞ্জ :** বিহরত নবনাগর

**তাল-চৌতাল**

শ্রীবাসগী শঙ্গাইনিদো
সঙ্কীর্ত্তনগী হৌফমনিদো
ভক্ত ময়াম তিল্লরেদো-
ঙসিসু সঙ্কীর্ত্তন হৌদৌরেদো ।।
গৌর নিতাই ঙাম্থোইরেদো
ভক্তশিংনা কোইশিল্লেদো
চন্দন চঙজৈ থৌগনজৈদো
হরি শোন্নবনা নিন্নরেদো- ।।
ব্রজদসু শান্নখিদো
শান্নখিবশিংদো শান্নরেদো

শান্নখিবশিংসে সখিশিংদুনিদো
মমিং মশকতংদা হোংবনিদো
মখল মখল শৈশকনিদো
মখল মখলগী পূংলোননিদো
য়ৈনৈ শকনৈ নুংঙাইনৈদো
শ্রীরাস মণ্ডলগা মান্নরেদো।

**তাল-তাঞ্চপ**

নেচে (২) — গৌরসু ঙাওরে ভক্তসু ঙাওরে
বাহু তুলি — ঐখোয়সু ঙাওরে ব্রাথোক ওইবা তারে।।
গৌরনা ঙাওরি ব্রজ প্রেম
ভক্তনা ঙাওরি গৌরগী প্রেম
নাগরীনা ঙাওরি ব্রাখল মখল মখল।।

**ছন্দ/ছঞ্জ :** — **তাল-মেনকুপ (অথুবা)**

হেরো (২) — খলহৌ ইতা চান্নরবী
প্রাণ সখী — ওইহনগনুসি ব্রাখল থেনবী
লমন্না মখ্বাং কোয়রবনি
লমনসে অমুক তোলহল্লনুসি।।
লুখ্রেদকো ঐখোয় অসে
উইনবিবা চুমদেনেসে
ব্রানা লেনদৌরি ঐখোয়গী পুন্সি।।
শুমহৎ শকফমসে উহল্লেকো
মিৎসে তাংবসু নত্তেকো
হয়েংমুক মপোক্তি ফবা য়াই
হন্দকমুক মপোক সিমদি
নৌনা মাহিং কাদৌরিকো।।

# অধিবাস

## তাল-তাঞ্চপ

রাজারো নন্দিনী

নদিয়া অতিয়াদা সঙ্কীর্ত্তনগী
নোংমংলে পূং করতালগী খোঞ্জেলনা
খাক্লা লাউনা নোংখোংলে - ।
হরি হরি শোল্লকপনা তারি
বজ্র তত্তনা, গৌরগী ভক্তগী
মিংকী পিনা চুরি নোংখোং ফুইনা- ।।

**ছন্দ/ছঞ্জ :** **তাল-তাঞ্চপ**

মৃদঙ্গ বায়

অদ্বৈতগী পূংলোন পূংখোন
পূক্লিং হুরি, খুৎতা চাপড়
তাঞ্জা মেঞ্জা মিহুন মাঙহন্দে
পূংলোননে ঈশৈনে পূমনিন নিনখ্রে ।।
তা ত্রখ্রে ধিন ধিন তাৎ
তেন্তা তেন্তা তা থেনতৎ
ধেন ততৎ ধেনতখিত্ত থেন -।
তাধিন ধিন তা থেন্তা খ্র খ্র
তাধিন ধেন থেন ত্রখ্র ধিন
ধিন তাৎ, য়ৈরি তাঞ্জা মেঞ্জা
খোম্বাং শুনা হরি শোন্না,
জগোই শাথেক নুংশিহল্লি
ঙাওমিন্নরি কপমিন্নরি
ৱাখন্দা লোইনা তাউনরি
গৌরনা ব্রজ রসতা তাউরি

ভক্তনা গৌরগী প্রেমদা তাউরি
সঙ্কীর্ত্তনদা নুংঙাইনরি,
ননাই শৈরেংবসু য়াওজরি ॥
অসিগুম্বা রসবু বাসু ঘোষনা শকচরি ॥

## লোন

মমাঙঙৈ কেশরকুঞ্জদা শ্রীমতী ইবেম্মনা শয্যা শেমদুনা শ্রীকৃষ্ণ লেঙলক্কনি হায়না ঙাইরগা লেঙলক্তদুনা শ্রীমতী ইবেম্মনা শাউদুনা শয্যা চায়খায়রগা "মান বেদী" দা মান তৌদুনা লৈখ্রবদা শ্রীকৃষ্ণনা চন্দ্রাবলী কুঞ্জদগী নোংঙাল্লমদাইদা লেঙলক্কুনা শ্রীরাধাকৃষ্ণ অনীনা শান্নখিবা খণ্ডিতাগী রস অদু হরি সঙ্কীর্ত্তনগী ময়ায়দা শ্রীগৌরাঙ্গনা নীংশিঙলক্কুনা ভাবাবেশ ওইখরে॥ অসিগুম্বা রসবু রায় শেখরনা শকচরি ॥

বাসক সজ্জাগী রস অসি শ্রীকৃষ্ণগী সঙ্কেতদগী থোকখিবা রসনি। রসগী মনুংদা বিপ্রলম্ভনা ঈথক্কী মতৌ ওইদুনা মধুরদগী মধুর মধুর ওইবা ভক্ত বৈষ্ণবনা আস্বাদনদা পেনবীবা রসনি। অদুগুম্বা শ্রীকৃষ্ণগী সঙ্কেত অদুদি ঃ-

## সঙ্কেত

**ছন্দ/ছঞ্জ :** **তাল-মেনকুপ**

প্রভাতে ললিতাগা অয়ুক্তা রাধারাণী ইবেম্মা
ললিতাসঙ্গে লেঙঙি নন্দ-শঙ্গায় তান্না
শ্রীরাধিকা ৱালহৌরুগে হায়দুনা ॥
শঙ্গোম শুল্লম্মী ষণবীশিং
মচা গোপালদো,
যশোদাগী তুংদা লেপ্

সঙ্কেত তৌখি রাধাদা,
শঙ্গোম খর থক্কেনে,
চৎকদগে করম্না
হাউনা হাউনা থক্কেনে॥

## লোন

| | |
|---|---|
| ইহাতে বুঝা যায়রে | মসিনা খঙহনবদি অসিনি-ইমা, ইমা! শঙ্গোম খর পুরকউ ঐঙোন্দা। ঐহাক করম চৎকনি, হায়বদি শঙ্গোম থকত্রবদি করম্না চৎকনি ব্রাহৈগী ছল, তাৎ তৌদুনা হায়বনি-করম্না চৎকনি? থুম্না থুম্না থক্কেনে, হায়বদি পীথকউ, হায়বনি। মসি হায়দুনা মমাবু কোয়না কোয়না হায়॥ |

| **ছন্দ/ছঞ্জ :** | **তাল-তাঞ্চপ** |
|---|---|
| দুগ্ধ কুছু খাওঙ্গী | শঙ্গোম খর থক্কেনে<br>ঐদো করম চৎকনি<br>..................<br>ঐদো কেশর চৎকেনে।<br>অর্থ য়াওদবা ব্রাহৈনা মনুংদা অর্থ ফুল্লগা<br>সঙ্কেত তৌখিবনিদা<br>শিবরাম দাসনা হায়জৈয়ে<br>কানু খুয়া তম্না য়েং -<br>কাউগনুকো ভানুগীদি মমোম্লোই॥ |

## সঙ্কেত

**ছন্দ/ছঞ্জ :** **তাল-মেনকুপ**

একদিন বর

নোংমদিনে কানুদো নাগর বর মহাক্তো
ঙাম্ভোইরম্মী কদম মখোঙদা ॥
বৃষভানু মমোল্লোই সখীশিংগা লোয়ননা
চৎলি যমুনা তম্নদা
নুমিৎ য়াচঙলবা মতমদা ।
রসিকশেখর হৈশিংবা নাগর
থুংলখিদো লম্বী অদোমদা ।
মকোক মশম পায়দুনা ৱাঙাঙবগী মতৌদা
তৌরমখিদো ইঙ্গিৎতি ।
ষণবী ষপ্পাও হোইদুনা অঙাংশিংগা লোয়ননা
চৎখি ব্রজ তম্নদি ।
লাইজ থন্না হাপ্ল পুন্ সখীশিংগা লোয়ননা
রাইদো থুংলে য়ুময়ায়দা ।
হায়জে চণ্ডীদাসনা বাশুলিগী য়াথংনা
তাওনে নিংথৌগী মমোম-ও
নতুং ইনবা মহাক্কীদি ঈঙ্গিৎতো
থাদোক্কনু থম্মোয়না ॥

## লোন

শ্রীমতী ইবেম্মনা সখীশিংগা লোয়নদুনা যমুনাদা ঈশিং শোকপা লাকপদা শ্রীকৃষ্ণসু ষণগারকপদগী ময়াম্বুং বলরাম অমসুং সখাশিংগা লোয়নদুনা লম্বী অদুদা কদম মখোঙদা লৈরম্মী । ময়াম্বুং বলরাম য়াওবা মরম্না ফোংনা ঙাংবা য়াবা মতাং থোক্তদুনা মকোক্তা নান্দুনা সঙ্কেত তৌরম্লগা ব্রজরোমদা ষণবী-ষপ্পাউ হোইদুনা লেঙখরে ।

শ্রীমতী ইবেম্মসু সখীশিংগা লোয়নদুনা যমুনাদগী ঈশিং শোক্লুবা হল্লক্তুনা শঙ্গাই য়ৌরক্লে। কৃষ্ণনা তৌরকপা সঙ্কেত অদুগী ৱাখলতা তৌদুনা লৈখরে।

**ছন্দ/ছঞ্জ :** **তাল-মেনকুপ(অথুবা)**

ভাবে বসি: ফল্লি ৱাখলদা প্রাণ বন্ধুগী - ।
উংখরে ৱাখলদা প্রাণ বন্ধুগী - ।

## লোন

অসোমদা - সন্ধ্যা মতুংনি, নন্দগী শঙ্গাইনি, মীয়ামগা লোয়ননা ৱাতানৈ। বলরাম-কৃষ্ণনা নন্দগা লোইননা মীয়ামগী মরক্তা নুংঙাইনৈ। মীয়াম হন্নখ্রে, কৃষ্ণ লেঙশিনখ্রে।

অসোমদা ইবেম্মা রাধিকা, সন্ধ্যাগী পূজা সেবা লোইখ্রে। সঙ্কেতকী ৱাখলনা মমখ্রে। মতম অসিদা সখী নিপাল লাক্লে, ইবেম্মনা সখী য়েংদুনা হায়রকই:-

## অনুৱাগ

**ছন্দ/ছঞ্জ :** **তাল-একতাল মেনকুপ**

এথাতে
সখীর সনে:

হায়যুনে ইতা চান্নবী!
কৃষ্ণ ফংননবা লম্বী।
কৃষ্ণদো করম কাউসিগেদো
খল্লু-খল্লুরগা থম্মোয় অসে ওমচাক্লেদো।।
উজনীংঙি, উহন্দেদো
কাউজবসু ঙমজদেদো,
মীখা পোন্বী ওইরিবীনিদো
চংনবী পনসি লানসি লানঙমদেদো।।

## লোন

মিৎকুপ অমা উদবদা যুগ চামনি খঞ্জবা, রাধানা অনুরাগ ওইরে। কৃষ্ণবু উনীংবা পূক্লীংগী খোয়রাংবা, ঋারী কয়া শানরে।

## অনুরাগ

**ছন্দ/ছঞ্জ :** **তাল-তাঞ্চপ অরাওবা**

প্রিয় সজনি ইতা চান্নবী!
তোল্লি তোল্লি রাধা ঐগী মপোকসে। ২।
নোংহৌ ঙমজবা শকহেনবা
তত্তনা উজনীংবা,
পোন্দা য়োকপা পোম্বীগুম্না হিংবা।
কৃষ্ণ নীংজ-শোঞ্জবদা
তানি-উনি চিংনহনবা
তোল্লিদকো মপোক অসে॥ ২ ॥

## অনুরাগ

**তাল-তাঞ্চপ**

বাঁকা শ্যামগী শুস্কৎ শকফম
নয়ানে চায় কাউঙমদে, কাউগনি করম -।
হায়যু ইতা কাউনবা মরম -।।
খল্লি ফনা, খঙদ্রে খনফম
কাউবদদি ঙল্লোই সুকঙম -।
চৎলি ঐনা ঈশিং শোকফম
উইদো যমুনাগী শকফম্

ওইদো মাবু নীংশিংনফম,
লৈত্রে ঐগী মিৎকী থন্ফম - ।।
উরুইদো হেক কোক্কী শম,
ওইদো মাবু নিংশিংনফম - ।।
নোংহৌ নোংমং ওইবা মতম
কদোমদনো ঐগী লোৎফম - ।।

**ছন্দ/ছঞ্জ :** **তাল - মেল তাঞ্চপ**

| | |
|---|---|
| ধিক ধিক | তোল্লি তোল্লি নুপীগী মপোক |
| নারীর জনম | নুংশি হৈতে শাগৈগী চৎনবী - । |
| | কলঙ্ক পক্ত্রিবা ব্রজসিদা |
| | কলঙ্কিনী ওইরে রাধা ঐসে - ।। |

## লোন

মতৌ অসুম তৌনা ইবেন্মনা সখীশিংগা ঙাংনরিবৈঁদা জতিলা কুটিলা মমা মচানা হাইরপ হেক তাখিদুনা মমা মচানা ইবেন্মবু ঙাঙবা চৈবা অদু তাবদা সখীশিংদা শ্রীমতী ইবেন্মনা করি হায়রকই। য়েংঙুদো সখী রাধা ঐসে ওহ্মোক্লা ৱানা লৈখ্রবনিনেহৈ, সখী কৃষ্ণ হায়না খোঞ্জেল থোক্লা শোঞ্জবা ঙমদেদো, চাকখুমদা চাক থোংবদা শিঙ চোত্তুনা মৈখু থোকপা, মৈখুদুনা মিত্তা চঙদুনা পি তাবা অদুবু কৃষ্ণগীদমক কপ্লীবরা হায়না থিনা থিনা চৈবীদো।

## গীত

### তাল-তাঞ্চপ

জটিলা প্রবদতি খরশর বাক্যং
কুটিলা তর্জতি বচনম শক্যং ।
প্রিয় সখি কথয় ত্বং মদু পায়ং
দাব দহনমিব বিদহতি কায়ং- ।
শিশির দাহিতমিব সরসিজ জালং
শুষ্যতি তনুরপি কিমহক পালং ।
প্রিয় সখি কথয়সি গমনক বাদং
লোক গতাগতি বিখ্য বিষাদং ।
নাদ্য ভবতি গুরুজন শয়নং
কেন করিষ্যে কুঞ্জর গমনং
নরহরি রর্ণিত বিরহ বিলাপং
মথুরিপু মনশা প্রভু বতু জপং ।

## শ্লোক

খিক খিক পরাধীন বপু গৃহ বাসং
গণস্রতা খিকং খিক খিক ব্রজাঙ্গনা
খিক কষ্টিতা সাং জনম নিরার্থকং
খিক কষ্টতা সাং মরনৈষ্য দাস্যতাং

## লোন

ইবেম্মা রাধাবু কৃষ্ণগা নক্কুরগা অথীবা ফজদবা ওইনা হায়বীবদি ভক্ত বৈষ্ণবনা শাউরনিদা নঙবু- । যোগী ঋষিনা চৈরনিদা নঙবু ! কৃষ্ণ ইবুংঙো মাবুসু থমখোদা । থমখিসি ওক্তবী রাধা ইবেম্মবুদুম হায়খিসি- যোগী, ঋষি ভক্ত, বৈষ্ণব, ধ্রুব, নারদ সনক-সনোর্কনন্দ, প্রহ্লাদনা যাগ, যজ্ঞ, ব্রত, পূজা, অর্য্যা, যব, তপ, ধ্যান, সাধন্না ওক্তবীনি হায়রিবী রাধাগী তুং ইঞ্জগে তাঞ্জবা ঙমদ্রিনেসে । নবুক্লা চৈরসু নচিন্দদি থোকহনবীগনুদা । নঙদি ঐখোয়দগী হেনবীনি- রাধাগা য়ুমতিন্নবীনি, চামিন-তূম্মিন্নবীনি, ইবেম্মগী তুং ইন্দুনা নুংতিগী প্রেম সেবা ফংজহৌবা কুটিলা ইবেম্মা- । ধন্যনিদা, লাইবক ফৈদা নহাকসে- অদুননিকো নহাক্লা ব্রজবাসিগী মপোক ফংজরিবা, ইবেম্মবু থিনা হায়বদো নারায়ণদাস ঐনা পেঞ্জদবা ওইদা ।।

*ঈশৈ হঞ্জিনগনি*

*নরহরি বর্ণিত হঞ্জিনগনি ।।*

## লোন

ইবেম্মনা সখী য়েংদুনা হায়রকই- হে ইতা সখীশা ! রাধা ঐদি কৃষ্ণ প্রীতিতনা রাধা ঐগী পামজবনি, মরম অদুনা নখোয়না কৃষ্ণ ফংহনবীয়ু, কৃষ্ণ উহনবীয়ু, কৃষ্ণগী নাক্তা লৈহনবীয়ু, ব্রজ লৈবাক্তা কৃষ্ণ কলঙ্কিনী মিংথোল ফংবী রাধানি । সখীনা খুমজে, "অদুগীদমক কপ্পিরিবরা ? ইবেম্মা ! ৱাবীরিব্রা ইবেম্মা ! জগৎতা লৈরিবা জীব পূম্নমক্লা কৃষ্ণদা কলঙ্ক ওইজগে নীংজবদা ফংঙমদ্রবা অদুগুন্বা কৃষ্ণনি, কলঙ্ক ফংলবী ইবেম্মা, ৱাবীরিবরো ! হৌজিক কৃষ্ণগী সেবা শোয়দনমক্কী ফংলগনি, ইবুংঙো মহাক্কী কৃপানি, ইবুংঙো মহাক্কী লীলানি, করিমতা ৱাবীগনু রাধে ।" - হায়না সখীনা থেমজিনজে।।

**অলাপনা লাউথোক্কনি**

অদুগী তুংদা ইবেন্মগী অনুরাগ
জ্বালা মৈচাক, কৃষ্ণ ফংনীংবগী চাক্লিবদো, কনানা উরে!!
ভাগবতী যোগমায়া কৌবী দেবীনা উখ্রে!
হায়রিবী ইবেন্মসিদি দক্ষ যজ্ঞগীদমক্তা ওইখিবী সতীনি!!
শিবগী নাক্তা লৈরগা গৌরী
জগৎতা লৈরগা মহামায়া
ব্রজদা লৈরগা যোগমায়া
রাধাতগীনা কত্যায়িনী,
চন্দ্রাবলীগীনা ভাদ্রিকা,
চাননবদা লৈরগা অন্নপূর্ণা,
লনদা লৈরগা লক্ষ্মী,
বিদ্যাদা লৈরগা সরস্বতী,
লৈপাক্তা লৈরগনা মেদিনী,
ঈশিংদা লৈরগনা গঙ্গা,
প্রলয়দা লৈরগনা কালী,
লানফমদা লৈরগনা দুর্গা,
পঞ্চ পাণ্ডব-তা লৈরগনা দ্রৌপদী
হায়না মিংথোনবী ইবেন্মা,
মহাক্কী মহাকণ্ডাক্তা ওইরিবী যোগমায়ানা
থৌগল সেবা চণ্ডখ্রে, গুরুজন পূম্নমক শুমখ্রে।
গুরুজন পূম্নমক্না চেপখ্রবা মতুংদা
সাজন মন্দিরদা লেঙশিনখ্রে।
মণিনা থাল্লিবা, সনানা হৎলবা ফিজেত্তা খল্লে,
সখী নিপানগী মনুংদগী ইহান হান্না ললিতানা

(সনাগী) শমজেৎ পায়দুনা থৌগল হৌজৈ।
ইবেন্মগী থৌগলদা শীজিন্নরিবা শমজেৎ অসি
মখল অহুমনি, মদুদি- ১) সনাগী শমজেৎ,
২) সুধীর, ৩) ছষ্টিদাক্ষ্যনি। হায়রিবা
শমজেৎশিং অসিগী মগুণদি- সনাগী শমজেৎনা
ইবেন্মগী শম অপুনবা থোক্লনবা শমজেৎনি, অদুগা
সুধীর শমজেৎকী মগুণদি মানা হাৎলগা
কোক্কী লাইনা অমত্তা পকতে, শম মুই,
কৃংই, শম কেনদে, হৌরকই, শাংই,
মেঙই-থোৎলি - অসিনি। মসিগুম্বা
শমজেৎসিনা নীংথিনা হাৎপা পুল্লোই
লোইরগা ছষ্টিদাক্ষ্য কৌবা শমজেৎনা অমুক
হন্না শম হাৎলক্লে। কৃষ্ণ বৃত্তিদা অপনবা
লৈতনবা, মরম পূম্নমক্তা মঙ্গল ওইননবা।
হীরম পূম্নমক্তা খঙদবা লৈত্রবী সখী নিপালগী
লুচিংবী ললিতানি।

ছষ্টিদাক্ষ্য চিরুনী হায়বা শমজেৎ অসিদি মাগী মগুণ
শক্তিগী গুণদি অচুম্বনি, অশেংবা মনুংগী ব্রাদি পোৎকী
মগুণ, হীদাক্কী মগুণ, মন্ত্রগী মগুণ, তন্ত্রগী মগুণ, যজ্ঞগী
মগুণ, গুণ পূম্নমকসে শীজিন্নরিবা মী মহাক্তুনা ভক্তি,
প্রেম হায়বা পোৎশক্তুবু লৈত্রবা, য়াওদ্রবা, করিমতা
কান্নদে, মহৈ চাদে। শিদনা, চঙনা হরি ফংখিবা মীরানা
-"বিনা প্রেমসে হরি নহি মিলে"- হায়রম্মী। "প্রেম"
হায়বদি ইবেন্মা রাধানি, "প্রেমময়ী" হায়বা নামনা

সাক্ষীনি। প্রেমগী মপূ হকচাংনা ‘‘ভক্তি’’ হায়না খণ্ডনদুনা প্রেমভক্তি হায়নরিবনি ইবেম্মদি। শমজেৎকী গুণদো লানবদি নত্তে, প্রাকৃত সাধনগী সেবানি, অপ্রাকৃতগী নুংগীদি রাধাকৃষ্ণ হায়বসিদি নুমিৎকা নুংশাগা, থাগা থাবলগা, লৈগা লৈনমগা, মৈগা মৈশাগা লোইনবগুম নরলীলা ওইনা সাধক লীলা ওইবনি, হায়জে।। শমজেৎসিনা হাৎলবদি কৃষ্ণ সেবা হেক্তো ফংজৈ।

## সাজন

**ছন্দ/ছঞ্জ :** **তাল-চারিতাল**

ললিতা উল্লাস প্রাণে : ললিতানা পূক্নীং চঙনা
শমহাৎ শমজেৎ পায়রদুনা
খোয়-খোয়রবা শল্লাং
হাৎচৈ, শেমজৈ মবেম্মগী।।
কৃষ্ণ শোনবদি লেপ্লদেদো।।
ফিজেৎ লৈতেং শেম্না-শেম্না
কৃষ্ণ শোনবদি লেপ্লদেদো।
মবুংঙোবু কাউজবা লৈতেদো
ফিজেৎ লৈতেং শেম্না শেম্না।।
অহিং-নুংথিল অনিমক্তা
মবুংঙোবু কাউজবা লৈতেদো
ফিজেৎ লৈতেং শেম্না শেম্না
কৃষ্ণ শোনবদি লেপ্লদেদো।।*।।

# সাজন

**ছন্দ/ছঞ্জ :** **তাল-তাঞ্চপ**

সাজে বিনোদিনী

শানীংবদো শাসি,
শক্লীংবদো শকউসি,
শেম-শাবা লোইসি,
শমজী শম্বুল শোয়হনগনুসি ।
শেমজরে শমজীরৈ,
শোয়নবরা য়েংসি
শোয়রগা শোয়দনবা শেমসি ।।

**তাল-মেন তাঞ্চপ**

যাত্রা কালে
ধনি

শ্যাম শকহেনবী, ফিজেৎ
লৈতেং লোইজৈ
কৃষ্ণ কৃষ্ণ শোঞ্জৈ শ্রীকৃষ্ণতবু নীংজৈ
শ্রীকৃষ্ণগী নামতনা, পাঙ্গল ওইজৈ পেঞ্জৈ ।
কুমকুম চন্দন্না কৃষ্ণগী নাম লৈতেংজৈ ।
শকয়েং মিংশেন্দুনা হন্না হন্না য়েংজৈ
শ্যামবু শুক্ষৎলনি ৱাখলদা তাউজৈ।
স্বর য়েংনরে ওয়দা স্বর লৈরে
মাধব মাধব হায়না ওয়গী
খোঙ থাংবা হৌরে ।।

(অসিগী মতুংদা তাঞ্চপ নৎত্রগা মেনকুপগী পূংলোন্দা মন্দিলা থাদুনা নুপীগী চোলোম অমা হাপ্পা য়াই । লোইরকপদা অভিসার তাগনি ।)

**ছন্দ/ছঞ্জ :** নাগর বলিয়া

## তাল-মেনকুপ মপী

ফিজেৎ লৈতেং লোইরে,
ওয়দা সোর লৈরে ;
সখীশিংগা লোয়নরে,
খোঙশানবা হৌরক্লে ।।

## শ্লোক

*ইথং বিশাখায়া রাধা তস্থৌকতিক্ষণং ততঃ*
*গুরুনাম ভবন্নিদ্রা গোকুলে যোগমায়ায়া*
*সখীনাং বচনাং শ্রুতা রাধিকা হরি*
*লালসা চকার ললিতা বেশং শ্রীহরি*
*দ্রষ্ট কামতঃ মাধব মাধব ত্ত্যক্তা*
*বাম স্বরং স্বসন্ত্যপিবামপাদং*
*বিকনিক্রাম্য যাত্রাং চকার ভানুজা ।।*

## রাধা অভিসার

### তাল-তাঞ্চপ অরাওবী/অরা

চলু গজ গামিনী

চৎলু চৎসি চান্নবী । ২ ।
রাখল লন্বী লমজিংবী ।।৩।।
লমজিংবী ।।৩।। চৎশি ।
শাজৎ শাথেক লেম্বা তান্নসি
খোঙথাঙ লেম্মা ২ থাংনসি ।।
রা তান্নসি - খন্নসি ।
রারী অতৈ শাননুসি
কৃষ্ণ শোনবা কাউনুসি ।।

# রাধা অভিসার

**ছন্দ/ছঞ্জ :** **তাল-মেনকুপ**

কুঞ্জরবর কুঞ্জগী লম্বীদা লেঙলক্লে রাধিকা।
গমনি যাইরে নোম্লা নোম্লা তপ্লা তপ্লা কুঞ্জগী লম্বীদা
রাধাগী শাজৎ উবদা ইকায়দুনা লোৎলে ব্রাহোং
রাধানা থাংলিবা খোঙথাং
খম্ব্রাংচাক্লা চৎপা চেনবগুম্মী ।
নোপুর খোঞ্জেল তাবদা ইকায়জৈ কোকিল
উনা উনা পাইরি বনগী কোকিল ।।

**তাল-তাঞ্চপ**

ধনি ধনি কুঞ্জদা নীংথিবী ফজবী
অভিসারে রাধা লেঙলক্লে
শাওং শাদা মান্নরবী
হৌমিন কামিন্নরক্লবী
চান্নবী ময়াম্লা কোয়শিল্লে।।
চরণ থম্বাল উরুবদা
খোইমু শঙ্গু শঙ্গুনা
লৈহী চুপকে হায়না ঙংনা পাইরক্লে
চরণ থম্বাল ফংদ্রদুনা
খোইমু নীংঙমদবনা
খোঙ্গুল খোঙ্গুল খুদিংমক্তা চুপ্লক্লে।।
সনাগী উরীগুম ফজৈ
নোংথাঙ কুপ্লগুম্না পকচৈ
করম্না শেল্লম্বনো বিধিনা
খ্বাঙদা শিবা কিংকিনীনা

খোঙথাং খুদিং নীন্দুনা
নীংশিংহল্লি শ্রীকৃষ্ণবু তত্তনা
কাংঙা খোঙথাং ঙমজবী
চৎপদা মঙম শান্দ্রবী
কোঞ্জরক্লে সখীশিংগী লেঙবান্দা
অনন্তদাসনা হায়জৈ,
অনী পূনবা অদো পামজৈ
লেঙবীরো য়ৌবীরো কুঞ্জ বনদা।।

## রাধা অভিসার

**ছন্দ/ছঞ্জ :**
রাই গমণ

### তাল-মেনকুপ

লেঙলক্লে রাধিকা, শামুগী শাজৎনি
লেমজবী খোঙথাংনি।।
শোনজৈ শ্রীকৃষ্ণবু কাউজদ্রবীনি।।
শোঞ্জদবা ঙমজদে, কাউজবসু ঙমজদে
ৰাখল ঈপাক্তা তাউরক্লিবীনি,
শামুগী শাজৎনি, লেমজবী খোঙথাংনি।।
চৎলে মাঙদা উই ; তুমলে মঙদা উই ;
চূড়ানা লৈতেংবা, ফুয়না নোংহৌ' ঙমজবা
প্রেমভক্তিগী তুংনফম ওইবীনি,
মহাভাবনা লৈতেংলিবীনি ;
শামুগী শাজৎনি, লেমজবী খোঙথাংনি।।

**ছন্দ/ছঞ্জ :** **তাল-তাঞ্চপ**

অনৌবা

শ্রীরাধিকা নিকুঞ্জ পাংলক্লে,
চান্নবীনা কোইশিল্লে -
চান্নবীগা লোইনবীনি, কাইদা ২ খোঙথাংনি।।
ব্ৰাখল ঈপাক লানবা ঙমদে ।
খোঙথাং মপূং ফাঙমদে ।।
উজনিংবীনি তোয়না, হংবীনি, ব্ৰাজবীনি ।।
ললিতাদা কোঞ্জেদো, শানিংবা ব্ৰারী
শাজৈদো, শাজৎ শাথেক লেমজবীনি ।
শাওং শাদা ব্ৰাৎতবীনি ।
শ্যাম্বু শুক্ষৎলুসি ।

# রাধা অভিসার

## তাল-মেনকুপ

বিপিন
পথে যায়রে
ধনি

রাধিকা নিংথিবী, ব্ৰজগী অথোইবী
পূর্ণিমা ঙমজবী, ফিজেৎনা তাংজবী
তপ্পা তপ্পা লেঙলিবী।।
নাপ্পদা নাচোম, তাথরকপা পান্থোম
শাজৎকী ঈপোম, মাল্লেনে চোলোম ।।
মুনা লংলবা বেণীবু উরুবা
ব্ৰাহোংনচিংনবা অমুবা লিন্নি খল্লুবা
পাইশিন্নরুরে, বেণীনি খঙখরে -
ঈকাইরে, লোৎখরে উনা পূংবা থিখরে ।।
চরাম্লবা খোইমুশিংনা চরণ থম্বাল উরদুনা
গুণ গুণ গুণ হায়না ঙংদুনা পাইরকপা উবদা
রাধা মবুংঙো নীংশিংলে, তথক তথকলে ।।
ব্ৰাখন্দি য়ৌখরে, হকচাংদি লৈহৌরে
কল্লি ২ কৃষ্ণ প্রেম কল্লি
উরুবা খুদিংমক্ কৃষ্ণ ওইনা উহল্লি ।।

| ছন্দ/ছঞ্জ : | তাল-তাঞ্চপ অরাওবী |
| --- | --- |
| চলু গজ | চৎলি রাধা ফজবী । ২। হরি উননিংবী - । |
| | য়েংঙু চৎলি । ৩। কৃষ্ণ খন্দুনা - । |
| | ফজবা খিবিক তিনবী সনাগী লৈহাও মানবী - । |
| | ফুদোংলবা সনা মানবী, অশংবা ফীগে লৈতেংবী - । |
| | খোঙথাং কন্না থাংবা ঙমদে শ্রীকৃষ্ণ প্রেম্না - ।। |

## অভিসার

### তাল-তাঞ্চপ

| | |
| --- | --- |
| রুনু(২) ঝুনু(২) | জুরু-জুরু মুরুম-মুরুম |
| রুনু ঝুনু বাজাত | কুঞ্জ পাংনা লেঙলক্লে |
| | রাধিকাবু সখীনা কোয়শিল্লে।। |
| | তাখিনি-উখিনি, ৱাখল চিংননা (২) |
| | তপ্লপ্পা (২) খোঙথাংবীনি |
| | ৱাই চিল্লি, চিল্লি চিল্লি, |
| | ৱাখল মকা লামদে, |
| | কিবা চিংনবা মহৌশানি (রাধা) ।। |
| | শাজৎসু শেমজদ্রে, খোঙথাংসু শেমজদ্রে |
| | হম্বদে ফজবা, নুংশিবদুম হেনগৎলি |
| | অরোনবা শাজৎ, চিংনবা মীৎয়েং |
| | কৃষ্ণবু নীঙজবদা ঈকাই ঈকি লাল্লি । |
| | ফংঙমদ্রবা চরণ থম্বালবু পামজবা |
| | খোইমুনা ঙংনা ঙংনা পাইরি ।। |
| | চরণ থম্বাল পামজবা খোইমুনা |
| | গুং-গুং, গুং-গুং ঙংলি - ।। |

# অভিসার

**ছন্দ/ছঞ্জ :** **তাল-তাঞ্চপ**

রাজার লানফমগী শেম-শারবী রাধা
নন্দিনী চান্নবী লোইনবীশিংগা ॥
লাম্ছোঙ শীনবা হৈবী ললিতা
লৌশিংবী, সেনাপতি ওইরদুনা
লেঙলক্লে লম্বীদা।
পূমখঙ-খঙবী লোইনা খঙবী
বিশাখা য়াওরিদো -
শ্রীরূপ মঞ্জরীনা ওইরি সারথী
ইবেম্মা রাধানা ওইরি মহারথী॥
য়াওরি চিত্রা, চম্পকলতা,
তুঙ্গবিদ্যা, ইন্দুরেখানচিংলবী লাম্মীনা
হুমনি পানবা থাগী মওংদা কোয়শিল্লে,
ময়ায়দুদা রাধিকানা
ব্রাখলগী দোলাই তোংদুনা
লাক্লে লানফমদা।
কৃষ্ণ প্রেমনা লীরী লীরুং ওইরি,
অনুরাগগী তেঞ্জেনা
মদনগা লাম্ছেংনদৌরি।
রাধাগী থৌরাং উবদা সুরদাসনা নুংঙাইবা
ঈপাকথক্তা তাউজরি।

**ছন্দ/ছঞ্জ :** **তাল-মেনকুপ**

ব্রাখলদি য়ৌখরে হকচাংদি লৈহৌরে
কল্লি কল্লি কৃষ্ণপ্রেম, কল্লি

উরুবা খুদিংমক কৃষ্ণ ওইনা উহল্লি ।
চিংনা চিংনা য়েংই, তপ্পা (২) চৎলি
কয়া ব্রাৎলি হংই, চৎনা (২) কপলি ।

**তাল-মেনকুপ অথুবা**

কান্ত বিনে

লুরবা, লংলবা, লেল্লবা লাইবক
পকচবা পীশুম্না পীতক পীতক ॥
মিহৌবা মিৎচি মীনোক মীৎয়েং
তাঙলবা তম্ফাগুম তগুপ-তরেং॥
নৌরবা নাপদা নায়িন্দা নাচোম
কাউগনি করম্না কবিনা কলম ॥
ঙৌরবা ঙকশমদা ঙাঙ্গোয়না ঙাল্লি
থোয়রবা থবাক্তা থাখুম্না থল্লি
খোইমুনা খীরবা খংলবা খ্বাঙনি
ফজবা ফাওরিবা ফিসু ফিজেৎনি॥

**ছন্দ/ছঞ্জ :**

**তাল-মেনকুপ**

চলে রাই বিরোহিনী

লেঙলক্লে লেমজবী রাধা, ব্রাখন্দা লুপ্লে
খোঙথাংবদা পল্লে, কল্লি কৃষ্ণ প্রেমগী মৈচাক॥
প্রেমদা ঙাওরবী কৃষ্ণবু কাউদ্রিবী
কৃষ্ণ প্রেমদা লুপ্লে
কৃষ্ণ কৃষ্ণ ! শোল্লি
তপ্পা তপ্পা লেংঙক্লে ॥

(মসি ব্যাখ্যা ওইনা ঙাংবসু য়াই, শ্লোক ওইনা থিবসু য়াই অমসুং আলাপ ওইনা লাউথোকপসু য়াই)

সখী নিপানগী ময়ায়দা লেঙলিবী রাধিকা
হায়বী অসি করম্বা পোৎশক্লো, হায়জবদা
শ্রীকৃষ্ণ গত প্রাণনি, হরিমক্কী আত্মামক্লি,
কৃষ্ণগী প্রেমতনা তাদুনা তীন্দুনা শারবী
ইবেন্মনি।
মদুগী প্রমাণ সাক্ষীদি
শিব মহাদেবনা
নোংমা নিনি কৈলাশতা লেঙলক্তবা
অদুগী তুংদা কৈলাশতা হল্লকপা
পার্বতীনা হঙ্গৎলি -।
ইবুংঙো কৈদা লেঙঙুবগে ?
শিবনা তাকপীরকই -।
হেমাবতী ঐগী ইবুংঙোগী
সাধু সঙ্গ তৌরুই
ব্রহ্মাগী মনাক্তা -।
গৌরীনা হায়জরকই -।
ইমাইপেন্মা, ইমাইপেন্মা !
তাজনীঙদ্রে, তাজনীঙদ্রে
ঙাইহাক লৈরে গোপাল
ঙাইহাক লৈরে কৃষ্ণ
তাজনীঙদ্রে তাজনীঙদ্রে।
শিব ঐগী ইবুংঙোনদি নঙোন্দা
করি তৌরবগে ?
শিবদা পার্বতীনা খুমজৈ
নবুংঙোদো পাপ য়াম্মা তৌইনে।
মদুদা মহাদেবনা শাউরপ্পা
ঐগী ইবুংঙোনা তৌবা পাপ
করিনো হায়য়ু ?

পার্বতীনা হায়গনি, হায়জনি -
ব্রজগোপী পূম্নমক
ৰাতোন মতেক ১ হেক পায়বীরে
মখুন ৭ থোক্লা হুক্তোকপীরে
সন্ধ্যা মতুংদগী হেক খোংবীরে
নোংফুং ঙানবা ফাওবা
বন্দা পুথোক্তুনা শান্নবীরে।
অসিবু পাপ নৎত্রনে ইবুংঙো ?
মদু তাবদা শিবগী
শ্রীঅঙ্গ পূম্নমক থক থক নীকখ্রে
পার্বতী য়েংদুনা তাকপীরকই,
তোল্লিদা (২) নঙগুম্না অতোনবা লৈত্রে।
নঙমক্লা শ্রীভগবানবু খঙদ্রবদি
হয়েং তুংদা লাক্কদৌরিবা
যুগ যুগ খুদিংদা
ইবুংঙো ইবেম্মা অনীবু
কনানা খঙনগদৌরি,
মরম অদুনা নঙ থীনবা য়াদে
হৌজিকমক চৎলো,
সাধু সঙ্গ তৌরুরো।
নমদুনা গৌরীবু থাখ্রে।
থা মাপন সাধু সঙ্গ তৌখ্রে।
লোইরদুনা হল্লক্লে।
ইবুংঙো ইবেম্মা অনীগী গুণ খঙলদুনা
গৌরী চাবদা থকপদা
তূম্বদা হিপ্পদা, স্বর হোন্দোক হোনজিন্দা
ইবুংঙো ইবেম্মগী নাম, গুণ রূপ
নীংশিংজখ্রে, শকচখ্রে, শোঞ্জখ্রে।

অদুগী তুংদা শিবনা
গোপাল সহস্রনামসি ইরগে
নীংলক্লে, ইরক্লে,
ইহান হানবা মক্তদা
মঙ্গলাচরণ ওইনা
"রাধা কৃষ্ণ অত্মক নিতম
কৃষ্ণ রাধা অত্মক ধ্রুবম
বৃন্দাবনেশ্বরী রাধে রাধৈব্য নমঃ।
হায়না মহাদেব মক্না
য়েক্কুনা ইদুনা লৈখ্রবী ইবেন্মনি।
মরম অসিনা ইবেন্মদি
প্রেম স্বরূপিনী
রাধা স্বরূপিনী
প্রেম অবস্থ হয়ে
অন্তরে বাহিরে, কৃষ্ণ নাম জপি
মন্দ মন্দ গামিনী ।।

**ছন্দ/ছঞ্জ :** **তাল-তাঞ্চপ**

কুঞ্জর গামিনী শামুগী খোঙথাংনি নোংথাংগী মতৌনি
মতিম দামিনী তথক তথক নোংথাং কুপ্পগুম ।।
লংলবা খুজিনা থেংবদা
খুজিদা নিল্লি খোল্থাং
লাঙতক্লহল্লি থম্মোয়।
শ্যামগী চান্নবী হরাও-ঈথক হৌরবী
হাইরি নঙ্গন্দা বেণীনা।
সঙ্কেত কুঞ্জ পাংলক্লে রাধা
খোঙদোইরক্লে সখীশিংগা লোয়ননা ।।

### তাল-একতাল মেনকুপ

কানু থোরক্লে উন্নবা কানু নীলমণি
নীলমণি ইবেম্মা রাধিকা রাই কমলিনী - ।।
তথক তথকপা মিৎস্না কিথি-কিরুম মিৎয়েং
খল্লুরে তোমালবু কৃষ্ণনি- ।।

## লোল

অসুম্না কৃষ্ণপ্রেমনা ঙাওরবী ইবেম্মদো খোঙথাং চপ্ লেপ্পি মরমদি

### তাল-মেনকুপ

কৃষ্ণ প্রেম ভরে শ্বায় শ্বায় লাওইদো রাধিকা
তোমালবু উবদা মান্নখিবনা ।
তোমালগী খোই খোইবা
মুজবা মহৌশা মবুংঙো কৃষ্ণ মান্নখিবনা ।

## লোল

ইবেম্মনা কুঞ্জদা সেবাগী লেংবা মতমদা বৃন্দাবনগী পাইবা হৈবা জীব পূম্নমক্কা শংগু শংগু ইবেম্মগী থৌগল সেবাদা চৎলি মরমদি জীবগী দাই ওইরিবী ইবেম্মনি। জীব পূম্নমক্কা মাগী মাগী থম্মোয়দা ইবেম্মগী চরণদা হংগৎচৈ, হে রাধে হন্দকমুক্কী মপোক্তদি উচেক্কী জাৎতা বৃন্দাবন্দা পোকচরে নঙগী কৃপাদগী। হয়েংমুক্কী মপোক্তদি করি ওইনা পোক্কনি খঙজবা ঙমজদে। পোকউবা পোকউবা মপোক খুদিংদা বৃন্দাবন্দা পোকহনবীয়ু নিত্য লিলা য়াওহনবীয়ু।

**ছন্দ/ছঞ্জ :** **তাল-মেনকুপ**

যুগোল পদে পিনবিয়ু চরণ থম্বাল
মপোক ২ খুদিংদা।

শাগী জাৎতা পোকচবনিনা
শোঞ্জবা ঙমদ্রে ইচিনসিনা ।।

## অনৌবা সজলা ধনি চান্দবদনী

### তাল-মেনকুপ অথুবা

চান্নবী লোয়নবী, কুঞ্জ পাংলিবী,
থাবু ঙমজবী তুংয়ান ফজবী
ললিতানচিংলবী শামান্নবী
লেংমান্নবী, শাওং শাদা মান্নবী
হৈ শিংবী লেন্বী ।
কৃষ্ণ নীংবী তুংইনবী ওইননীংবী,
অৱা নুংঙাইমিন্নবী, হৌমিন কামিন্নবী,
ৱাহৈ ৱাতা হৈবী মবেম্মগী ৱাখল
পূক্লিং খঙবী ময়াম্না কোয়শিল্লিবী
পূক্লিং চেৎপা কৃষ্ণ কৃষ্ণ শোঞ্জরিবী
লেম্না লেম্না লেঙলিবী ।

## অভিসার

**ছন্দ/ছঞ্জ :**
কৃষ্ণ প্রেম ভরে

### তাল-মেনকুপ অথুবা

কেজবদা পকচবী,
মোমোন নোকপদা লেমজবী,
কোলোই মিংলেন নুংশিবী,
বৃষভানুনা পোকচবী।।
লৈথেৎ লৈতা ফজবী
মিৎতা নাতা নুংশিবী,
ওইনা চাউবী শকহেনবী,
লৌনম ঈকায়থিজবী।।

কৃষ্ণগী থৱায় ওইরিবী
কৃষ্ণগী লৈতেং ওইরিবী,
কৃষ্ণগী পূক্লিং হুরিবী
কৃষ্ণগী প্রেম লমজিংবী ।।

**তাল-তাঞ্চপ**

| | |
|---|---|
| ঐসেন | অসুম্না লেঙলক্লে রাধা, থুংলরে কুঞ্জদা।। |
| চলিয়া রাই | গোবিন্দ লেঙলকপনা হাল্লনি খন্দুনা রাধা' পূক্লিং লাংতক্লরে।। |

## লোন

অসুম্না লেঙলকপনা কুঞ্জবন য়ৌরক্লে সখী ময়ামগা, হরাও তয়াম্না নুংঙাইবগী ঈথক হেনগৎলক্লে-। সখীশিংনা মায়কৈ মরিদা খায়দোক্তুনা লৈ হেকপা হৌরক্লে।

| | |
|---|---|
| **ছন্দ/ছঞ্জ :** | **তাল-মেনকুপ** |
| মালিকা মালতী | ***জাতি জুতি মতিয়া মাধবী*** |
| লবঙ্গ কেতকী | ***মধুমতি রজনী গন্ধা ।।*** |

***মালিকা মালতী লবঙ্গ কেতকী***
***শিরিষ কুসুম লৈহাও নাগেশ্বর -।***
***প্রাণনাথকী সেবাগীদমক***
***ফীগাও (য়েন্দাই) থন্না ২ হেক্লিয়ে লৈয়াম।***

# লোন

অসুম্না লৈ হেক্করকপদা বৃন্দানা পুরিবা মায়কৈ অদোমদা লৈ অমা ইকং কংদুনা মিরাং ঙাক্তা থুদুনা হৌরম্মী। মদুবু উবদা বৃন্দানা হায়রকই "হায় ২ নঙদি কনানো ?" লৈদুনা খুমজরকই - ঐ মাধবীলতানি। তাবদা বৃন্দানা থিনা চৈবীরে নমান্নবা পূম্নমক রাধা গোবিন্দ অনীগী লীলা য়াওগদবগী চৎনখ্রে। বৃন্দাবন্দা পোক্লগা রাধা গোবিন্দ অনিগী লীলা য়াওনীংদবী, নঙক লাক্কুনা ইনগেদো হায়না থীনা চৈবীরে। মদু তাবদা মাধবীলতানা হায়জৈ ... "বৃন্দা ঐসু খঙজবনি, অদুবু ঐগী ঋতু মতম নত্তনদি শাৎচবা ঙমজদে। তাবদা বৃন্দানা খল্লি, চুম্মিনা মানা হায়রিবসি ! অদ্যা শক্তি পুথোক্কুনা বসন্ত ঋতুনা থৌগল্লে। ঈকং কংনা লৈরম্বা মাধবীলতা অদু মকা ফন্না শাৎলে, হেকপীরে -।

## ঈশৈ

মাধবীলতা, হেকপীরে ।।<br>
শ্বেত করবী, রক্ত করবী,<br>
বকুল মালিকা, কৃষ্ণচূড়ামতি<br>
শ্রীরাধা শ্যামগী প্রেম সেবাগী ।।

**ছন্দ/ছঞ্জ :** ঝুলোনা হোয়িতে

**তাল-মেনকুপ**

ফজনা শেমসি, ৱাৎতনা থমসি<br>
লোক্কুনা লৈসি, মাবু ঙকহনসি ।।<br>
কৃষ্ণ লেঙলক্লনি, মতম হৌখ্রনি ।।<br>
ঐখোয়না থীলহৌরনি, হোরেন শাউরনি ।।<br>
ৱাতানবা লোইরে, সখীগা লোয়নরে<br>
লৈ হেকপা হৌরে, কোয়না থিনরে ।।<br>
ফজ ফজবা লৈ, মচু মচুগী লৈ,<br>
লেংনবা, চীন্নবা লৈ<br>
শয্যা শেম্নবা লৈ ।।

**তাল-মেনকুপ অথুবা**

ছন্দ অনৌবা

মনমগী লৈ, মশক্কী লৈ,
কবোক্লে, পেত্রুক্লে
খোঙ্গুল-মেল্লে ॥
মোদোললৈ, কুসুমলৈ, কুন্দালৈ
নুমিৎলৈ, চীগোংলৈ, উতোংলৈ,
তখেল্লে, লৈপাক্লে, থাবল্লে।
নুঙ্গারৈ, উরীরৈ, সনারৈ, শিঙ্গারৈ
শংব্রৈ, কোম্বীরৈ, কম্বীরৈ, কবিরৈ ॥
শাত্তা শাৎপনা শয্যা শেল্লে
পোমশাৎনবনা পরেং লেংলে ॥

## লোন

হেক্লুরিবা লৈশিং অদু য়েংলগা ইবেম্মনা ললিতাদা হায়রকই, হেক্লুরিবা লৈ ময়াম অসিদা ঐনা পাম্বা লৈ অমা য়াওদরি। ঐগী ইবুংঙোগী বর্ণগা মান্নবা লৈ থীরু হায়দুনা শ্রীমতী ইবেম্মনা হায়রকপা অদু তাবদা সখীশিংনা খন্নে কৃষ্ণগী বর্ণগা মান্নবা লৈদি অপ্রাজিতা অমুবা লৈনি হায়দুনা অপ্রাজিতা অমুবা থিরুরে মফম চানা চানা হাপচিল্লে। মতৌ অসুম তৌনা শয্যা শেল্লে॥

**ছন্দ/ছঞ্জ :** **তাল-মেন তাঞ্চপ**

আজ — লৈগী শয্যা শেল্লে
কুঞ্জবনে — পূক্লীং হরাউনা ॥
মবুংঙোদা কৎননবা খন্দুনা রাধানা-
লৈ-পরেং লেংজরে
ব্রাখল খন্না খন্না
লৈশক খন্না খন্না, লৈচন চানা চানা ॥

লৈকা লৈকা খুদিং কৃষ্ণ নাম ইজনা ।
চন্দন মখল-মখল তক্ল-তক্লদুনা
শেমজবা লোইরবদা শয্যাগী নাক্তা ফমদুনা
নুংঙাইরন্বী রাধা, পূক্নীং লাংতক্লৈনা ।।

## শ্লোক ঃ

*নব কিশলয় চিত্রৈ কোমলৈ চন্দনাক্তৈ*
*পরিমল বকুলবৃন্দৈ চম্পকৈ কবিদারৈ ।*
*মলয়জ ঘনশারৈ তাম্বুলৈ পুষ্পমালৈ*
*রচয়তি রমনে সা বাসক সজ্জা প্রমোদা ।।*

## মনোরথ গীত

**তাল-তাঞ্চপ**

**ছন্দ/ছঞ্জ :**

কত কত থুংজরে পূক্লিংনা
মনোরথ পামজবা কয়াদো ।।
উপ্রজিলু তাই হায়জে কবি শেখরনা
শকচৈ শোঞ্জে হরাওনা ।।

## লোন

অসুম্না শ্রীমতী ইবেম্মনা সখীশিংগা লোয়ননা *বাসক সজ্জা* শেন্বা লোইরক্লে, মবুক্লিংদা তুলসী পত্র পায়দুনা শ্রীকৃষ্ণদা কৎচরি । শ্রীমতী ইবেম্মগী কৃষ্ণ মন্ত্রগা লোয়নরবা হৃদিগী আকর্ষণনা হেক চিংবদা ঙসাই অয়ুক্তগী ষণ শেনবা, মদুদগী কারকপদা মমা যশোদানা আরতী তৌদুনা বন্দা চৎলুবগী মচাগী করি অশোক-অপন লৈবগে মুন্না য়েংলগা খোং-খুৎ হামবিরগা ননী মাখন ইন্দুনা কব্রং মোন্দুম-মোনতেক্তা শুমদুনা তুমহনখিবা অদুগা

যশোদানা ইমুং মনুংগী থবক্তা লৈখ্রবদা ইবুংঙো মহাক্তি নীংজবগী মপূনিনা মাতা যশোদাতনবু শুল্লবদি অশিবগী পাংখক ওইনা হেক্তা তূম্বা কৃষ্ণনি, মরমদি মাতা যশোদা মহাক নত্তনা কনানসু হৌদোকপা য়ারোই তারোই। মরমদি শান্ত, দাস্য, বাৎসল্য, সখ্য, মধুর, ভজনগী সিদ্ধ ফলগী বাসল্য সিদ্ধি ওইবী যশোদানিনা কৃষ্ণবু খুদুম চন্দুনা মখাদা থমখিবননি। মদুবু ভজনগী সিদ্ধ ফল শান্ত, দাস্য, বাৎসল্য, সখ্য, মধুর, ৫ গী মনুংদা মধুরনা অহেনবা ওইবনা মধুর রস প্রেমদা চুপচরবী ইবেম্মা রাধিকাগী শয্যা শেম্বগী লিচিংনা চিংখিবনা অদু ঙসিগী শয্যা শেম্বগী লিচিংশিংদি ঙসাই অয়ুক্কী সঙ্কেত মতুং ইন্না শয্যা শেম্বা, কৎচবা ওইবনা লিচিংগী পাউখোল্লোইদি সঙ্কেত ওইদুনা চৎখিদুনা বাৎসল্য প্রেম্না শুল্লিবা কৃষ্ণবু চরণদা থৌগল তৌখরে হেক্তা শোকপদা তূম্বা কায়রে, থিন-লাকপা নত্তে, ইবেম্মগী ভজনগী গুণ।

**ব্যাখ্যা ঃ** অসোমদা নন্দালয়দা শ্রীকৃষ্ণনা করম তৌরি।

## কৃষ্ণ অভিসার

| | |
|---|---|
| **ছন্দ/ছঞ্জ :** | **তাল-মেনকুপ অথুবা** |
| ঘুম মানেনা | রাধাগী ৱাখলদা তূম্বা য়াদে।। |
| | তীংখংথক্তা হীপ্পগুম্মি শ্যামনাগর। |
| অঙ্গবেশ | শ্রীঅঙ্গদো ফিজেৎ লৈতেংলা' |
| সাজিয়া | তপ্পা তপ্পা লেঙখৎলে, |
| | তূমিন তূমিন মপান থোক্ |
| | লেঙথোকখরে কানুদো -। |

## তাল-তাঞ্চপ

বেজনা বেজনা খোংগনু, খোংগনু রুনু ঝুনু হায়দুনা
রুনু রুনু ঐগী আশা কায়গনি।
বাজেরে 'রুনু রুনু', হায়না খোংলকই
তাঞ্জা নাইনা খোঙথাংগী।

## লোন

মতৌ অসুম তৌনা শ্রীকৃষ্ণচন্দ্রদো কুঞ্জ পাংনা খোঙশাল্লকই। হরি লেঙলক্লে, মোহন লেঙলক্লে খোঙদা নূপুরনা রুনু ঝুনু হায়না খোঙ থাংলকপদা নূপুরগী রত্ননা নোংথাঙ কুপকুম্মী। হরাউ-হরাউ নাগরদো সনা ফিগে থোনজিল্লা' নীংজ' পাক্তা তাউদুনা লাকখি কেশর কুঞ্জনুং। শ্রীকৃষ্ণগী সঙ্কেত মতুং ইন্না কেশর কুঞ্জদা শ্রীমতী ইবেম্মনা শয্যা শেম্বগী পাউ অসি কুণ্ডলতা সখীনা চৎলুদুনা সুবলদা ইঙ্গিৎ তৌরুই-। পাউ অদু ফংবদা শ্রীকৃষ্ণগা সুবলগা মপূ-মনাই নাকোং চীক্লা ব্রা তানবা অদু মধুমঙ্গলনা নাশোন হেক ফংখিদুনা শ্রীকৃষ্ণগী আশা অদু থুগাইগে হায়দুনা চন্দ্রাবলীদা তনচৎ হেক চৎখিদুনা হেক ঈনশিল্লুরে, ঙসি শ্রীকৃষ্ণনা কেশর কুঞ্জদা অভিসার লেঙলক্কনি, লমখাঙদা ঙাইদুনা ফাদুনা থম্মু। অসুম হায়না মধুমঙ্গলনা ঈনশিল্লদুনা মহাক্কী খুজিন্দগী চন্দ্রাবলীনা শৈব্যা পদ্মা সখী অনীগা লোয়নদুনা শ্রীকৃষ্ণনা লেঙলকইবা লম্বী অদুদা ঙাইদুনা হেক লৈরম্লে। লীলা নৌনা শান্নবা - মতাং অসিদা কনাগুম্বা বৈষ্ণবশিংনা চিংনবা য়াই, মরমদি মধুমঙ্গলনা করি মরমগীদমক শ্রীকৃষ্ণগী আশা থুগাইরিবনো, করম্বা বৈরী ভাব লৈবগে হায়না খনবিবা য়াই-। বৈরী ভাব লৈদুনা তৌবা নত্তে। ইবুংঙো ইবেম্মা অনীগী লীলা শ্রীরাধা কৃষ্ণ অনীমক্কী প্রেম চাওখৎনবা বিধিনা-। লীলা'নৌনা শান্নবা হায়দুনা বিধিনা পুরক্তুনা উনহল্লি, খঙহৌদব'মখৈ শৈব্যাগসু উনখি॥

**ছন্দ/ছঞ্জ :** **তাল-মেনকুপ অকুঙবী**

দেখা হইল উনরেদো লমখাঙদা॥
শৈব্যা উর'শ্যাম শকহেনবা
তুদি খ্যাওবু চুংখিদা॥

কোথা যাব কদায়' লেঙগে হায়দুনা
পান্বোম অনী থাঙ্গৎলা'
কৃষ্ণগীদি মিৎমাঙদা
লম্বেল থৎনা লেপচখি॥

এই পথে নিতি লম্বেল সোমদা নিতিগী
লেঙথোক লেঙশিন তৌরিদো
নূপুর মখোল তাজেয়ে।
রাধাগবু লোয়নবা' ঐগী নীংবা থুংদবা
মতম লেনজৈ ইথন্তা
বঁধুহে থাদোক্লরোই ঙসিদি।
থম্মোয়নুংদা নহাকপু থমজরগা চেৎনদা
য়েংল' লেননি মতম পূম'।
তাওনে সখি নখোয়বো। যতন তৌনা
নবুংঙো' পুশিল্লো, কুঞ্জ তাননা।
ঙসি' অহিং অসিনা
শকহেনবীদি রাধিকা লেঞ্জসনু মতমদি
য়াওদ্রবসু নাগর॥
ৱাতাসি তাদুনা, মখুত্তবু পায়রগা
পুর' চঙখি কুঞ্জদা॥
''রাধা কির' হরিনা
থ্রক-থ্রক নীক্লা নীকচখি
পাউদমজৈনে চণ্ডীদাসনা॥

**ছন্দ/ছঞ্জ :** **তাল-তাঞ্চপ অরাওবী/আরা**

ওগো হয়েং লাক্কে ঐহাক্তো

রাধে বিনোদিনী ননীং থুংহনবীগেনে

ৱাসে তার' শাওগনু।

''চন্দ্রাবলী মবুংঙো''

হায়না খঙনৈ জগৎনা,

শন্দোক্লিবনিনে জগৎনা॥

**তাল-তাঞ্চপ অথুবা**

চিন্তা করোনা নহাক অসে ঐগীনি, ঐহাকসুনে নঙগীনি

করি' ওইনি, খৎনরে,

মীনা খঙনা খোৎননি, কৈদৌনবু নীনবগে

নীংখায়খিনি নুংশি-লাং॥

বলাইদানা থিরক্কনি শোয়দনা,

নাগর' দি শেৎ-কায়না

হায়জৈ চণ্ডীদাসনা

মহাক্লবু খঙলবদি

নঙনি লোইনা ঈকাইবা॥

## লোন

শ্রীকৃষ্ণনা নাঙ্থোকপা য়াননবা লৌনম তৌদুনা হায়রকপা অদু তাবদা চন্দ্রাবলীনা হায়জরকই - ইবুংঙো ! শ্রীমতী ইবেম্মা রাধাগীদমক য়াম্লা ৱানা খনবিরিবদো ঙসিদি কান্নররোইনে ইবুংঙো। ফংঙমদ্রবা মণি ফংলবদা হেক থাদোক্কদরনে।

**ছন্দ/ছঞ্জ :** **তাল-মেনকুপ অকুওবী**

এতেকো বলিয়া অসুম্না হায়দুনা মখূৎদাং পায়দুনা

করেতে ধরিয়া চুপচৈ মায়থোং থাজ

হৈ শিংখ্রবা ইবুংঙো জ্ঞান মাঙখরে
লাংদগী নাম্বোকপা ঙমদরে ।
সোমদনা রাধিকা ঙাইবা ঙমশিল্লক্রে
হায়রকই সখীশিং য়েংদুনা
অহিং অসি হৌখিদৌরে ইবুংঙোদি লেঙলক্রে
শৈথাজরি দ্বিজ চণ্ডীদাসনা ।

## লোন

মতৌ অসুম্না শ্রীকৃষ্ণনা চন্দ্রাবলী' কুঞ্জদা লেঙশিনখিদুনা চন্দ্রাবলীনা সেবা ফংজখ্রে । নীংজবা মপূ, নীংজবীগী নীংজবা থুংহনবীখ্রে ॥

## অসোমদা ইবেম্মা রাধিকাদি সঙ্কেতকী মতুং ইন্না

**ছন্দ/ছঞ্জ :** **তাল-তাঞ্চপ**

ভাবে ভরেরে ব্রাখল খল্লক্লে রাধা - ।।
কৃষ্ণগীদমক ব্রাখল
থোইনা খল্লক্লে রাধা - ।।
কৃষ্ণগীদমক মণ্ডল ২ খল্লক্লে - ।।
শয্যা য়েংঙি অব্রাবা ওইরে
কৃষ্ণগীদমক ... ।।
লৈ পরেং উবদা
অব্রাবা ওইরে - ।।

**তাল-মেলহৌ**

কুঞ্জে বসি কুঞ্জদা ফমদুনা কমলিনী খল্লকই মণ্ডল মণ্ডল
কমলিনী মণি মাঙখ্রবা তাংজগুম ।।
লেঙলক্লরোই ইবুংঙোদো খল্লুবদা রাধিকা

থম্মোই মৈচাক হেল্লকই ।।
মিৎস্না অনীদা ঈহৌরকই হীক্লা হীক্লা হায়জরকই
চান্নবী সখীগী মফমদা ।।

**তাল-তাঞ্চপ**

আসে বোলি
না আইলো

লেঙক্নি হায়রল্লগা লেঙকখিদ্রে
চৎখ্রবরা মাবু কনাগুম্বী অমগীদা - ।।
লম্বী লম্মুক্লদুনা কালাদো
চৎখ্রব্রা মাবু অতোপ্পা লম্বীদা - ।।
পূনশিন্দুনা থমখ্রবরা নন্দগী শঙ্গাইদা
ব্রারক চেৎপী যশোদা মমানা - ।।
ফমদুনা উপালগী উরুমদা
লৈব্রা য়েংঙুনে ইতা ললিতা - ।।

**ছন্দ/ছঞ্জ :**

**তাল-মেন তাঞ্চপ**

এলোনা

লাক্লরোই লাক্লরোই কুঞ্জসিদা
কৃষ্ণ লাক্লরোই ললিতে
শ্যাম শকহেনবদো - ।।
পঙজবনা ঐনা থাজরুই মাবু
মাগী পূকচেল ঐনা থাজরুই
লৌনম্বদা হৈনজবা কালানি - ।।
মাদি খোইমুগী, মহৌশানি
খঙঙু ইতারোই নীংজমলগী
থোইনা কান্নরোই, খঙবীরোই - ।
উরম্মনি অনৌবা লৈরাং
নীংজরুবা ঐনা লাল্লবনি
মণি মাঙখ্রবা লিনগী অৱাবা
রাধা ঐগা করি খেন্নবা - ।।

## লোন

মতাং অসিদা ইবেম্মা রাধিকাদা উৎকণ্ঠা জ্বালানা থৌগল সেবা চঙখ্রে।

**ছন্দ/ছঞ্জ :** **মেলহৌ**

কহয়ে নুংঙাইবা সুম-সুম লোইশিল্লক্লে
সুখীর ঠাই অৱাবা অসুম-অসুম হৌরক্লে
মতম্না সুম-সুম থেঙজিল্লক্লে - ।
সখীদা সুম-সুম তাকপীরক্লে,
মায়থোং সুম-সুম লাঙশিল্লক্লে - ।
শেমজরুবা শয্যা অসে
অরেম্বরা খল্লেনেসে,
হায়য়ু ইতা ঙসিসে
চিংনখ্রেদা পূক্নীং অসে ।।

## দেখ সখী গৌররূপ

### তাল-মেন অওনবা

হেদে ওগো চিংনবদো চুমগদৌরে,
লৌনম্বনি খঙহৌদরে।
অৱা'- মৈচাক খাংঙমদরে,
থম্মোয়নুংদা ওমচাক্লরে।
অহিং তাংলৌ থেংজিনখরে,
লেঙলক্কনি নীংলক্তরে ।।

প্রিয়সজনী নোংহৌ ঙমজবা, চূড়ানা লৈতেংবা,
একাকিনী ঙমজদে রাধানা কাউজবা।
অরেম্বরা ইতা ! মাবু নীংজরুবা - ।

ব্রারে, ব্রারে, ওইরে লাইবকথীবী ।।
অরেম্বরা ইতা ... ।

খলসি কল্লি, কনমল্লি, কেমহল্লি
কপহল্লি, কাউজদে করি কান্নরিবা !
কনাগুম্বীনা কাউহল্লিবরা, কল্লকই !
করম্না কাউহনবা ।।
খাঙসি খাঙঙমদ্রে, খনসি খনফম খঙদ্রে ।
খঙনরুই, খাঙলরে খায়ন-মৈবু
খল্লু ! খন্নসি, খাঙসি খায়ন-মৈচাক
খনবু খনবীরম্মোই, খোইমুনবু ।

হা-উং-সা ব্রাই ব্রাই ইতা চান্নবী
করম্না হিংগনি রাধাগী থব্রায় ॥ ২
নোংদম থীবা নোংদম্বা
রাধাবু করম শেল্লম্বা ॥ ২
ব্রাইদা ব্রাইদা ইতা ... ।

**ছন্দ/ছঞ্জ : তাল-তাঞ্চপ**

প্রিয় সখি চান্নরবী ললিতা
ললিতা অহিং অসে হৌখিদৌরে
ঐদি ওস্থোক্লা ব্রারেদা - ।।
লাইবক ফবী কনা লৈরবনো
লাইবক থিবী রাধা ঐদি
ইতোমতা মঙাইরে
অহিং অসে ... ।
নুংশি হৈতে নুপাগী জাৎসে
খোইমুগা পাংখক্লি
অনৌবা লৈরাং উরদুনা

লেংখ্রমাল্লে, পাইখ্রমাল্লে - ।
অহিং অসে ... ।

**ছন্দ/ছঞ্জ :** **তাল-তাঞ্চপ অরাওবী**

| | |
|---|---|
| আজ নিশি | ঙসি অহিং অসে |
| এই কুঞ্জে | থৱায়গী মবুংঙো লেঙঙক্ত্রে (২) ইতা - ।। |
| | শুক্লবা বন্দা ঐবু হুন্দোকপীরে |
| | থৱায়গী মবুংঙো ... । |
| | ঙসি অসে লাইবক থিবী ওইহল্লে ... |
| | শুক্লবা বন্দা ... । |

**তাল-তাঞ্চপ**

| | |
|---|---|
| রজনী | তারক্লে অহিংগী লীক্লা, করিনোনে |
| বাহিয়া গেল | ঐবু মঙলা, তাইবংলা ।। |
| | খল্লু, খন্নরসি, রাধা ঐগী ইরালমক্লা ? |
| | নৎত্রগা নুংশি হৈতে তাক্লিবা খূদল্লা, ইতা । |
| | বসন্ত, বসন্ত ! ফজৌ ফজজৌ নথন্তা ! |
| | ঐগীদি ওইদ্রে বসন্ত, ইরান্নি লৈজগে ইথন্তা - । |
| | ৱাহল্লি ৱারিঙৈ মথক্তা |
| | খল্লু-খল্লু অমুক্তং ।। |

## অনৌবা

**ছন্দ/ছঞ্জ :** **তাল-মেনকুপ**

নীংজবা আশা কায়খ্রেদো
লেংজবা পরেং (বনমালা) তৎখ্রেদো - ।
মানা লৌনম তৌরম্বদো

ঐনা থাজরুরেদো।।

শুক্লবা বনদা লাক্লেদো,

কায়না মৈরীনা চাক্লেদো,

মানা লৌনম তৌরম্বদো,

ঐনা থাজরুরেদো ।।

**তাল-মেনকুপ অথুবা**

কান্তো বিনে — পাম্মুই, পাম্মুই ! পঙমন্নসু পঙমল্লি,

পামজবা পোৎশক্লি পারিজাৎনচিংবা,

পূম্নমকসে পৎহল্লি ।।

মানা মীনম্বনা লোইনা মাঙহল্লি,

মাঙননবসে মানা শীল্লি,

মাবু থাজরুবা লাল্লি,

মতম, মিংচৎ মাঙহল্লি,

কাউমল্লি, হাকমল্লি ।।

## আজ কুঞ্জেতে বন্ধু এলোনা

**ছন্দ/ছঞ্জ :** **তাল-তাঞ্চপ**

আজ কুঞ্জেতে — ঙসি কুঞ্জদা বন্ধু লেঙক্তরে

বন্ধু এলোনা — মাগীদমক লেংবনি মালতী পরেং - ।।

কর্পূর তাম্বুল পানা

কনানা হাগনি ইতা

অসুক ফজখ্রবা পরেং

কনাগী ঙক্তা হুব্বনি ঙসি - ।।

যতন তৌনা শেমজবনি শয্যা ।

প্রাণবন্ধুনা চেপ্পবা হায়দুনা
বন বনদা চত্তুনা
হেকচরুবনি ফিগাও থন্না
শেমজবনি শয্যাসে - ।।

**বৃন্দাবন নবদ্বীপ দুই কিছু**

**তাল-তাঞ্চপ**

চিন্তাগা চিতাগা অনী অসে, ললিতা !
চিন্তাগী মৈনা কল্লিদো, ইতা ।।
চিতাগী মৈনা চাকপদি
শিরবা হকচাংবু চাকপনিদো
চিন্তাগী মৈনা চাকপদি
থৱায় হকচাং পূন্না চাকইদো ।।

**ছন্দ/ছঞ্জ :**
সুখের নিশি

**তাল-মেনকুপ**

ওইদ্রেদো ৱাখলগী শৈরেং
মতমনা হৌখ্রবনা
শুক্লবা মল্লবা অহিংনি, উমংনি,
খাঙজৈ অৱাবা, ওইরেদো অরেম্বা।।
পোকপদগী রাধা ঐসে
কৎখ্রে থৱায় মাগী শ্রীচরণদা
চানবীদ্রেদনা ওইরেদো অরেম্বা ।।
খন্নসি চান্নবী করি পাম্বিনোনে !
খঙলমদে, খঙজরে, থাজরুবনা লাল্লে ।
কনাদা তাইননি, ঐনা পঙজবননি ।

**তাল-তাঞ্চপ**

এলোনা কুঞ্জে লেংঙক্ত্রে কুঞ্জদা, লেংঙক্ত্রে, লেংঙক্ত্রে (২)
এলোনা ঙসি কুঞ্জসিদা লেংঙক্ত্রে ।।
কনাগী ঙকশমদা হুক্কনি ইতা
অসুক ফজরবা মালতী পরেং
অরেম্বদা লেংঙুরে চান্নবী ।।
নীংথিরবা শয্যাসে য়েংল-য়েংলগা
চাক্লে ঐগী থব্রায়সে ।।

**ছন্দ/ছঞ্জ :** **তাল-মেন তাঞ্চপ**

বন্ধুর লাগিয়া ইবুংঙোগীদমক্তা লেঙজবনি লৈগী পরেং
তপচবনি তাম্বুল পানা ।।
লৈতেংজবনি থাউমৈনা মন্দিরসে পূমঙান ঙান্না ।।
শ্যাম নাগরদো
মশক্লে মতৌনে লাক্ত্রি হৌজিক ফাওবা করিগীনো ।।
ইনেমসু ইনাউশিংসু
খঙহল্লমদা কনাসু লাকপনি শোংলবা উমংসিদা ।।
আশা য়াম্না চাউনা
লাকপনি খৌরাংনা উন্নগনি ইবুংঙো মাগা
লম্বী মায়কৈ য়েংনা
লৈখিনি কয়া কুইনা পূক্নীংসে কয়া ফাথখিনি ।।
রসকী থোইথোইবা
লাক্লনি হৌজিকমক বড়ু চণ্ডীদাসনা হায়জে ।

**তাল-তাঞ্চপ**

| | |
|---|---|
| বন্ধু কেনে | বন্ধু করিগী লাক্তে কুঞ্জদা ললিতে |
| কুঞ্জে এলোনা | মশুংলাংগী রাধা ঐনা উমংসিদা ঙাইরিবা ।। |
| | কল্লি কৃষ্ণী প্রেম, খল্লু খল্লুরগা |
| | পাঙ্গল শোনবী ঐগী থম্মোয় মৈচাক হেঙ্গৎহল্লি । |

# আলাপ্না লাউথোক্নুনা থীবা য়াই

শ্রীমতী ইবেম্মনা শ্রীকৃষ্ণ লেঙলক্তবগী বিরহগী অনুতাপ মৈশা লাংদুনা লৈরিঙৈ অদুদা কোকিল অমনা হৈনৌ মশাদা তোংদুনা ময়াদা হৈনৌ মপাল খৌবুম থন্না উল্লে হায়রগা নুংশিরবা সুরনা কুহু কুহু হায়না খোংলকপা অদু হেক তারুরে। কোকিলগী সুর অদুবু শ্রীমতী ইবেম্মনা করি খল্লুই, শ্রীকৃষ্ণগী বাঁশীগী সুর ওইনা হেক খল্লুরে। ইবেম্মনা সখীশিংদা হায়রকই, তাও ইতাশা, কৃষ্ণনা বাঁশী খোংলিবা অসি কদায়দা লৈদুনা খোংলিবনো ? করম্বা কুঞ্জদা লৈদুনা খোংলিবনো ? অসুম হায়না শ্রীমতী ইবেম্মনা হায়রকপা অদুদা সখীনা খুল্লকই ঃ-

করি ব্রানো ইবেম্মা কদায়দগী কৃষ্ণগী বাঁশী খোংবা ওইগদগে খোংলিবা অসিদি কোকিলনিনে রাধে। কোকিলনা খোংবনি হায়রকপা অদু তাবদা শ্রীমতী ইবেম্মনা কোকিলনা খোংলিবা মায়কৈ অদোমদা য়েংলগা করি হায়রকইঃ-

**ছন্দ/ছঞ্জ :** **তাল-মেনকুপ**

| | |
|---|---|
| শুনো(২) দুষ্ট | খোংলরনু ফৎত্রবা কোকিল |
| কোকিল | মৈচাক অমুক হাপ্পরনু |
| | তাবদা থম্মোয়সে কায়খিদৌরে ।। |
| | নঙগী খোঞ্জেল নুংশিরবা |
| | তাশোন ওইরে রাধাদনি ।। |

তাবদা ...।

হন্না হন্না খোংলরনু

পৃঙমদ্রে রাধাগী থৱায়সে

পান্বে অমা লৈতরে

থৱায়সে থাবা নত্তনদি ।।

২) খোংলরনু খঙলে কোকিল

কাইনা মৈশা লাঙহল্লনু

তাবদা থম্মোয়সে কায়খিদৌরে ।। ২।।

নঙগী মিরবা খোঞ্জেলনা

কৌরিবোই নীংইনে শ্যামগী বাঁশীনা

ৱাজবী রাধাবু থোইনা ৱাহল্লি

তাবদা থম্মোয়সে কায়খিদৌরে।

নুংশি হৈতে কোকিল নঙসে

রাধানা ৱারগা নুংঙাইরিবোইদো

চেক্লা ওইবা মহৌশানি

চেক্লা ওইনা পোকচবনিনা ।।

**ছন্দ/ছঞ্জ :** **তাল-মেনকুপ**

আশা কেনে চিংনহল্লি করিগী ঐবু

কর শঙ্কা কৃষ্ণ ফংবগী আশাদা

য়েক্লবা ওইরে নঙসে ঐগী

খোংলরি করিগী কুহু হায়না মফমসিদা ।।

## লোন

কোকিলগী নুংশিরবা সুর অদু ইবেম্মদা বজ্র ওইনা থোকখরে। কোকিলনা খোংবা ৱাহোংনা কে-কা হায়না খোংবা, খোইমুনা ঙংবা, শরতকী পূর্ণিমা অদুগা মলয়াগী নামিবা নুংশিৎ হায়রিবা মঙা অসিদি শ্রীরাধা গোবিন্দ অনীনা

যুগল ওইদুনা লৈরিঙৈদদি অনীমক্কী প্রেম চাউখৎনবগী মশক্কি অদুগা বিচ্ছেদ ওইদুনা লৈবা মতমদদি য়েক্লবগী মশক ওইনা থোকই। অসুম হায়না শাস্ত্রনা হায়রি।

শ্রীকৃষ্ণগা বিচ্ছেদ ওইদুনা লৈরিঙৈ অদুদা কোকিল খোংলকপা অদু শ্রীমতী ইবেম্মদা বজ্র ওইনা থোকখ্রে।

| | |
|---|---|
| **ছন্দ/ছঞ্জ :** | **তাল-তাঞ্চপ** |
| জ্বলাই জ্বলাই | চাক্লে চাক্লে ঐসে |
| জ্বলে | কোকিলনসু হাপলিনে মৈচাক -। |
| | খঙলিরোইদো চেক্লানিনা |
| | খোংলি কুহু কুহু হায়না |
| | তাশোন ওইরি থম্মোয় নুংদদি -।। |
| | খোংলো কোকিল তোয়না (২) |
| | বাঁশী খোঞ্জেল মান্না (২) |
| | হাপ্লো মৈরী মৈচাক কলহল্লো -।। |

# লোন

অসুম্না শ্রীমতী রাধিকানা লেংলকপরা হন্না হন্না য়েংজৈ। অদুবু লেংলকপদি লৈত্রে, রাধিকাগী অৱাবা সুম সুম হেনগৎলক্লে, সখীশিং য়েংদুনা অসুম্না হায়রকই -।

| | |
|---|---|
| | **তাল-তাঞ্চপ** |
| অনৌবা | তাও তাও ইতাশা |
| | খোংলিবা খোঞ্জেলসে |
| | বাঁশী নত্তরা -। |
| | নত্তবরনে কোকিল মাগী খোঞ্জেল |
| | মাগী নুংশিবরা, কুহু কুহু |
| | হায়বা খোঞ্জেলনা হেলহল্লি।। |

## শ্লোক

চান্নরবী ইতা ললিতা
চৎখ্রো নখোয়, চৎখ্রো (২)
নখোয়, নয়ুম নয়ুমদা হন্নখ্রো -॥
রাধা ঐদি শিবনা করিনো
হিংবনা করিনো
যমুনাগী ঈশিংদা থাজরগে থব্রায়সে ॥

**ছন্দ/ ছঞ্জ** — **তাল-মেনকুপ অথুবা**

রাধে গোবিন্দ

কোকিল নঙদি কোয়না পায়বা ঙস্বনিনা
কৃষ্ণগী নাক্তা পায়খরো রাধাগী পাউবু
তম্বীরুকো ॥
লাইবকথিবী রাধাদি
মশা কল্পবা উচেক্কুম
চোংনা (২) খাঙদুনা লৈহৌরি তম্বীরুকো ॥

**ছন্দ/ছঞ্জ :** — **তাল-তাঞ্চপ**

হেরোগো
ললিতে কুঞ্জের
বাহিরে

য়েংঙুনে ললিতা
কুঞ্জগী মপান্দা প্রাণনাথদো অমুক্তদি - ।।
অহিং চূপ্পা তূমদনা
ঙাইজবনি মহাকপু
অরেম্বা তারেদো
শেমজরুবা লৈগী শয্যা - ।।
হনখ্রো নখোয় পূম্নমক
হল্লরোই ঐদি হল্লরোই - ।।

কদমগী মশাদা তোংলি
ঙানুথঙ্গোং লাব-অমোম্না
বকুলগী মশাদা তোংলি
কোকিল লাব-অমোম্না -।।

**তাল-তাঞ্চপ অরাওবী**

| | |
|---|---|
| হায় প্রিয় | হা ইতা চান্নবী কুঞ্জসিদা ইথন্তা হুন্দোকপীরে -।। |
| সজনী কুঞ্জের | য়েক্লবা ওইররেনেসে কোকিলগী কুহু খোঞ্জেল অসে |
| মাঝে | তাশোন ওইরে রাধাগী থম্মোয়দা -।। |
| | লাইবকথীবী ঐদি মীগী মীনোক চঙলবীনি |
| | ঐসে শ্রীকৃষ্ণ মাগী চরণ থন্বালবু ফংদ্রেদা -।। |
| | অসুক ৱাহল্লি রাধাবু, করি ইরান লৈখ্রবনো |
| | অহিংদা নুংথিলদা মীৎকুপ খুদীংদা |
| | কাউদি কাউজদে রাধানা -।। ০।। |

| **ছন্দ/ছঞ্জ :** | **তাল-মেন তাঞ্চপ** |
|---|---|
| গেলো (২) | হৌখ্রে হৌখ্রে অহিংসে ইতা |
| যাম সোই | কনানবু হুখ্রবা |
| | পাপিনী দুস্কিনী অবলাগী মপোকসে |
| | মৃত্যুকাল হায়বদো ওইরে ইতা |
| | থৱায়সে করম্না পুগনি -।। |
| | তাওনে কাল কুতুম্বিনী |
| | নঙদি কোয়থুং থুংনা চৎলিদো |
| | লাইবকথীবী ঐঙোন্দদি |
| | কাল হায়দো পীবিরল্লে বিধিনা -।। |

### তাল-তাঞ্চপ

অনৌবা — শাদানবগী তেন্না
পাল্লরে তেন্না থুম্না - ।।
চাক্লি কোয়না লম্মৈনা
মাঙদসু থৎলি লাংনা - ।
য়েক্লবা ওইরে মরূপ্পা
তেংবাংলরে মালংবনা
তোক্ত্রি তেঙ্গা থোংদুনা
কাপ্লি হন্না হন্না
হিঙ্গদৌরি করম্না
শজি অমোম নহাক্লা - ।।

**ছন্দ/ছঞ্জ :**

### তাল-তাঞ্চপ

হা বিধি বিধাতা — হা বিধি বিধাতা
কেমনে লিখিলা — করম হায়নবু তন্বীরল্লিবা
লাইবক থীবী রাধা ঐবু
করি হায়নবু ইবিরল্লিবা
ফৎখিদ্রবা লাইবকসিদা ।।

## লোন

কৃষ্ণ লেঙলক্কনি হায়দুনা য়াম্না পূক্লীং নুংঙাইনা লৈরন্নদগী মতম থেঙলক্লবা, কৃষ্ণ লেঙলক্ত্রবা অদুদা সখীশিংদা হায়রকই -

## ঈশৈ

### তাল-মেনকুপ

অনৌবা — অহিং মতম হৌখরে
ধ্রুব তারা মৃৎখরে

পামেল উশা থক্তা
পোন্বী য়াতাখরে- ।
নোংদোন লীক্লা তারক্লে
কায়না মৈচাক্তি মূৎতরে
অহোইননা হেনগৎলে - ।
চীক্লে চীক্লে কুঞ্জবন
মীচিক মীরাউখোন তাদরে
তুমিন তুমিনা লৈখরে- ।।

**ছন্দ/ছঞ্জ :**
হা অ-অই
প্রিয় সজনী
দোহে গুণি (২)

**তাল-তাঞ্চপ**

চান্নরবী ইতা ! চাক্লে থম্মোয়সে, খল্লু খল্লুরগা
মতম্না হৌখ্রগা করম্না লাক্কদৌরিবা কালা ।
খোইমুগী পাংখক্লি ইবুংঙো মাগী শাজৎতো
খল্লু খল্লুরগা চাক্লেনে থম্মোয়সে।
কৈদৌরুনি কুঞ্জসিদা হল্লসিনে ইতারোই
ঙসিগী অহিংসে হৌখরে অরেম্বদা ।

## শ্লোক

চান্নরবী ললিতা কৃষ্ণ প্রেম
হায়বসিদি খল্লু খল্লুরগা
চাক্লে হেন্না হেন্না
নুপী ওইরমদ্রবদি করিগুম্বা
চৎমিন্নগদবনি মতম চুপ্পদা - ।।

**তাল-তাঞ্চপ**

| | |
|---|---|
| হায় প্রিয় | ওঙ্গোকপনি ইতা চান্নবী |
| সজনী দহে | খল্লুরগা হেন্না চাক্লে, |
| গুনি (২) | হৌখ্রেদো মতমসে |
| | কদায়দা চৎখ্রবা কালানা - ।। |
| | খোইমুগী লমচৎনি ইবুংঙো মাগী মতৌসে |
| | খল্লু খল্লুরগা থোইনা হেন্না চাক্লে - ।। |
| | কৈদৌরুনি কুঞ্জসিদা |
| | চৎলসি ইতা চান্নবী |
| | ঙসিগী অহিংসে হৌখ্রেদো অরেম্বদা - ।। |

## লোন

মতৌ অসুম তৌনা শ্রীমতী ইবেম্মনা থেঙলক-থেঙলক্লগা অসুম অসুম চাকশিল্লক্তুনা লম্মৈনা চাক্লক্লবা মতমদা মপাং কায়নরবী শজি অমোমগী মতৌগুম্না গতি লৈরক্ত্রবা মতম অদুদা শ্রীমতী ইবেম্মনা সখী য়েংলগা হায়রকই - ।

**তাল-তাঞ্চপ**

| ছন্দ/ছঞ্জ : | |
|---|---|
| কুরঙ্গিনী পরা | কোয়না চাকপা লম্মৈনিদা ব্যাধনা থৎলি মাঙদা ।। |
| ব্যাধ | মৈচাক খাঙসি খাংঙমদা পনবু লানসি লানঙমদা |
| | ব্রায়-ব্রায় শজিদো পন্নুংদা ।। |
| | কৃষ্ণ প্রেম্না লম্মৈ ওই, চৎন-পন্না ব্যাধ ওই |
| | ব্রাজরবী শজীদো রাধাগা মান্নৈদা ।। |

## লোন

অসুম্না ইবেন্মনা উৎকণ্ঠা জ্বালানা খম থেঙনা চাকপা, চেল্লী ফন্মী, কপ্লী, কোয়চেন চেনবদা ইবেন্মগী ছায়ানা (মমিনা) কোয়তাল তানবা, মদুবু উবদা ইবেন্মা হেক শাউখিদুনা হায়রকই :-

## ছায়া নিন্দা

| | |
|---|---|
| **ছন্দ/ছঞ্জ :** | **তাল-তাঞ্চপ** |
| ওগো রাধে | চৎলো হাই, ফৎত্রবী ! |
| | ঐগী মীচঙ নৎত্রবী |
| | করিগী ইনাক্তা লৈরন্মী ! |
| | নঙনা কোয়শেন শেন্নরি, |
| | চোপহনগে হায়দুনা |
| | ঐসু ৰাখল থেনমল্লি । |
| | নঙনা ঐবু লঙনবা, |
| | ঐনসু কয়া ফিংখ্রবা ! |
| | কৃষ্ণমক্লি খল্লন্মী ।। |
| | নঙগীদি করি কান্নবা ৰাজবদি লঙনবা’, |
| | চৈজে অরেন্বা ওইরন্মী । |
| | **তাল-মেনকুপ** |
| আজ | ঙসি নুংঙাইবা অহিংসে |
| সুখের নিশি | হৌখ্রবদা অহিংনা থাজসু |
| | পূন্মম মমখ্রে - ।। |
| | অহিং হৌখ্রবদা, থৰায় লৈত্রবদা |
| | মমশিল্লক্লে, ঐগী থাজসু - ।। |

নমথাক তৌরম্লে লাক্কনি হায়দুনা
শেমজরুবনি কুসুম শয্যাসে - ।।
অরেম্বদা লেংলুরে মালতী পরেংসে
মানা লাক্রুবদা কৈদৌনি লৈরুদুনা - ।।
নমথাক তৌরম্লে লাক্কনি ... ।।

## ঈশৈ

**ছন্দ/ছঞ্জ :**
দহয়তি প্রাণ

**তাল-তাঞ্চপ**

শৈরেং' ছন্দ থিররোই,
মতম মাঙহঞ্জররোই,
শঞ্জ শাংনা চিংলরোই
থম্মোয়নুংদা কাউররোই - ।।
মপোকসিদদি ওইররোই,
হন্দক্কীদি য়েংলরোই।
হয়েংমুক্তি শোয়ররোই
ৱাথোক চাউবী ওইররোই - ।।
চৎন' লমচৎ থম্লরোই
মিংচৎ থীবা কিররোই,
মপোক মাঙহঞ্জররোই
নীংজবদি তোক্লরোই - ।।
য়ূমদা লৈবী ওইররোই
বন্দা লৈবা কিররোই,
মীৱা মৈশা লাংলরোই
মীখা পোনবী ওইররোই।
থৌরেম শুকসু শুররোই,
মীরেম ওইহঞ্জররোই,

পিরেম তাহঞ্জররোই,
ঙাওরে হায়যু শাউররোই - ।।
পুন্সি চুপ্পা ৱাররোই
কাউজবসু ঙল্লরোই,
কৃষ্ণ শোঞ্জবা পেল্লরোই
য়েক্লবা পন্নুংদা লৈররোই- ।।

**ছন্দ/ছঞ্জ :** **তাল-মেনকুপ**

কুসুমিত

যোগী ফিজেৎ শেৎলগে,
যোগাসন্দা ফমজখ্রগে,
মফমদি কুসুম কানন্দা ।।
কৃষ্ণ নীংজখ্রবীনি, চৎন'ৱাংমা লাল্লবীনি,
হায়জৌ রাধা জগৎসিদা ।।
চৎন'হৌন'লমচৎ, কনাবু কিররোই,
চান্ন'খায়না'মৈচাক শোকচররোই,
খূত্তা মালা পায়জরগে
পেন্না কৃষ্ণ শোঞ্জহৌরগে ।।
ওইগে বনদা লৈবী, কনা লৈজদ্রবী
ওইরোই ৱাথোক চাউবী, কৃষ্ণনা চানবীদ্রবী
রাধা লাইবক থীবী ।।

**তাল-মেনকুপ**

কালা প্রেমানলে জ্বালা

কনখ্রেদকো নুংশি মৈচাকসে কালাগী
থৱায়সে থাজরগে লোইশিঞ্জরগে পুন্সি অসে- ।।
মপোক মপোক্তা করি কর্ম্ম ফত্তদুনা
তোল্লিদকো তোল্লিদা নুপীগী মপোক - ।।

খল্লুবদা উপায় অমদি লৈরে ইতা
তুলসী পত্র খরা লৌরুচো ললিতা- ।।
পত্র অমদা শ্যামবন্ধু মাগী মমিং ইবিরো চান্নবী
পত্র অমদনা কালাচান্দ হায়না ইবিরো
পরেং অনী লেংবিরো বিশাখে- ।।
নামগী পরেংদো গুক্তা শিজল্লগা
চৎলগে লৈবাক লৈবাক্তা যোগিনী ওইদুনা- ।।

## বিপ্রলব্ধা হৌবা

## গুরু বন্দনা বৈষ্ণব বন্দনা

**ছন্দ/ছঞ্জ :** **রাগ-শ্যাম কোড়া(রাগিনী)**

অবাহন, শ্লোক : অথাবস্থাষ্টকং....

সারানিশি থোক্লোইদৌরে থম্মোয়গী থাবল

কুঞ্জে করি খল্লি তুমিন (২) ইতা
থন্বীরল্লো রাধা ইথন্তা
থাবল থম্মোয়গী থাবল
খঞ্জিনখরেনে নোংইন্না পূমখন ।।

**তাল-মেলহৌ (রাজমেল)**

সারানিশি লাঙতক্লুরে থম্মোয়নুংদা
মতমগী খোঙচৎনদি খাম্বা য়াদ্রে
অরেম্বরনে খল্লি পূক্লীংদা - ।

তাকপীরম্মী অরেপ্পনি, খঞ্জরুবা
ফল্লি শয্যা নাক্তা, অরেম্বরনে
খল্লি ৱাখন্দা- ।
শেমজরুবা লৈগী শয্যা
পূক্লীং হুরবা মালতী পরেং
হুকচনীংদুনা লেঙজবা লৈগী পরেং
অরেম্বরনে - ।

**ছন্দ/ছঞ্জ :** **তাল-তাঞ্চপ**

যদি কান্ত বিনে

ঐগী মপোক অসে অরেম্বনি ঈতা
কৎচনীংদুনা শেমজরুবা শয্যা
তারব্রা অরেম্বা, খন্না খন্না
সুম সুম, লৈগী শয্যা নাক্তা
রাধাগী পুন্সি লেঞ্জরগে ।।
শয্যাগী ৱাখন্না কৎলি কৃষ্ণগী চরণদা,
মিত্তা পি ঈরাচেন, খূৎলোন্ননা
ৱাখল খন্না খন্না শয্যা কোয়জৈ নীংঙমদনা রাধিকা
শেমজ-শাজরুবা লৈখন-লৈখন
নাচোম শ্রীচরণদা কৎচনীংবা
লৈকা ফন্না শাৎপী দোষ লৈতবী
নখোয়দি কৃষ্ণ ফংদরেকো ।।
ঐখোয়দি নুপী ঙাক্তনি অসিদি
শুক্লবা বননি, নুংশি হৈতেদা
নুপাগী জাৎসে
ঐখোয়গী ৱাখন্দি খনবীরল্লরোই
রাধাগী থৱায় হিংজররোই ।।
পেনবীসনু শ্যামগী থম্মোয়

শাথেক মান্নবা তোমালসিদা
পূনশিন্দুনা থম্বীয়ুকো ।।
ইতাশা ঐগী অরোয়বা মতমদা
কৃষ্ণ ২ শোনবীয়ুকো
পামজবা রাধানা কৃষ্ণ নামসে
তারগা থব্রায় থাজগেকো ।

**ছন্দ/ছঞ্জ :** **শান্না**

যারো লাগি প্রেমময়ি শ্রীরাধিকা
ঝুরেরে প্রাণ কৃষ্ণ প্রেম্না ঙাওরক্লে- ।।
কৃষ্ণ প্রেম্না ঙাওরবী রাধা (২)
কৃষ্ণ কৃষ্ণ তোয়না (২) শোল্লক্লে- ।।
তূমিন্না ফম্লি অসি হায়রকই,
হৃদি থম্বাল শাৎকায়রক্লে
যমগী চৈনাদি খাঙবা ঙমগনি
প্রেমগী চৈনাদি খাঙজবা ঙম্লোই ।।

## লোন

করিনো করিনো শ্রীশ্রীরাধে, পূক্নীং খোইরাং খোইশাওবিগনু ।। কৃষ্ণ প্রেমগী মশক ওইবী নবুংঙো কৃষ্ণ মাঙদা লেপ্পরনি । থব্রায় থাবা য়ারোই মপু লৈবীনি মিকুপ খুদিং থাদোক্তবীনি, প্রেমগা প্রেমগা চাংদম্নবনি রাধা কৃষ্ণ অমত্তনি । যোগী ঋষিশিংগী ধ্যানগী মূর্তি কাইহনবিগনু, ভজন তত্ত্ব-হে রাধে । ব্রজ বৈষ্ণবশিংনা খৌরাংনা ঙাইজবা পিনৌ রাধে পিনহৈবীনি ।

## ঈশৈ

### তাল-মেনকুপ

যাবো অমি কোকিল নওসু খোংলরনু ৱারিঙৈ হেন্না ৱাহল্লনু।
দূরোদেশে কোকিল নওগী খোনসি খোংলল্লে খল্লি শ্যাম্মা বাঁশী।।

## লোন

শুক্লবা বোন অসিদা অসুম্মক সখী অরেম্বা তারেদা (২) পূম্নমক। শেমজরুরে লৈগী শয্যা কচ্চনিংবনা ঐখোয়না চরণদা, কচ্চনিংবনা নখোয় ঐখোয়না, মরাল লৈজদ্রবী লৈ ময়াম হেক্লুদুনা রাধানা।

খঙলে (২) ইতা মাধব লেঙক্লরোই রতি ভক্তি ৱাৎপনা শ্রীচরণ ফংলরোই। তাঞ্জবা চরণদবু রম্তানচিংলবী ফজরবী কয়া (২) লৈরিনে, মনুং-মপান খায়দনা থৱায় হকচাং কচ্চবী রাধা ঐনিনে ইতাশা ...। পাঙ্গল শোল্লবী ঙাক্তনি খঙনা লেঙবিরক্ত্রেকো ইতাশা। লৈগী শয্যা নাক্তা লেপ্লি, লৈ পরেং পায়রগা প্রেম শিঙ্করে।

**ছন্দ/ছঞ্জ :** **তাল-মেলহৈ**

কেনে কুঞ্জে
উরগা থাবল রাধাগী ৱাখল
থোইনা থম্মোয় মৈশা লাংলম্মী।
শয্যাগী নাক্তা সখীগী মরক্তা
ফম্লম্বদগী হেক হৌগৎপা,
থাবন্না হকচাংদা য়ৈরকপা
মশাগী মমিদো উরম্মী।।
শ্রীকৃষ্ণ লেঙলক্লে, নখোয় উদ্রমাল্লে,
হায়না ময়ামদা তাক্লম্মী।
তফিং তফিংনা, প্রেম্না ঙাওদুনা

লৈগী পরেং পায়খৎলম্মী ।
কদায়নো হংবদা, ময়াম য়েংনবদা
মশাগী মমিদো ওইরম্মী ।
মমিনি খঙলকপদা সখীশিংগী মমাঙদা
ইকায়-নুংশি য়ান্নরম্মী ।
মমিবু য়েংদুনা রাধানা শাউদুনা
তাহোল্লি মশাগী মমি ... ।।

**ছন্দ/ছঞ্জ :** **তাল-মেল অওনবা**

হায়-হায় হা-হা, হা নোংদম্বা
কি হইল নঙগী নোংদম তমথীবা,
রাধা ঐবু অসুপ ৱাহনবা ।।
হা, হা নোংদম্বা লৌনম্বা ! লৌনম্বা করম্বা !
তোল্লি শুক্লবা বনদা হুন্দোকপীবা,
রাধা ঐবু ... ।।
য়েংঙু, নুংশিরবা অহিংসিগী ফজবা !
ওইরেদো রাধাদদি য়েক্লবা ।।
করম্না হিংগবা, খাংঙমদে অৱাবা !
অৱাবনি, পুন্সি অসে অরেম্বনি ।।
ৱাথোক চাউবীনি, মিংচৎ থীবীনি
লৈরাংনি, লৈমন্নি, লৈহী চেন্দ্রবীনি ।।
নীংশিংবীররোই, লাক্লুরোই লাক্লুরোই, ওইররোই,
লৈহী পাম্বা খোইমুনি নীংশিংবীররোই ।।

**তাল-মেল অওনবা**

প্রিয় সজনী য়েংঙু ঈংলবা থাবলগী ফজবা
ওইরেদো রাধাদা য়েক্লবা - ।

করম্মা হিংগবা খাংঙমদে অব্রাবা - ।
অব্রাবনি পুন্সি অসে অরেম্বনি- ।
মীখা পোনবীনি ব্রাখল থেনবীনি
ব্রাথোক চাউবীনি, মিংচৎ থিবীনি- ।

**ছন্দ/ছঞ্জ :**

### তাল-মেল অওনবা

কাল গেলো যে

মতম হৌখরে, তাঞ্জা চৎখরে
কৃষ্ণ লেঙঙক্ত্রেনেসে, অহিং হৌখ্রে- ।
লেংঙকত্রে (২) লৌনম্বা কালাসে- ।
হৃদিগী থম্বাল ফুগায়না শাৎলে
লেংঙক্ত্রে (২) লৌনম্বা কালা- ।
হা-উং-অ ব্রায় ব্রায় (২) ইতা চান্নবী
করম্মা হিংগনি রাধাগী থব্রায়সে (২) - ।
নোংদম থীবা নোংদম্বা
রাধাবু করম শেম্লম্বা ।।

### তাল-তাঞ্চপ

হেদে সখী

হেকলে লৈশিংসে
মাঙলে, পৎহল্লেনেসে
কনাদবু, তাইনরুদৌনোসে ।।
হেকলে লৈশিংসে ... ।।
অরেম্বা ওইরেদো, মতম্মা হৌখ্রেদো,
করম্মবু খাঙসিগে ।।
হেকলে লৈরাংশিংসে,
শেমজরে শয্যাসে,
লোইনা পৎহল্লেনেসে ।।

**ছন্দ/ছঞ্জ :** **তাল-মেলহৌ**

আজবনি

ৱাজবীনি কাউবীবনি
লৌনম্বনি পঙহৌবনি
থাজৰুইদো লাললেনা
কুঞ্জ মমহল্লে, ঙাল্লরোই
থাবু থরোতগী থাজনি খল্লুবী
পঙলবী ঐগুম্বী লৈরোইনা ।।

নুংশিবী অহিংনি, ঈংলবী থাবলনি
শাত্তুনা লৈজবী লৈয়ামসু
হেক্তুনা লোইনা মাঙহল্লে
শুক্লবা উমংনি, নুপীনি অহিঙনি
খনবীদ্রমাল্লেনে মানা ।। কুঞ্জ মমহল্লে ...

হায়যু ইতা চান্নরবী
করিনোনে ঐগী ইরাল
শেমজৰুরে শয্যা অসে
মাঙহল্লিবা লৈয়াম অসে
খল্লুরগা থব্রায় অসে
করম পুগদৌবনোসে ।।

**ছন্দ/ছঞ্জ :** **তাল-তাঞ্চপ**

আজ মুয়ি

চান্নবী ঐগী যমুনা । ২ ।
ঐগী থব্রায় নঙনা কনখি,
ঐগী মিংচৎ নঙনা ঙাকখি

হায়জবদা য়াবীখি নগুনা।
শ্রীকৃষ্ণনা চানবীদ্রবী ঐনি,
পাপচেনবী থৱায়-হকচাংনি
লংনবীনু, লৌশিনবীয়ু,
পাপ-চেল্লবী ঐনি ।।
হন্দকমুক্কী মপোকসে ফত্তরেদো!
রাধানা খঙজরে, পূক্কীং লেপচরে ।।
কৃষ্ণ-কৃষ্ণ শোন্না-শোন্না
থৱায় থাজরগে ইতা !
অহিং নুংথিল অনিমক্তা
কাউজদ্রবী ঐগী করি ইরালনো,
খন্নসিনে চান্নবী ।।

**তাল-তাঞ্চপ অরাওবী**

প্রাণসখী ললিতে

হা ইতা চান্নবী ! লৈরমখিনি ঐগী ইরাল -।
নীংজবগী মপূনি, ঐনা নীংজবা ৱাংপননি,
ৱাথোক চাউবী রাধা ঐহাক্কি, ৱাখল থেনবীনি।
ঐনা পঙজরুবনা ঐনা ৱাজবনি-।
শুক্লবা বনদা ঐবু হুন্দোকপীরে ।।

**ছন্দ/ছঞ্জ :**

ইয় মপি রজনী

**তাল-তাঞ্চপ**

থম্মোয় কল্লি, হাকমল্লি
কাউমল্লি, মীনুংশি ৱাংলি,
ৱাজরক্লবী রাধা ঐতবু ৱাহল্লি -।
করিগী হুন্দোকপীবা

শুক্লবা উমংসিদা ।।
ৱাহন-নংহনগে খংহনগে
লক্লগে মতাগুম্মি, ৱাখল অদো
লাল্লি লাল্লি, নুংশি-হৈতবা মাল্লি ।।

### তাল-শারা

প্রাণ সখীহে — তাম্না তারিবা তাশোন ওইরিবা খোম্থোকসে
এত কাল গেলে — খাংঙমদ্রে চান্নবী, কোকিল ওইরমাল্লে ।।
কৌরক্লে, বাঁশীনি, শ্রীকৃষ্ণনি,
লেঙলক্লবনি খঙহল্লি, ৱাহল্লি,
খাংঙমদ্রে, মৈচাক হেলহল্লে ।।

### তাল-তাঞ্চপ

প্রাণ বন্ধুর লাগি — নীংবা কায়রবা পুন্সি ৱামল্লি হিংবা ঙস্লোই ।
ৱাখলনা পোথাফম খঙদ্রিঙৈ কোকিল নঙনা
কুহু কুহু, খোংলৈ থম্মোইগী মৈচাক হেলহল্লি ।।
মীনম লৌনম্বদা হৈনজবা কোকিল নঙনি
অৱা-নুংঙাই তেংবাংলিবা অহিঙ-নুংথিল
মপু মাগী থৌদাবু ইনবরা, শাউরিবা ঐনা লাল্লৱা ।।
পাম্মুইদা ঐগী মপোক
কৃষ্ণ শোনবদা পলহল্লিবা কল্লকইদা ।।

## লোন

উনগী অয়িংবা নুংশিংনা মৈগুম্নমা শারে । থাগী ঈংলবা মঙালনা হুগুম্না থোক্লে । মতম অসি য়ৌরবদা শ্রীকৃষ্ণনা লেঙলক্ত্রবা অদুদা শ্রীমতী ইবেম্মা করি হায়রকই ! রাধা ঐনা হৌজিক হিংলুদুনা করি কানরগনি,

শ্রীকৃষ্ণনা হুন্দোক্লবা দেহ অসি থম্লুদুনা করি তৌনগদগে ? রাধা ঐতনা ইবুংঙো মহাক্কী চরণ থাদোকচবা ঙমজদে। ইবুংঙো মহাক্লদি ঐবু নুংশিবিদরে, অদুনদি হৌজিক ঐনা হিংদুনা করি কানগদগে, ইতা ! মসিদা রাধা ঐনা থাদোকপদা য়াম্লা ৱারবা অমা লৈরে ইতা ! মাদুদি শ্রীকৃষ্ণনা হুন্দোক্লবা রাধা ঐগী থৱায় থাদুনা দেহ মাঙখিবদি লায়। রাধা ঐনা হেক পোকপদগী তাঞ্জরক্লবা শ্রীকৃষ্ণদা লৈরিবা প্রেম অসিদি ঐনা শিরগা কনাদা শিন্নরমগদগেনে ইতা।

## শ্লোক

যদি আমি মরি গেলে ঐনা হয়েংশিরগা
ঈশিংদসু লংথবিনু
মৈদসু লংশিনবিনু
পুনশিনবিয়ু চেৎনা
তোমালগী মশাদা,
কৃষ্ণ (২) শোন্দুনা ইচিনসিনা
থাজগে ইতা থৱায় মঙাসে ।।

**ছন্দ/ছঞ্জ :** **তাল-তাঞ্চপ**

জানে সখী
খঙলে রাধা ঐগী পুন্সিগী খোঙচৎ
তারে ব্রজসিদা রাধা ঐবু ঙাঙনরিবা মিংচৎ।
নীংজবা ৱাৎপা অসিনা (২) নীংজবগী মপূ
ইবুংঙো মহাকপু করম্লা ফঙ্গনি ঐনা
করম্লা ফঙ্গনি ঐনা হয়েংমুক্কী মপোক্তদি
শ্রীচরণবু ফঙ্গদরা ঐনা।।

## লোন

অসুম্না শ্রীমতী রাধিকানা মবুংঙোবু লেংলকপরা হন্না হন্না য়েংজে অদুবু লেংলকপদি লৈত্রে, রাধিকাগী অৱাবা সুম সুম হেনগৎলক্লে, সখীশিং য়েংদুনা অসুম্না হায়রকই ।

### তাল-তাঞ্চপ

হাহা সখী — ৱায় ৱায় ৱায় রাধা ঐগী মপোক অসে
খনবদা মল্লে হিংনবগী লম্বী অসে ।

জ্বালার — খল্লু খল্লুরগা সুম (৫) থোইনা মমশিল্লক্লে
কাউজবসু মাবু শুকঙম ঙল্লরোইদো- ।

জ্বালার — মিংচৎ থিরিবা অসিসু নোংমা (২) অসুম (২)
থোইনা থোইনা হেঞ্জিল্লকখিবা তাইদো ।।

আজ আমি — ননাইনা করি হঙ্গৎচগনি, অৱাবা নুংঙাইবা
খিবিক্তা, য়াওরি ননাই কয়া লৈরি, করি ৱারুনি
খন্নবিয়ু ইবেম্মা শোয়রোই কৃষ্ণ ফঙ্গনি ।।

## লোন

অহিঙনদি মতমগী খোংলৈগী মতুং ইন্না অসুম অসুম থেঙজিল্লক্লবা । শ্রীকৃষ্ণনদি মরেঙলক্ত্রবা অদুদা শ্রীমতী ইবেম্মা লম্মেনা চাকপগী মতৌগুম্না চাকশিল্লক্লবা মতম অদুদা অমুক নোংগৌবী অমনা উগী ফৈরা থক্তা তোংদুনা নোংগী ঈশিং য়াম্না খৌরাংনা ঙাইদুনা লৈবা অদু হেক উরুরে । মাবু উবদা ইবেম্মনা করি হায়রকই ।

য়েংউনে ইতা ! নোঙ্গৌবী অসিনা নোংগী ঈশিং য়াম্না খৌরাংনা ঙাইদুনা লৈরিবা অসি লাইবক থীরবী রাধা ঐনা খৌরাংবা অসিগা কনানা হেল্লমগদগেনে ইতা । ঙসি ঐসে নোঙ্গৌবীগী মতৌগুল্লে ।

**ছন্দ/ছঞ্জ :** **তাল-তাঞ্চপ**

আজ মুয়ি ঙসিদি ঐ নোঙ্গৌবীগা মান্নরে।।
নোংনা লাক্ত্রবদা নোঙ্গৌবীনা
খাঙজে কয়াদি ৱানা
মদুমক ওইরে রাধাগী থৱায়সু।।
নোংগী লাইজতবু ঙাইজবনি নোঙ্গৌবীনা
নোংগী লাইজ নত্তনা ঙমজদে হিংবা
ঈখৌ লাংবনা খাংঙমদ্রে তোল্লবীগী থৱায়সু ।।
কালাচান্দদো নোংনি কুঞ্জগীদি
লাকখিদরে ইতা হৌখিদৌরে অহিঙসে।।
চেক্লা ওইনা থিরুগদবসু
ইশা পালহনবিরমদ্রে বিধিনা।।

**ছন্দ/ছঞ্জ :** **তাল-তাঞ্চপ**

হেরোগো ললিতে য়েংঙুনে ললিতা
আওত বিকুরা য়ৌরক্লে ঋতুরাজ
রাধাদদি য়েক্লবা ওইরেদো-।
হৈনৌ মশাদা তোংদুনা
কোকিল, খোংলি কুহু পঞ্চম সুরদা।।
পঙজখ্রবী কোকিল মাদি
খঙলিরোইদো থম্মোয়গী মৈচাকসে।।

**তাল-মেনকুপ**

কহয়ে সখি কান্নরোই ইতা, রাধা ঐগী মপোকসে
মিংচৎ থিবসে করম্না কোকহনসিগে ইতা।

যোগীনি ওইজখ্রগে বন-বন খুদিংদা
অহিঙ নুংথিল তত্তনা কৃষ্ণনাম শোঞ্জরুরগে ।।
পামজৈ ঐনা কৃষ্ণ শোন্না (২) থৱায় থাজবসে
মপোক অসে মহৈ য়াঞ্জগে ইরল তাঞ্জহৌগে ।।
ঐগী অরোইবা মতম, নখোয়সু কৃষ্ণ (২) হায়না
শোনবিয়ু কাউবিনু (২) ইতা নখোয়না চান্নরবা
মরুপ্পি খল্লু নখোয়না ।।
কৃষ্ণ নামদু তানা তানা
থৱায় হকচাং খায়নদুনা
মপোক অমদুদা চরণ ফংজগে ইতা ।।

**ছন্দ/ছঞ্জ :** **তাল-মেনকুপ**

সখি যাই যাই
যাই সজনী

সখি হৌখিগদৌরে অহিঙসে
হনখ্রো নখোয় নয়ুম নয়ুমদা
ঐদি চঙখ্রগে যমুনা ঈরোন্নুংদা - ।।
খুদোন্বীসে কল্লগা কলম শাদুনা
মিৎলুগী পিরাংনা কালি ওইদুনা
কালিন্দী লাইজদা রাধা থৱায় থারগে
ৱাহৈসে পত্রদা রাধানাম ইদুনা
থাজখিগে ইবুঙোদা - ।।
চৎচখ্রগে লাপখ্রবা মফমদা
মাগী মরমদগী যোগিনী ওইজরগে
কৃষ্ণ নাম শোল্ল শোল্লদুনা - ।।
করিবু কান্নরিবা রাধা হায়বা মিংসিনা
তোল্লিদকো তোল্লিদা রাধা কৌবী মিংসে
মমল লৈত্রেদকো পাপ চেনবী মিংসে

ঙসি হায়বা নুমিৎসিদগী - ।।
শ্মশান ওইহল্লে নিকুঞ্জসে
অৰাবা ঈথক হৌইহল্লে বিধাতানা
নুংঙাইবা ঈপাক কংহনবিখ্রে
তারিব্রা সখি হায়য়ুনে ললিতা
প্রাণ প্রিয় সজনী - ।।

**ছন্দ/ছঞ্জ :** **তাল-তাঞ্চপ মপী**

জানে সখি মম
প্রাণ দুস্কৃত

যমুনাদা চোংথদুনা থৰায় অসি থারগে
হয়েংমুক্কী মপোক্তা মাগী চরণ ফংজগে ।।
কনাদসু শাউররোই, কল্লকপসু লৈররোই
অৰা মৈচাক খাঙদুনা লৈজববু ঙল্লরোই ।।
চাবা চৎপা পূম্নমক্তা কাউবা লৈজদ্রবীনি
রাধা ঐনা পোকপদগী পামজরবা শক্তম্নি
থৰায় হকচাং খাইনরমদাই ৱারক্লবা মতমদা
মাগী ত্রিভঙ্গ মূর্ত্তিদো উহনবিয়ু ঐঙোন্দা ।। ০।।

**তাল-তাঞ্চপ অন্নাওবী**

হায়রে
প্রাণ সখি

ওহ্লোকপনি প্রাণ সখি
অৰাবনি চান্নরবী
কৈদৌরুনি থমদুনা পুন্সিসে - ।।
মাঙদা চাক্লি লম্মৈনা
তুংদনা তান্নরি ব্যাধনা
উপায় লৈজদ্রবী শজীদো
পাংখক ওইরে রাধা ঐগা - ।।

যমুনাগী ঈরোন্নুংদা
থাজরগে রাধাগী থৱায়সে - ।।
চৎচরগে দেশ দেশান্তরদা
যোগিনীগী বেশ শেৎতুনা
উপায় লৈজদ্রে সখি - ।।

**ছন্দ/ছঞ্জ :**

### তাল-তাঞ্চপ শৈগোন্নবী

| | |
|---|---|
| হা সখি ললিতে | হা ইতা ললিতা |
| কি বলিমু তোরে | করি হায়না তমসিগে |
| | প্রাণনাথগী কায়নমৈচাকসে |
| | চাক্লে হেন্না হেন্না থম্মোয়সে ।। |
| | তনৌ-তনৌবা ললিতত্রিভঙ্গ রূপতো |
| | খল্লু খল্লুবদা পূবা য়াদ্রে থৱায়সে - ।। |
| | প্রাণ বন্ধুগীদমক্তা যোগিনী ওইদুনা |
| | ওয়গী লেংবান্দা ঝুলি য়ান্দুনা |
| | চৎচখ্রগে লাপ্লবা মফমদা - ।। |

### তাল-মেনকুপ

| | |
|---|---|
| শয্যা হেরি | য়েংঙু ইতা ! শিঙ্গারৈ কেল্লক্লে, |
| | চেক্লা য়াওল্লক্লে, |
| | নামিবা নুংশিৎনা লি-রি হুল্লক্লে ।। |
| | কান্নরোই ইতা ! য়ুমদা হল্লরোই, |
| | ৱাথোক চাউবী ওইররোই |
| | শেমজরুবা লৈগী শয্যা অসে |
| | শ্রীকৃষ্ণদা কৎপা ফংলরোই । |
| | যমুনাদা থৱায় থাজরুগে, |

মপোক অমদুদা তানজরুগে - ।।
খঙই ঐনা, নুংশি হৈতবনি,
সাক্ষী লৈদো ইতা
নুপী ওইবী পুতনাবু হাৎলি,
নুংশি হৈতবা জগৎতা উৎলি ।।
হঙ্গৎচরি ননাইনা শ্রীচরণন্দা নোল্লুক্লা
লেঙলকখিনি কৃষ্ণ শোয়দনা ।।

**ছন্দ/ছঞ্জ :** **তাল-চারি তাল**

নবঘন শ্যাম

নুংশিহৈতে নোংদম্বা
ঐবু অসুক ৱাহনবা - ।।
রাধা ঐসে থাজরগে থৱায়সে - ।।
কৃষ্ণ কৃষ্ণ হায়না তোয়না তোয়না শোন্দুনা
থাজরগে, থাজরগে থৱায়সে ।।
ঐনা লানদি লাঞ্জরোই
মাবুতদি কাউজরোই ।।
মপোকসিদা ফংদ্রবসু - ।।

## লোন

শ্রীমতী ইবেম্মনা জটিলা কুটিলা মমা-মচাগী পন মনুংদগী নাঙ্খোকচরক্লুনা শুকখ্রবা কুঞ্জদা লাক্লুনা শ্রীকৃষ্ণ লেঙলক্কনি হায়দুনা নিংথিরবা শয্যা শেমদুনা ঙাইরগা শ্রীকৃষ্ণ লেঙক্লৱা অদুদা শ্রীমতী ইবেম্মনা অমুক সখীশিংদা হায়রকই ঃ-

**তাল-মেল তাঞ্চপ**

প্রাণ তেজিব ২

থারগে থৱায়সে কৃষ্ণ কৃষ্ণ শোন্দুনা
কান্নদবা থৱায়সে কৈদৌরুনি থম্মুদুনা ।
কৃষ্ণনাম শোন্দুনা কালিন্দীগী লাইজদা ।

থারগে থব্রায়সে চোংথদুনা ।।
কৃষ্ণ লৈতবা কুঞ্জদা করিনো নুংঙাইদৌরিবা ।

## সখী সান্ত্বনা শ্লোক

**ছন্দ / ছঞ্জ**

শুনো শুনো
প্রাণ রাধে

তাবিয়ু তাবিয়ু প্রাণ রাধে
হৌজিকফাও খঙবিদ্রিবরনে - ।।
তপথবিখো রাধে
কলঙ্ক তৌবিনু রাজনন্দিনী - ।।
নঙবু থাদোক্কুনা হৌজিকপু
কদায় চত্তৌরিবা নীলকান্ত নীলমণি - ।।
খঙবিদ্রিবা করিগীনো
খোইমুগী শাজৎ মাগী হৌনশানি
লৌনম হৈবা কালাগী শাজৎনি - ।।
তপথবিখো ঙাইহাক্তংদি
রাজনন্দিনী - ।।
মশাগী মরালনা পোৎলুম ফারবনি
খঙদবরনে প্রাণ রাধে - ।।

## তাল-মেনকুপ

**ছন্দ/ছঞ্জ :**

সখী যায়গো

ব্রায়কো, ইতা ব্রায়কো নীংবা কায়রবা পুন্সি
হিংবদা ব্রায়কো ইতা ।।
করিগী নুংশিরুবা লৌনম্বা মাবু
করিগী কাউঙমদ্রিবা খঙনা (২) মহাকপু ।।
কৎখ্রবা থব্রায়নি হৌজিক কৈদৌরুনি
মানা চানবিদ্রবা থব্রায় মঙাসে

যমুনাদা ওইনা পুন্সি লোমজরগে
লৈররোই পোত্থাফম ।।
থব্রায়সে থাগে লেপচরবনি
হিংবদা ব্রারবা রাধা ঐহাকনি
পুন্সি লোমখিবনা পাম্বে ওইরনি
পাম্বে লৈজদ্রবী রাধা ঐনি ।

## শ্লোক

ঐনা হয়েং শিরগা
মৈদসু লংশিনবিনু, ঈশিংদসু লংথবিনু
পুনশিনবিয়ু চেৎনা তোমালগী মশাদা
কৃষ্ণ কৃষ্ণ শোন্দুনা ইচিনসিনা
থাজগে ইতা থব্রায় মঙাসে ।

**ছন্দ/ছঞ্জ :**
পুষ্প পুঞ্জ চন্দন
কতোনা
দেখিয়ে নাগর

## তাল-মেনকুপ অথুবা

হিংবসিনা ব্রারিবনি
হিংবসে শুকচুমক চুমদ্রে,
হিংদুনা লৈবগী কান্নহনদ্রে
থব্রায়সে থারগে হিংজনিংদ্রে ।।
পাপ পুণ্য শুপকি কিদ্রে,
নোংদম্বা নঙগী নোংদমখোলনি
ওস্থোকপনি রাধাগী পুন্সি
পাপ পুণ্য শুপকি কিদ্রে ।।

## লোন

শ্রীমতী ইবেম্মগী অৱাবা অদু য়েংবা ঙম্লক্ত্রদুনা সখীশিংনা খন্নে, শ্রীকৃষ্ণগীদমক থৱায় থাবদা পাম্মুবা লৈত্রবী ইবেম্মনি। করিগুম্বা ইবেম্মনা যমুনাদা চোংথদুনা প্রাণ মাঙখিবা থোক্লবদি সখী ঐখোয়না করম্না হিংদুনা লৈগদগে। অদুনদি ইবেম্মবু সান্ত্বনা তৌরম্লগা শ্রীকৃষ্ণ থিরুবা থোকই। অসুম খন্দুনা সখীনা ইবেম্মবু সান্ত্বনা তৌই।

## শ্লোক

*চিন্তাং তস্মৈ কুরু মনসিতে তস্য চিন্তাং জহীহি।*
*কৃষ্ণ নন্দ ভবতিহি তদা প্রেম কুঞ্জে ললামে।*
*যাবন্নহং পুণ্যরূপী তবাং যামি কুঞ্জন রাধে*
*তাবত্ত্বঞ্চ প্রহর নরতিং ভ্রান্থিরামং কুরুস্ব।।*

## লোন

ইবেম্মা করিগীদমক অদুক য়াম্না ৱাবীরিবনো ননাই ঐখোয় লৈজরি। ইবুংঙো মহাক্না লেঙবীরক্ত্রবনিনা শোয়দনমক্কী থিজরুগনি। মাগী চিন্তা থাদোকউ, মাবু চিন্তা'মুক ওইহল্লু, মপাঙ্গোংগী কুঞ্জদা ফংবা কৃষ্ণদি অমুকসু মাঙখি, অমুকসু লাকপনি। প্রেমগী কুঞ্জদা ফংবা কৃষ্ণদি লেঙদনা লৈবনি, কৃষ্ণ ফংবগী নুংঙাইবা হায়বসু অদুনি। ঐখোয়না ইবেম্মা রাধে নঙগী কুঞ্জসিদা লাক্ত্রিবা ফাওবতদি আশাগী কুঞ্জদা পোথাবীরম্মু। রতি রাগবু মাঙহনবীরমগনু - অসি হায়দুনা শ্রীমতী ইবেম্মবু সান্ত্বনা তৌরম্লগা সখীশিংনা কৃষ্ণ থিরুগনি হায়দুনা চৎখ্রে। চৎলিবী সখীনা কৃষ্ণতবু থিবা অসি কয়ামুক চেকশিন্না থিবগে হায়ববু কুঞ্জ-কুঞ্জ বন-বন খুদিংদা উনা উপ্পুনা লৈবদু লোংথোক্তুনা থিবনি, থিবা খঙদ্রে। খ্বাইগী তুংদা চন্দ্রাবলী কুঞ্জদা লৈরে হায়বসি খঙলদুনা দূতী সখীনা, অসি হায়না হঙ্গৎচৈ।

# দূতী সংবাদ

ছন্দ/ছঞ্জ : শারা

পশ্যতি দিশি দিশি রহসি ভবন্তম্ ।
তদধরমধুর মধূনি পিবন্তম্ ।।
নাথ হরে সীদতি রাধা বাসগৃহে ।
ত্বদভিসরণরভসেন বলন্তী ।
পততি পদানি কিয়ন্তী চলন্তী ।।
বিহিত বিশদবিস কিশলয়বলয়া ।।
মুহুরবলোকিত মণ্ডন লীলা ।
মধুরিপুরহমিতি ভাবন শীলা ।।
ত্বরিতমুপৈতি ন কথমভিসারম্ ।।
হরিরিতি বদতি সখী মনুবারম্ ।।
শ্লিষ্যতি চুম্বতি জলধর কল্পম্ ।
হরি রুপগত ইতি তিমিরমনল্পম্ ।।
ভবতি বিলম্বিনি বিগলিত লজ্জা ।
বিলপতি রোদিতি বাসকসজ্জা ।।
শ্রীজয়দেব কবেরিদমুদিতম্ ।
রসিকজনং তনুতামতিমুদিতম্ ।।

ছন্দ/ছঞ্জ : তাল-শারা

নাথ হরে

য়েংজৈ মায়কৈ মায়কৈদা অচিকপদা নহাকপু
মাগী অথুম্বা চীনবানগী খোইহী থকপা নহাকপু
নাথ হরে রাধাদো ৱাজৈ লতাকুঞ্জদা
অভিসারগী ৱাখন্না থৌনা ফনা হৌগৎচৈ

খোঙথাং কয়া থাংলগা লৈমায়থক্তা মতুজৈ ।।
থম্বৌ' ঙৌবা নানৌগী খুজী লৈতেং শিদুনা
রতি কেলি মহাক্কা শান্নবা হিংলিবা ।।
ফিজেৎ শেৎল' নওগুম্না হন্না য়েংজৈ মথন্তা
মধুরিপু ঐহাক্কি হায়না খঞ্জে মতোমতা ।।
লাক্ত্রবদি থুনমক করি তৌরে হরিনা
ৱাফম অসি সখীদা হঞ্জন-হঞ্জন হংখিনা
নোংহৌ'কুচু ঙমজবা হরি লাক্লে হায়দুনা
কুণ্ডলবদি অমম্বা কোঞ্জে, চুপচৈ হায়দুনা
নহাক লাকপা থীনবদা বাসক সজ্জা রাধানা
ঈকায় হঙ্গোয় থাদুনা তেংথা-নাওই কপচৈনা ।।
জয়দেব কবিগী ঈশৈ অসি তাবদা,
রসিকশিংগী থম্মোয়দা হরাউ মথোই কানিদা ।।

## লোন

কৃষ্ণ থিরুগনি হায়না চৎখিবী সখীনা য়াম্না পুক্নীং নুংঙাইতনা হল্লক্লে, কৃষ্ণদি য়াওরক্ত্রে । সখীগী মায়থোং লাংশিনবা অসিনদি শোয়দ্রে, কৃষ্ণদি লাইবকফবী রমনী অমগা শান্নদুনা লৈহৌরে, অসুম হায়না চিংনরে। মতম'দুদা ইবেম্মগী অৱাবগী মথক্তা অৱাবা - ইবেম্মনা হাইফেৎ য়েংথোকখিবা মতমদা নোঙাল্লকপগী খুদম উরুরে, থম্মোয় শোক্লা হীক্লা হীক্লা কপ্তুনা সখী য়েংদুনা হায়রকই ঃ-

## শ্লোক

*কি কাজ নয়ানের কাজল*
*কি কাজ ললাটের সিন্দুর বিন্দু*
*কি কাজ শিথেতে সিন্দুর রেখা*
*যুগল চরণ সেবা কারনা।*
*নিকরুণা বিধি অনাথিনী মনে করে দিলি*
*ভাসাইলে বিরহানলে।*
*ঐই বলিয়া রাই কঙ্কন করে মাথায় মারে*
*বিধি যদি না দিল মোরে।*

করিবু কান্নরিবা মিংকী কাজলনা
করি কান্নরিবা লাইবক্কী সিন্দুরনা
করি কান্নরিবা শমগ্রেংগী সিন্দুরনা
যুগল চরণগী সেবাবু ফংদ্রবদা।
নুংশি হৈতবা বিধিনা ওইহনবিরে
ঐবু লাইবকথিবী।।

**ছন্দ/ছঞ্জ :** **তাল-তাঞ্চপ অরাওবী**

হাই দেখো সখিরে — য়েংঙু সখিশা
নুমিৎকী মঙাল হুন্দোরক্লে
নাগর মাদি লেংবিরক্ত্রে ইতাশা ।।
শিঙ্গারৈনচিংবা লৈয়াম
মথং মথং কেল্লক্লে ।।
নুংশিবা মনমগী কালিন্দীদা
ঙানু কাংঙনা শান্নরক্লে ।।

লেঙক্কনি হায়দুনা ঙসি
অহিং অসে অরেম্বা তারে ।।
কৈদৌরুনি কুঞ্জসিদা
চৎলসিনে ইতাশা ।।
অহিংগী মতম হৌখরে
সাধু লম্বীদা চৎলক্লে ।।

## শ্লোক

প্রান সখি ওগো ললিতে

চান্নরবী ইতা ললিতে
ঐগী প্রাণনাথ
নন্দগী মচা চিকোন কালা
মীনদি হায়নৈ অন্তর্যামীনি
অন্তর্যামীনি হায়না থাগৎনৈ ত্রিভুবন্না ।।
লাইবকথিবী রাধা ঐগী ইফমদদি
করিগী থম্মোয় অসুক কল্লিবা
লৈরাং থম্বালগী মফমদা করিগী মতৌনো ।।

**ছন্দ/ছঞ্জ :** অনৌবা

## তাল-মেনকুপ

য়েংঙুনে চান্নবী নোংঙাল্লমাল্লে
পোল্লম্বা লৈরাংসু শাৎকাইরক্লে
থরোবু খোইমুনা হুন্দোক্লল্লে
থম্বাল তম্না পাইনরক্লে ।।
মালংবনা লিরি হুল্লক্লে
যমুনা ঈথক হৌরক্লে
রাধা ঐবুদি কাউখ্রমাল্লে
লাইবকথিবী ওইহল্লে ।।

## ব্যাখ্যা

যেংঙু, যেংঙু হা ললিতা !
ইরান লৈরে ঐগী মপোক্তা (২) ।
মাঙহল্লেদো শাৎচদুনা লৈজবা লৈসে
হেক্লুরেদো লৈয়ামসে
লৈমন চল্লেদো য়েংঙুনেসে ।।
শ্রীকৃষ্ণগী চরণ ফংজদ্রেদনা
ঐগা তীন্নরুবনা ।।

অসুম তৌনা কয়া তেংথারল্লে হায়রগা শ্রীমতী ইবেম্মনা শয্যাদা চিংনা চিংনা য়েংলগা করি হায়রকই ঃ

**ছন্দ/ছঞ্জ :** **তাল-মেনকুপ**

কুসুম শয্যা কোরি নিবেদন

ৱারৌনুকো লৈগী শয্যা
রাধা লাইবকথিবী ঐবু ।।
পাপচেনবী রাধানা হেক্লুবদগী
নখোয়সু কৃষ্ণ ফংদরে,
লোইনা লৈমন চল্লেদো ।।

অসি হায়দুনা লৈগী পরেং পায়দুনা
কৃষ্ণগী চরণদা পূক্লীংনা কৎচরে
হীক্লা হীক্লা কপ্লদুনা ।।

কৃষ্ণনা হুন্দোক্লবী পাপচেনবীদি প্রাণ থারগে
নখোয়দি কৃষ্ণ নীংহৌখো লৈকা ফন্না শাত্তুনা ।

## লোন

অসি হায়রল্লে হায়রগা শ্রীমতী ইবেম্মনা শেমজরবা লৈগী শয্যা, লৈগী চূড়া, মালতী পরেং চন্দন তাম্বুলনচিংবা পূন্নমক অদু পূক্নীংনা শ্রীকৃষ্ণগী চরণদা কৎলে হায়রগা শয্যাদা য়েংলল্লগা।

### শয্যা উঝার - শ্লোক

*শয্যা মালা সখী বিরচনমিদং*
*নিষ্ফলং নিষফলং বৈ। কিং তাব্যতৎ*
*কৃতমপিময়া যাতু সংযাতু সর্ব্বম।*
*ছিন্ন ভিন্ন ভবতু ভবতাৎ পুষ্পমালা*
*চভুষা রাধা য়ামে বিফলিত কৃতং*
*জীবনং ব্যর্থমেব।।*

### শয্যা উঝার রাত্রি হইলো

### ঈশৈ

**ছন্দ/ছঞ্জ :** **তাল—মেনকুপ**

অহিঙগী মমৈ ওইরকপদা
চায়খায়রক্লে লৈগী শয্য।।
খুজীন্না শেগায় শেগায়দুনা লংথোরক্লে।
নীংথিনা লেংজবা লৈগী পরেং।।
প্রাণবন্ধুগী ঙক্তা হুকচগে হায়দুনা
যতন তৌনা লেংজবা মালিকা পরেং
খুজীন্না শেগায় শেগায়দুনা লংথোরক্লে।।

সখী সঙ্গে রাই সখীগা লোইননা লেঙলক্লে রাধিকা
বিশ্রাম কুঞ্জদা লেঙশিনখ্রে রাধা।

## লোন

মতৌ অসুম্না শ্রীমতী রাধিকা ইবেম্মনা শয্যা উঝার তৌরম্লগা বিশ্রাম কুঞ্জদা "মানবেদী" দা মান সিংহাসনদা লেঙশিন্দুনা মায়দা মায়খুম ফিনা কুপশিন্দুনা, ৱা'মতা ঙাংদনা তূমিন্না লৈখ্রে। সখীশিংসু ইবেম্মগী লক্ষনদু উবদা গতি লৈত্রদুনা তূমিন্না সেবা তৌদুনা লৈরি।

মতৌ অসুম্না উৎকণ্ঠাদগী বিপ্রলব্ধা খণ্ডিতা, - লাক্কনিদা হায়না উনিংবনা ৱাবা, অসিনা উৎকণ্ঠা কৌবীগী মৈচাক। লাক্ত্রেনা, লাক্ত্রেনাদগী লাক্ত্রেদনা হায়বনা বিপ্রলব্ধা কৌবীগী মৈচাক। লাক্ত্রে লাক্ত্র লাক্লরোই হায়বনা খণ্ডিতা কৌবীগী মৈচাক্কি। কায়রবা মচেৎ তারবা থবক্তদি শয্যা থুগাইরে পূম্নমক চৈখায়রে, সঙ্কেত কুঞ্জ হায়না লেপ্লবা মফম (কুঞ্জ) থাদোক্লে, (বিশ্রাম কুঞ্জদা) পোত্থাফম কুঞ্জদা লৈদুনা অনুতাপ (তিন্নরুদ্রদি থোক্লোইদা খোইরাংবা মৈচাক) খোইরাংবনা অসুম-অসুম শাউগৎলক্তুনা য়েংলোই, উরোই, কৌনরোই, ঙাংনরোইনচিংবা থোকপা অদুনা মান কৌবীগী মৈচাক। মদুবু অশাওবা হায়নৈ, তৌইগুম্বসুং অশাওবা নত্তে অথোইবা দূর্জ্জয় মান হাইরগদি অথোইবনা লময়ৌবী অসি ওইখরে। সখীশিং অমসুং বৃন্দাগা খন্নে, রাধা কৃষ্ণ হায়বা হায়বী অনীসিদি নুমিৎ থাগা, থাবলগা নুংশাগুম্বনি, থান্নবা য়াদবা, হেক্তা উনবদা অমত্তা - হৌজিক্লা চন্দ্রাবলীনা নোং লৈচিন ওইনা খনবতনি, দুনদি লিনসু শিনবা চৈশুসু তেক্তনবা হায়বদি মতুং মনাও তৌদনবা, য়াদে খঙহন্নবা অসুম তৌরসি খন্নদুনা, ইবেম্মনসু ঐখোয়বু চানবিবা হেন্নবা, হায়না বৃন্দানা হায়রকই ঃ-

কুঞ্জগী থোঙ লোনশিল্লু, ৱাহোং কোকিল তাহ্লোকউ, ললিতা নঙনা থোঙ ঙাকউ। সখীশিং নখোয়না ঐখোয়গী ইবেম্মবু থৌগল্লু, বৃন্দা ঐনা হনগৎ হন্দা চৎকনি, লাকখিসনু কালাদো খঙগনি ! ইবেম্মা নহাক্লা লৈথোক্তুনা লৈয়ু, হাকমল্লি নুংঙাইতে হায়যু, ঐখোয়না তাঞ্জা য়েংদুনা তাক্লক্কনি হায়জবা ইনবিদ্রবদি ননাই ওইজবা ঙমজরোই ইবেম্মা।

# বিপ্রলব্ধা সমাপ্ত

## খণ্ডিতা হৌবা

**ছন্দ/ছঞ্জ :** **ৱাগ**

রাগ এমনী/এমনি

গুরু বন্দনা

বৈষ্ণব বন্দনা

অবাহন

শ্লোক অথা বস্ত্রাষ্টকং সর্ব্বনায়িকানে ...

তদুচিত শ্রীগৌরচন্দ্র - আমার গোরা

# আমার গোরা

## তাল-মেলহৌ

ঙসি করিগীনো গোরাচান্দগী মায়থোংনা চোকথরিবা।
করি ৱাখল তৌরুদুনা মিৎলু লাইজা শিন্থরিবা
করি মরমগীনো মকশিল্লিবা মায়থোঙ থাজনা।

ঙাংঙ্গানবা চিন্বান্না করিগী তাইফেৎ তারিবা।।
তগৎ তগৎ তেকপা হকচাংনা করিগী পত্থরিবা।
হাইরং হাইরং চৎলি থাংবা থোক্তে মখোঙ অনী।।

বাসুদেবনা হায়জৈ কদায়দসু চৎলুদে গোরাদি।
করিনো রস অমগী ব্ৰাখলদা অহিঙ হৌখিবনি।।

**ছন্দ/ছঞ্জ :** **তাল-মেনকুপ**

গৌর যেমনি নাচাও

কাইরংলবা লৈচিন্না কাইরংবা থাগুম
মাইথোং থাজ মকলেদা
করি ব্ৰাখল খল্লুবনো ।
সনা পৃক্লীং নুংঙাইতনা
সনা মাইথোং মকশিন্না
লেংঙকলিবা মন্দিরদা
খঙলে প্ৰভুগী ভাব রস।
দুর্জ্জয় মানগী ব্ৰাখলদা লুপলেনা
কৃষ্ণ কায়নবগী ব্ৰাখল মকনিনা
শয্যা চায়খায়রে, ওইনদুনা চেপখরে
ঙমইদা ঙমইদা কৃষ্ণ হায়না লাউরক্লে।

## তদুচিত গৌরচন্দ্র

**তাল-মেনকুপ**

জলধর দেখিবারে

ভাবনিধি মহাপ্রভুগী মওং অদু উবদা
অবেক্লা বিবেক য়েংদুনা হায়রকই -
সংকীর্ত্তন য়াওরুবদগী মন্দিরদা লেংঙকপদা
হৌখ্রবা ব্ৰজগী লীলাবু
অহিঙ কেশর কুঞ্জদা অহিঙ বাসক-সজ্জা
উৎকণ্ঠা, বিপ্ৰলব্ধা, খণ্ডিতাগী দশা
খাঙদুনা নোংঙানবা অদুগীভাব অদু ভাবী ওইখ্রে।।
মদুদি ঃ প্ৰভু মানিনী রাধামক ওইখ্রে।

**ছন্দ/ছঞ্জ :** **তাল-মেনকুপ অথুবা**

ধজং করু ধর্জং

ঐগীনি হায়দুনা মাবু নিংজবা
ঐবু অসুক অসুক থিনা তৌবিবা।
কনাগুম্বীগী নীংবা হেক থুংহনবা
ঐসিনা মঙোন্দা করি লানখিবা।
মরম লৈতনা শাউবদু উরে
হরিরাম কবিনা নুংদা কন্না নোক্লে ।।

## লোন

অসোমদনা শ্রীকৃষ্ণনা চন্দ্রাবলীগা লোয়নদুনা অহিঙ নোংশোয়বা পাশখেলানচিংবা শান্নরন্বদগী শান্নবা লোইরদুনা শয্যাদা লেংখত্তুনা চেপখ্রে। চন্দ্রাবলীনা সেবা ফংজখ্রে, চন্দ্রাবলীগী নীংজবা থুংহনবীখ্রে। অসুম্না নীংঙাইবা লৈতনা চেপ্লিবা কৃষ্ণদা নোংপোক থংবা মায়কৈদা থোক্লিবা চীংখৈ কৌবী লাইরেন্বীনা ঙাংঙ্রানবা মচুনা থৌগল তৌখ্রে। কৃষ্ণনা শয্যাদগী হাইফেৎ য়েংথোকখিবদা নুমিৎনা মঙাল পুদুনা তাইবং মায়তারকপদো হাইফেৎ উরুরে।

"য়েংঙু, চন্দ্রে ! নুমিৎ থোরক্লে, ইমা যশোদানা ঐবু ঙাইরল্লগনি। চৎলগে, বিদায় পীরো।" হায়না তাকপীবা ৱাহৈ অদো চন্দ্রাবলীনা খুমদে। ইবেন্মনা লৈরিবা মায়কৈদা ওন্দুনা মখূৎ অনী লোন্নদুনা ইবেন্মগী মফমদা - "হে ইবেন্মা রাধে ! নঙগী কৃপাদগী ঙসি ঐনা কৃষ্ণগী সেবা ফংজবনি, মতম লৈবা খিবিক্তা জয় ওইবীয়ু রাধে !" হায়দুনা থাপ্না ভক্তি কৎচরল্লগা শ্রীকৃষ্ণদা আভরণ পুথোক্তুনা কৎচৈ। শ্রীকৃষ্ণগী চরণ কোন্দুনা হঙ্গৎচৈ - "ঙসি কৌবা যামিনী অহিঙ অসিদা ননাইগী লাইবক ফবনা সেবা ফংজরে, লাক্কদবা যামিনী অহিঙদসু সেবা ফংবা পীনবীয়ুকো ইবুঙো !" - ইবেন্মগী লীচীংনা কনখিবনা আভরণ অসি অদুনি, অসিনি - হায়বা খঙখিদরে।

খুত্তা শিগদবা খুজীনা চরণদা, খোঙদা শিগদবা নূপুরনা খুদাংদা, চূড়ানা তুংলোমদা হুকথখরে। অদুগা চন্দ্রাবলীনা কৎচবা অশংবা শাড়ী অদু থোল্লে। ঙসি শ্রীকৃষ্ণনা অশংবা শাড়ী থোনবদি চন্দ্রাবলীনা কৃষ্ণবু সেবা ফংজবা মতমদা অশংবা শাড়ী অসি থোল্লু হায়না কৎচবদগীনি, মরমদি, চন্দ্রাবলীদি গুরুনা লংলা-লংজীন ওইনা সেবা তৌবী রমণীনি। গুরু হায়বদি শ্রীমতী রাধিকাবুনি। ইবেম্মা রাধাদি অশংবা শাড়ীদা থোনবী ইবেম্মনি। মরম অদুনা অশংবা শাড়ী অসি থোল্লিবনি।

শ্রীকৃষ্ণবু সখীশিংগা লোয়ননা থিন্দোরক্লে, লেঙথোরক্লিবা কৃষ্ণদো চেনসি চেনঙমদ্রে, তপ্পা চৎসি চৎঙমদ্রে, ভজন অনীনা চিংনবদা। ভজন হায়বদি তদীয় ভজনগা মদীয় ভজনগা চিংনবদা মরক্তা হাইখরে। ভজনগী মনুংদা ইবেম্মা রাধা ইবেম্মা চন্দ্রাবলী অনীগী লাইনিং ভজনগী - অসুম্না তদ্বীয়, মদ্বীয়, হায়রুবদনি, জীব ঐখোয়গী লান্নবগীদমক্তা জগৎ শেম্লবা ব্রহ্মা মহাত্মা প্রহ্লাদ ওইনা পোকখিদুনা ভজনগী মখল ৯ বু পুথোক্কুনা থম্বীরমই। (১) শ্রবনং, (২) কীর্ত্তনং, (৩) বিষ্ণো, (৪) স্মরনং, (৫) পাদ সেবনম, (৬) অর্চ্চনং, (৭) বন্দনং, (৮) দাস্যসখ্য, (৯) আত্মনিবেদনম্।। অসিনি। ৯ সিগী মনুংদা শান্ত, দাস্যসখ্য, বাসল্য মধুরং ৫ সিনা অথোইবনি। ৫ সিদগী মধুর হায়বসিনা হেনবনি। মসি শ্রীমতী ইবেম্মতনা ওইবনি। ইবেম্মদি, রাধানি। মরমসিনা অমনবু নীংলবসু লৌখ্রবসু লাইনীংসি তদ্বীয়, মদ্বীয় অনীসিগী লাইনীংসি তদ্বীয় হায়বা অসিনা চন্দ্রাবলীনা কৃষ্ণবু নীংজবা, চন্দ্রাবলী হায়বী ঐহাকসে কৃষ্ণ নঙগীনিকো হায়না নীংবা।

মদ্বীয় হায়বসিনা ইবেম্মনা নীংজবা, কৃষ্ণ হায়বা নঙ অসে কনামত্তগী নত্তে ঐ ইথন্তগীনি হায়না নীংজবা। ইথন্তগীনি হায়বদুনা কনবনিনা ইবেম্মনা শ্রীকৃষ্ণবু লৌনীংবা কান্দা হেক্তা লৌবা। চন্দ্রাবলীনসু তুংদা কন্না চিংখ্রে। তুং মাং চিংনরি শ্রীকৃষ্ণ।। অসুম্না চন্দ্রাবলীগী কাঙবু লৈহৌরে।

শ্রীকৃষ্ণনা চন্দ্রাবলীগী রতিচিহ্ন ময়াম অদু পুরদুনা কেশর কুঞ্জ তম্না লেঙলক্লে।।

## শ্লোক-শারা

ছন্দ:-
চন্দ্রাবল্যা

চন্দ্রাকুঞ্জদা ঙাল্লম্লনি থা
তাখিদৌরে মতম্না, থরো থাদোক্তুনা
খোইমুশিংনা, পাইনরক্লে থম্বাল তম্না।
লৌনরে - পীনরে য়াথং
লেঙলক্লে থীন্দনা কৃষ্ণ
রাধা রাধা কৌদুনা
কপ্পুনা য়ৌরক্লে কেশর কুঞ্জদা।।

## লোন

অসুম্না কেশর কুঞ্জ য়ৌরক্লে। কৃষ্ণনদি ইবেম্মা লৈরমগনি হায়না লেঙলকপা ইবেম্মদি লৈরমদবা। ইবেম্মনা চাইখায়রম্বা খুদম ময়াম অদু হেক উরুরে।

**ছন্দ/ছঞ্জ :**
পুষ্প পুঞ্জ
চন্দন কতর

### তাল-মেনকুপ অকুঙবী

কুঞ্জগী মনুংদা কৃষ্ণনা উরুরে
চাইখায়রম্বা লৈগী শয্যা
লোৎলম্বা মণি মাঙখ্রবা লিনগুম
কোয়না কোয়না থিরে কয়া।
অতৎপা লৈগী পরেংশিংনা
চোইনা চোইনা তাবা উরুরে,
চেল্লকপা ইচেন থিংখ্রে পন্না,
চেনফম লৈত্রদুনা ঙাওরে।
মাঙলেদো, ঐদি মাঙলেদো !
ঐনা মতম কুইনা তাঞ্জরকপা লন
ঙসি লোইনা মাঙখরে।।

ফৎত্রবী শৈব্যা পদ্মাগী খুজিন্না
রাধানা ঐবু শাউখরে, মতম কুইনা ... ।

## লোন

শ্রীকৃষ্ণদো অৱাবনা মাঙওইনদুনা মথন্তা ৱাখল তৌরকই -

## তাল-সান্না

| | |
|---|---|
| হায় কি হল | ওন্থোকপনি ! ঐনা ঙসি তৌরিবসে ! |
| পরমদ হয়ে | রাধাদা করি হায়না খুন্নসিবা ! |
| | মসি থোকহল্লিবসি শৈব্যা-পদ্মা |
| | মখোয় অনিনা থোকহল্লিবনি । |
| | মখোয়না ঐবু লমখাঙদা ফাবীরমদ্রবদি |
| | অসি থোক্লোইদবনি । |

## লোন

অসুম্না ৱাখল তৌদুনা, কনাগুম্বা সখা অমা য়াওবসু নত্তবনিনা, ৱাতাননীংঙাই লৈরক্ত্রবদুদা গতি লৈত্রদুনা কেশর কুঞ্জদা হৌরিবা নীংথিরবা হৈপাল-লৈপাল ময়ামদু য়েংলগা করি হায়রকই -

**ছন্দ/ছঙ :** **শ্লোক**

| | |
|---|---|
| কহ কহ | হে উপাল - ৱাপাল ! শজি মিত্তা তাবী, |
| তরুলতা | কাঙঙা খোঙথাং ঙমজবী, মায়থোঙনা থাগুম্বী, |
| | মোমোন নোকপদা পূক্লীং হুবী ইবেম্মদো |
| | মায়কৈ কদোমদা চৎখিবগে ? |

## লোন

মতৌ অসুম তৌনা শ্রীকৃষ্ণনা শ্রীমতী রাধিকাবু কোয়থি থিরকপা অদু বিশ্রাম কুঞ্জদা ললিতানা থাপ্লপ্না উরে। ললিতানা খল্লি - নোংঙাল্লমদাইদা লাক্লিবা অসিবু ওইরমগনিদা ! ওইরে-ওইরে, ওইরে। খুবাক খুদুনা মতোমতা পুংচোংদা চোংঙি পুংনোক্তা নোকই - সখী ময়ামসু ফুক ফুক হৌগৎতুনা - করিনো ললিতা। করি তৌরবগে ? য়েংঙু তু ...।

### তাল-তানচপ

আইল ২ আইল
শ্যাম

লাক্লে লাক্লে লাক্লে শ্যাম
য়েংঙউনে য়েংঙউনে (৩) য়েংঙু ।।
হাইনা হুম্না তুগদগুম্ (২)
লম্বী মফম খঙখিদরে
চন্দ্রাবলী প্রেম্না ময়াই
কারদুনা অঙাওবগুম
লাক্লে কুঞ্জগী লম্বী-লম্বীদা -।

### তাল-মেনকুপ

**ছন্দ/ছঞ্জ :**

আওত নবনাগর

পাইরক্লে খোইমু তাৎহৈবা,
লৈশক খল্লুবা। লৈহাও লৈকোন্নুংদা লোৎলুবা
লম্বী লম্মুক্লরমাল্লে লৌনম্বা।
লম্বী খঙঙিরোই, কাউবা ঙল্লিরোই,
ইকাইবা খঙঙিরোই, চঙলক্লনি শোয়রোই
মায়কৈ মল্লক্লে, ঐখোয়বু কিহল্লে
লক্লগে ফিজেৎনা লৈতেংলে।।

## লোন

অসুল্লা ললিতানা সখী ময়াম কৌথোক্তুনা ৱাতানৈ। ঐখোয়গী ইবেম্মগী মান অসি করম্বা মাননো ? সখী ময়াম্না খুমজৈ, কনানা খঙগনি ললিতা ! ইবেম্মগী পূক্নীংবু। অদুদগী ললিতানা ইবেম্মদা হঙ্গৎচৈ, হৌজিক্তি কৃষ্ণ লেঙলক্লে, ইবেম্মগী মানসিবু করম্বা মাননো ?

মমাঙঙৈদা মান তৌরিবনি হায়দুনা মান কয়া তৌখ্রে, কৃষ্ণনবু হায়রবদি হেক্তমক ইবেম্মগী মান অদু মাঙখি।

ইবেম্মনা, খঙদ্রেনে ললিতা ! অদু ওইরবদি রাধে, ঙসিদি খমথেংবা দুর্জয় মান তৌগদবনি, রাধে ! য়েংবীয়ুদো !

### তাল-মেনকুপ

আইসে নাগর

য়ৌরক্লগনি নমথাক হৈখ্রবনি।
ৱাখল তৌবীহৌনি, তুংগী খন্থবীনি।
চীরোল তাবীরুনু, হন্না য়েংবীরুনু
মায়থোং হাইগৎপীনু খরসু ৱাসনু (বেম্মা)।

## লোন

লেঙশিল্লক্লগা মাঙদা খুরু খুদক কুন্দুনা ফম্লনি, হায়জবনে, নোঞ্জবনে, লাল্লকপা। অপরাধদো মাঙননবা হোৎনরনি হায়জরনি। মতমদুদা মিংচীনা ফাওবা য়েংবীগনু। মান থাদোকপীগনু, মান তৌবীয়ু। হায়রম্লগা সখী ময়াম হৌগত্তুনা কৃষ্ণবু ঙাইদুনা লৈখ্রে। কৃষ্ণসু অসুম অসুম লেঙশিল্লকপনা সখীশিংগী নাক্তা য়ৌরক্লে। ইহান হান্নমক্তদা শ্রীকৃষ্ণনা ললিতাদা -

**ছন্দ/ছঞ্জ :** **তাল-তাঞ্চপ**

কপটিনী ললিতে

ললিতা নঙ হৈমল্লে,
ওন্ন-তৈনা হায়জিল্লে,
লৈহাউগী বন্দা ঙাইহল্লে,
বোকুলগী কুঞ্জদা লৈরল্লে।
লৌনমচাউবী, নমথাক - হৈবী,
ফৎত্রবী ললিতা ! নখোয় ময়াম থিরকপদা
তিংখংনা খোগায়রেনে হকচাংসে,
য়েংঙুনে-য়েংঙুনে, তিঙখংনা খেৎলেনে ।।

## লোন

অসুম হায়না শ্রীকৃষ্ণনা লৌনম তৌদুনা হায়রকপা অদুদা ললিতানা খুবাক খুদুনা ফাক-ফাক নোক্তুনা খুল্লকই - কিজরেদা ইবুংঙো ! নোংঙাল্লমদাইদা লেঙবীরক্লগা ঐখোয়দা অরানবা শীবীগে তৌবীরিবোইরে ! ইবুংঙোনা লৌনম তৌবদা চৎপা ললিতা নত্তেনে। ইবুংঙোদি কেশরগী শব্দার্থ-করিমতা খঙলমদ্রেদনা। নাগেশ্বর ঙাক্তা শাৎপা কুঞ্জবু কেশর কৌই, বোকুল ঙাক্তা হৌবা কুঞ্জসু কেশর কৌই, শওমগী মশোংসু কেশর কৌই, শগোলগী মশোংসু কেশর কৌই, কোক্তা হৌরিবা শম অসিসু কেশর কৌই।

কোক্তা নান্দুনা সঙ্কেত তৌবীরম্বা অদুগী অর্থ ননাই ঐখোয়না লৌজবদি-কেশরকুঞ্জ হায়না লৌজরে, নৎত্রবরনে ইবুংঙো? অদুগা কদায়দগী চম্পাকুঞ্জকা হায়দুনা তৌবীররিবা। কোক্তো ঙাওরুরেনে, হায়জগে ঃ-

**ঈশৈ শারা**

মালিকা লৈদা লৈহি থক্লিংদ্রদুনা
শগোইদাক মপান্দা লৈহি থক্লুবনা
খোইমু কৃষ্ণ মকোক ঙাওজবনি
অতৈ কনাগী দোষ নত্তে।

## লোন

ইবুংঙো হৈ-শিংলবা মকোক অদো খজিক্তুং লীৎখৎলকপদা ললিতা ঐনা হেক্তা নমদুনা ফাগদৌরিবনি। শ্রীকৃষ্ণনা তৌরকইবা ফিভম মতা অদু অসুম-অসুম য়েংশিল্লুরে হায়রগা ললিতা সখীনা হায়রকই ঃ-

ইবুংঙো! ঙসি থোল্লকইবা আভরণ অদুবু পূরক্লিবা হায়বদুরা, অদুগা থোল্লকইবা হায়বদুরা ? পূরকপা ওইরবদি ফৈ, থোল্লকপা ওইরবদি ঃ-

**ছন্দ/ছঞ্জ :** **তাল-তাঞ্চপ**

কে সাজালে নাগর

কনানা শেৎলকপা, কনানা শেল্লকপা,
হৈ-শিংবী সখী, কনানা শেৎলকপা।।
মিত্তা সিন্দুর, লাইবক্তা কাজল
হৈ-শিংবী সখীনা কনানা শেল্লকপা।
খোঙদা খুজী, খুত্তা নূপুর
ওন্না তৈনরে,ফজবনা লোইরেনে।য়েংবদবু কিজরে।
চঙবীরক্কনু ঐখোয় য়াম্না কিজরে
থাপ্না লৈবীয়ু ...।

## ভক্ত রূপে অবতার

**তাল-তাঞ্চপ**

ওহ্লোক্না ফজরে, মীশক ফাওবা খঙদরে,
শেৎলকপা ফিজেৎনা তাকপীরে
চূড়াসু তুংলোমদা হুকথরে।
সনা ফিগে পামদরে, অশংবা ফিদা খোয়দারে,
ঐখোয়দা লেন্নবীররে, কুচুগা ফিজুগা চূনরে।

## লোন

অসিগুম্বা খণ্ডিতাগী খুদম ময়াম অদু উবদা ললিতানা, হায়রিঙৈদা খরদুম হেন্না হায়হৌগে হায়দুনা।

**ছন্দ/ছঞ্জ :**

### তাল-মেনকুপ অকুংবা

খণ্ডিতার চেষ্টা — খণ্ডিতাগী খূদমশিং উবদা হায়রক্লি ললিতা
হেরি কহে ললিতা — কুচুদো মুবনিনা ইকায়বা খঙদেনে ইবুংঙোদি
থাদোক্লল্লগা চন্দ্রাবলী করিগী লাক্লিনো অসিদা
কোকথক্তা লৈতেংবা ব্রাহোংগী চূড়াদো
নঙ্গন্দা কনানা লৈতেংবিরক্লিনো, লক্লে ললিতানা।

### তাল-মেনকুপ অথুবা

দুরে দাড়াও হে — আদা থাপ্পা লেপ্লিয়ু নশক্তো খঙজদে কালা
চিনিনা ... — ইকায়জখ্রেদকো ইকায়জখ্রে,
নশক্তো লাকশিনবা ঙমজদ্রে,
য়েংঙুনে য়েংঙউনে ইতা রাধিকে
কনানা নম্বিরক্লিবনো সিন্দুরসিবু
য়াখুনসু তারে, হাইমা খূজিনগী মফমসু,
করি মরমগী চৎলুরিবনো মীগী নুপীনাক্তা,
চৎপিখ্রো চৎপিখ্রো নঙনা নুংশিজবা
চন্দ্রাবলীগী নাক্তা, হায়রকই ললিতানা।

## লোন

কৃষ্ণনা ঈশিংমক হেক লীত্তনা খুল্লকই - ইসে, ইসে, ইবেম্মখোয় ! অদুগীদমক্তা ওইরেকো নখোয়না শাউবীরিবদি, ব্রাখল অদু লাল্লে, ঙসি

অহিঙ অসে ইমানা হরগৌরী পূজা তৌই, পূজা অদুনদি কয়াদা থেংনা লোইখ্রে, দাওজীগা শয্যা অমতদা তূম্মিন্নে। নখোয়না ঙাইরল্লগনি হায়দুনা অফং-অফংবা খরা শেত্তুনা-শিদুনা লাকপনি।

| | |
|---|---|
| ললিতা | খুম্নীয়ু, খুম্নীয়ু ইবুংঙো ! |
| | ঐখোয়সু চপ চানা খুমজগনি। |
| | বৃন্দাবনদা হুরানবা অমা চৎলে হায়বসি |
| | কুইরে তাবা, ফাবা ইঙম ঙম্মদ্রদুনা লৈরিবনি। |
| | ঙসিদি হুরানবগী ১০ নি, মপুগী নোংমা ঙসি থোক্লেদো। |
| | হুরানবা হায়বসি, 'হুরাল্লি হুরাল্লি', হায়দুনা |
| | মীয়াৎ তাবা অমত্তা য়াওদে, |
| | ''হুরান্দে হুরান্দে'' হায়দুনা |
| | মীয়াৎ হেক্তা তাবনি।। |

| **ছন্দ/ছঞ্জ :** | **তাল-তাঞ্চপ** |
|---|---|
| যাও ২ যাও | ফাও-ফাও ফাও, হুরানবনি ফাও ! |
| কপট নাগর | হুরানবগী ৱাঙাং-শাঙাং, নুংঙাইরে তাসি লাউ। |
| | ফিজেৎতা ফিবমদা খুদম্না থল্লে, লাউ |
| | মীচমদি নত্তনা মীচম শারদুনা |
| | উইরুম উইরুম চঙলক্লে, থৎলো লাউ।। |
| | তারল্লোই, খঙলল্লোই, অপঙবীনি খল্লিবোই |
| | ললিতা বিশাখা ঐখোয় কৈসু ওইনা উদ্রবোই, |
| | য়ারোই, য়ারোই, চঙবা য়ারোই |
| | ঙাওশিন ফৈশিন্নবা য়ারোই।।|

## লোন

ইবুংঙো ! চেন্দুনা কান্নরোই, লোত্তুনা কান্নরোই, ঐনা হায়বসে শাউবীবা য়াই, শাউফদে। ইবুংঙোদি লৌনম হৈবদা চূরবনি, অদুনা কপট নাগর হায়বা মিংথোল ফংলবনি। কণ্ঠদা থোল্লিবা লং য়াওদনা লেঙবা লৈ পরেং অদুদি করিনি হায়গে-গে ? ইবুংঙোনা ফনা লৌনম তৌদুনসু য়াররোইনে, চন্দ্রাবলীনা লেঙবা লৈদি অতৈনা লেঙবা লৈগা লৈশক তীন্নদে, লৈ পরেং অদুনা য়াম্না নীংথিনা সাক্ষী লৈরেনে ইবুংঙো। ইবেন্মগী নাক্তা লেঙশনবা য়াররোই। হায়জবদা মায় পাক্লরোইদবা মফমদা লেঙশিন্দুনা কান্নররোই ইবুংঙো।

ইবেন্মগী য়াথং লৌদুনা ললিতা বিশাখা ঐখোয় অনিনা থোঙ ঙাক্লিবা অসিনি। ললিতাগী ৱা অদু তাবদা শ্রীকৃষ্ণনা ঃ-

কৃষ্ণনা — ইমা যশোদানা ঙসিদি য়াম্না থেংনা চেপ্তুনা ইমানা হেক চেপখিবগা হাথু হাথু তৌ-লাকপা অদুদা খুজি নূপুর অসি অফং অফং পংশি শিদুনা লাকপা অদুদা ওন্না তৈনরক্লবনি।

ললিতানা — মদু তাবদা ললিতানা, তুংলোমদা চূড়া হুকথরিবা অদুনা করি তৌরবা ?

কৃষ্ণনা — থেঙখরে হায়দুনা লম্বী পংশম হেক শমদুনা লাকপা অদুদা উরী ৱারীনা পন্দুনা হুকথরিবনি।

ললিতানা — সাড়ি অশংবা থোল্লিবা অদুনা কনাদগী ৱাইরকপা সাড়িনো।

কৃষ্ণনা — ঐনা তফিং তফিং তৌদুনা ফমুংদগী হেক হৌগৎলকপা অদুদা দাউজিগী খাংজেৎকা ওন্নরক্লবনি।

ললিতানা — ইবুংঙোগী অধরদা মুরিবা অদুনা করিনো ইবুংঙো !

কৃষ্ণনা — ঙসি ইমা যশোদানা কালি পূজা তৌই, পূজা তৌবগী যজ্ঞগী মৈতান ইমানা নম্বীরকপনি।

ললিতানা — যঙ্গুগী মৈতানবু চিন্থান্দা নম্বা হৌনদেদা ইবুংঙো। লাইবক্তা ঙাংলিবা অদুনা করি তৌরকপগীনো ?

কৃষ্ণনা — ইমানা কালিপুজা তৌবগী সিন্দুর নম্বীরকপনি ললিতে।

ললিতানা — ইবুংঙোগী শ্রীঅঙ্গদা খুজিন মফম অদুদি কনানা খোৎলকপনো। ইবুংঙোনা মদু তাবদা

কৃষ্ণনা — খুজিন মফম নত্তেনে, ললিতে, ইমানা ঐবু বাল্যগী ভাব তৌদুনা ঐবু তম্পাক্তা পম্বি, অদুদা খুজিনা তক্লবগী খুজি মফমনি।

ললিতানা — ইবুংঙোগী নিংথিরবা বদনদা লৈরিবা চিহ্ন অদুদি করিনি হায়গেগে ইবুংঙো।

কৃষ্ণনা — ঙসি য়াম্বুং বলরাম অমসুং সখা ময়ামগা ষন শেল্লুবদগী শঙ্গারকপদা ইমা যশোদানা ঐবু জগোই শাউ হায়, অদুদা ঐনা ওন্থোকপা জগোই অমা শারুরে অদুদা ইমানা য়াম্না নুংঙাইখ্রমাল্লে ঐবু কৌশিন্দুনা তম্পাক্তা পম্বিরগা বাল্যগী ভাব তৌদুনা ঐবু চুম্বন তৌবি, অদুগী চিহ্ননি ললিতে। অদু তাবদা অমুক ললিতানা করি হায়রকই।

ললিতানা — ফরে, ইবুংঙো, হায়রিবা পূম্নমক অদু অচুম্বা ওইরিগনি। ইবুংঙোদি লৌনম হৈবদা চূরবনি, অদুনা কপট নাগর হায়বা মিংথোন ফংলিবনি।।

## সখী ঈশৈ

**ছন্দ/ছঞ্জ :** **তাল-মেনকুপ**

যাও না মাধব

লেঙবীরো মাধব, লেঙবীরো মাধব !
ঙসিদি ইবেম্মা মান ওইখরে।
ললিতানা থোঙ ঙাকই, বিশাখাসু য়াওরি
চঙবা য়ারোই রাধাগী নাক্তা।।

কৃষ্ণ তনীক তনীক্লে,

রাধাবু খল্লুবদা থম্মোয়

তনীক তনীক্লে ।।

## লোন

অসুম্না সখী ময়াম্না ইম্বোকপীরে। ইবেম্মগী মনাক্তা চঙবা ঙমদ্রে। মতাং চানা বৃন্দা লাকপা উরে। বৃন্দাদা কৃষ্ণনা হায়জৈ, বৃন্দা নঙনা চানবীদুনা ঐবু ইবেম্মগী মনাক্তা পুশিনবীয়ু। মদু তাবদা বৃন্দানা খল্লি, পুশিন্দ্রবদি লীলা অসি মপূং ফারোইদৌরি। লীলা য়েংজগে হায়দুনা লৈজরিবীনি ।।

বৃন্দা ইবুংঙো সখীশিংনা ইম্বোকপীরব্রনে? ইবেম্মগী নাক্তা পুশিনবা ননাই বৃন্দাগী ইতিক্লি। লেঙশিনসি অদুগা ইবুংঙো, নমিৎ নানা চোইবা য়াদেকো ! মীৎচিদুনা কোৎলুবদগী থোকইবনিকো। য়াম্না নোল্লুক্লা হায়জগদবনিকো ঃ-

অসি হায়দুনা বৃন্দা কৃষ্ণ চঙলক্লে, খুরু-খুদক কুন্দুনা ফম্মী। বৃন্দানা খুৎ অনী লোন্নদুনা, ইবেম্মা ননাই বৃন্দা লাকচরি, ননাইনা খুরুমজরি। নবুংঙো কৃষ্ণ লেঙঙক্লে, ঙসাইমখৈদি লেংঙক্ত্রে হায়দুনা য়াম্না কপ্পীরম্বদাই ? বৃন্দাগী ৱাদু তাবদা ইবেম্মা চাক্লিবা মৈদা ঘী হৈবগুম্না থোকখিদুনা বৃন্দাদা, করিগীনো বৃন্দে, মফমসিদগী খরা থুনা চৎখ্রো ! বৃন্দানা খুমদ্রিঙৈদা কৃষ্ণনা, ওগো শ্রীমতী ! 'মান' থাদোকপীরো ঐ লাকচরে। ইবেম্মনা খুমদ্রিঙৈদা বৃন্দানা ঃ তাবীরেদনা ঠাকুর, ইবেম্মদি 'মান' গী যজ্ঞ পূর্ণাহুতি কৎখ্রে। উপায় লৈত্রে, ঐগী শক্তি লৈরোইদৌরে, হায়দুনা মীচঙ ওইগনি হায়দুনা লোয়নরক্লিবা বৃন্দাদো হুৎ লৈথোকখ্রে।

কৃষ্ণ বৃন্দা নঙগী ৱাদো ঐ তশেংনা খঙবা ঙমদ্রে।

বৃন্দা অদুনি অদানি, কৈস্সু লৈতে, অনৌবা প্রাণেশ্বরীগী প্রাণেশ্বর ওইদুনা য়াম্না নুংঙাইনা লৈবীরু, অসিনিদনা।

কৃষ্ণ বৃন্দা, ঐদি কনাগীসু প্রাণেশ্বর নত্তে-রাধানা ঐগী প্রাণেশ্বরীনি। ঐনা রাধাগী প্রাণেশ্বরনি।

## সূত্র

কৃষ্ণসু বৃন্দাসু তুমিন্না লৈখ্রে।

## লোন

মতৌ অসুম তৌনা কৃষ্ণনা সখীগা মপু-মনাই অসুম ঙাংনরিঙৈ অদুদা শ্রীমতী ইবেম্মনা মিৎচীনা হাইরপ য়েংলল্লগা নয়ন অনীমক্তগী পিগী ধারানা অতৎপা লৈতনা শিন্থরক্লে। শিন্থরকপা পিনা পৃথ্বীদা তাখিবা লৈপাক্তা শ্রীমতী ইবেম্মনা খুৎনা তকপদগী লৈখোম থোক্লে। খুৎনা পৃথ্বীদা তক্লা তক্লা হায়রকই -

**ছন্দ/ছঞ্জ :** **তাল-মেনকুপ**

কোথা-য়ে তাবীয়ুনে, মুরারী ! লেল্লুই কদায়'
পোহাইল নিশি নোংঙান'ফাও' অহিঙ চুপ্পা মতমদো।
মায়থোং থম্বাল মকশিল্লে,
ৱাহোং মতু চূড়া কেন্,
য়াখুন পরেং লৈরেনে,
ঙাংঙ্গানবা চীনবান্দা।
উজবদা লৈইদো থম্মোয় ঐগী কায়রেনে।
শকফম অদু উবদা ঐদি ইপেন পেঞ্জরে,
লেঙলো, হৌজিক হরাওনা।

## লোন

ইবুংঙো নঙবু মুন্নবদি নন্দনিদো যশোদানিদো, সখানিদো, ভক্তনিদো, অদুগা বৈষ্ণবনিদো। অদুগুম্বা ইবুংঙো নঙবু মিৎনা কুপ্পা অমত্তা উদবদা নুংশিবীদবা অদুগুম্বা রাধাগী সাক্ষী কনানো ! খঙবীহৌ সাক্ষী সুর্য্য দিনমণিনে।।

**ছন্দ/ছঞ্জ :**

**তাল-তাঞ্চপ**

সাক্ষী দিনমণি
আজুহনে
সঙ্গ ভঙ্গ

নুমিৎনা সাক্ষী ওইরসনু ! কায়নরসি ঙসিদগীদি।।
লাইবকফবী মগুণচেনবী থম্বালমানবী চন্দ্রাবলীনি
ঐদি কনা লৈজদ্রবী লাইবকথিবী শকথিবী
বৃষভানুনা পোকচবনি।
জটিলাগী মমৌ বৃষভানুনা পোকচবীনি
ঐদি পরনারীনি শোকপিরনু, শোকপিরনু
ঙসিদগীদি ইবুংঙো।
ঐদি পাপ চেল্লবীনি, মীনোক মীশা লাংলবীনি,
ঐদি শকথিবীনি, অদুনা নঙগী চান্নরবী চন্দ্রাগা
অহিঙ লেনবা ঙল্লিবনি
প্রাণনাথ ঐদি কংশিল্লবী থম্বালনি।

## শ্লোক

শিশু কাল হইতে

অঙাং ওইরিঙৈদগী শোঞ্জদুনা লাকপদো
ওইরে ঙসিদগী অরোইবা।
শোনবিরনু ঙসিদগী রাধাগী মিংসে শ্যাম রাই
কায়নরেকো ঙসিদগী সাক্ষী ওইবিয়ু শ্রীবৃন্দাবন।

## লোন

ইবেন্মনা থম্মোয় শোক্লা হায়রকই - ইবুংঙো ! ননাই তোল্লবী রাধা ঐসে ঐগী ইমা কীর্ত্তিদানা হেক পোকপা মতমদা ঐগী ইমিৎ অসি পূমতাং তাঙনা পোকপনি, মরমদি ঐনা মিৎ অসি পাংনা পোক্লবদি অতোপ্পা সংসারদা লৈরিবা পোৎশক অসি উরগনি হায়দুনা ইমিৎ অসি তাংনা পোকপনি ! মতম অদুদা ইবুংঙো নঙনা লেঙলক্তুনা শ্রীহস্তনা ঐগী ইমিত্তা নানবীদুনা "রাধে নমিৎ পাংলো" হায়না তাকপীবা অদুদা ইমিৎসি পাংদুনা শ্রীমূর্ত্তি দর্শন ফংজবনি। নুমিৎ অদুদা ঐগী থৱায় হকচাং পঞ্চপ্রাণ ইবুংঙোগী চরণদা কৎখিবা নৎত্রো ? অদুগবু -

## প্রাণ অপান, সমান, উদ্যান, জ্ঞান

**ছন্দ/ছঞ্জ :** **তাল-মেনকুপ**

কেনে ভুলিল নাগর
ঙকই, কাউমল্লি নাগর, কাউমল্লি নাগর !
অদুক কাউগনবা নঙনা
অরেপ্পা ৱাঙাং শীজিন্নবোই শ্যাম।

## লোন

ইবুংঙোনা মমাঙঙৈ পূর্ব্ব রাগগী মতমদা কদম পান্বী মখোঙদা বাঁশী পায়রদুনা রাধে নঙবু থাদোক্লোই, কৃষ্ণ ঐসে নহাক্কীনি হায়না তাকপীখিবদো ।।

নৌতুন রমনী
অনৌবা উরগা ৱাখল লেপ্তুবা, নহৌশারা শ্যাম?
ঐদি পঙলবীনি, পাপনা থল্লবীনি,
কাউবীরোকো শ্যাম।
ঙসিসে ঐগী অরোইবনি, কাউবীরনুকো।

# লোন

লেঙবীখরো মাধব ! হনবীখরো বানীর কুঞ্জদা শান্নবীরুরো । নঙগী চরণতনি, অতৈ পামজদে। মপোক মপোক খুদিংদসু, হিংলিঙৈদসু, শিরগসু নঙগী চরণ সেবা ফংহনবীয়ু । করি ওইদুনা পোক্লুগনি খঙদ্রবা মীওইবগী মপোক্কি ননাইনা পোকচবা খুদিংদা চরণ থৌগল ফংহনবীয়ু । মতৌ অসুম্না শ্রীমতী ইবেম্মনা শাউদুনা হায়রকপা পূম্নমক অদু শ্রীকৃষ্ণদা নুংশিবা অপেনবমক্তা ওইনা থোকই । শ্রীমতী ইবেম্মগী থাগী মঙাল অদুনা থাবল ওইদুনা শ্রীকৃষ্ণগী অকিবগী মশক ওইবা অমম্ববু মাঙহল্লি । অচম্বা শীংদগী থোরকপা মৈখুদি নুংঙাইতবগী মশক ওই, অদুগা অগর চন্দন্দগী থোরকপা মৈখুদি নুংঙাইবগী মশক ওইবা অদুগুম্বা শ্রীমতী ইবেম্মনা শাউদুনা চৈহৎতুনা ঙাংলিবা পূম্নমক অদুদি শ্রীকৃষ্ণদা অপেনবা মক্তা ওইনা থোকই । শ্রীমতী ইবেম্মগী থাগী মঙাল অদুনা থাবল ওইদুনা শ্রীকৃষ্ণনা অতোপ্পা রমনী অমগা শান্নরুদুনা রাধানা করি হায়রমগদগে হায়দুনা রাধাবু কিনা লাকপা কৃষ্ণগী পূক্নীংদা ওইরিবা অকিবা অদুনা অমম্বা ওইরে ।

কৃষ্ণনা কিবা লৈবা হৌনদে। ''যদ্ ভয়াদ্ বাতি বাতোয়ং'' ইবুংঙো মহাকপু কিবনা নুংশিৎ শিৎলিবনি, হায়বদি মহাকপু কিবদগী তাইবংপানবনা মাগী মাগী মশিল তৌরিবনি অসুম হায়নসু স্মৃতিনা হায়রি । অদুগা ''যদ্ধিভেতি স্বয়ং ভয়ং'' হায়বদি, অকিবা হায়বা অদুনা মহাকপু কিরিবনি অসুম হায়না স্মৃতিনা হায়রি ।

অদুম্নদি ওইরবদা শ্রীকৃষ্ণদি রস পূম্নমক্কী তূংনফমনি, ভয়ানক রসসু ইবুংঙো মঙোন্দা লৈরিবনি । প্রেমগী মখা পোনবা কৃষ্ণনিনা প্রেম্না মহাকপু পুল্লি । প্রেমগী তূংনফম ওইনা ভক্তদদি ইবুংঙো মহাক্না কি । মাখন হুরুবগী মমা যশোদানা চৈরগা কি । প্রেমাবতী শ্রীমতী ইবেম্মা রাধাগী মফমদদি থাঙ্গৈশেংনমক কি । করিনা ইবেম্মদা লাল্লুরে অতোপ্পা রমনী অমগা শান্নরুরে । মরম অদুনা শ্রীকৃষ্ণনা ইবেম্মদা হায়জরি । অসুম হায়না শ্রীকৃষ্ণনা হায়জবা অদু শ্রীমতী ইবেম্মনা করিসু তাখিদরে, হন্না হন্না কৃষ্ণনা হায়জৈ ।

## যাবনাই প্রিয়ে

**ছন্দ/ছঞ্জ :** **তাল-মেনকুপ**

যাব নাই

চৎলরোই প্রিয়ে চৎলরোই
শ্রীচরণ নাক্তা লৈজরগে ।।
চচ্চরোই প্রাণ প্রিয়ে
শ্রীচরণ কোন্দুনা লৈজরগে ।।
রাধে নঙনা উপাললনি
ঐনা উরীনি
হে-রাধে, নঙগী চরণ অনীদা
য়েৎতুনা লৈজরগে ।
রাধে নঙনা পিঞ্জুরানি ঐনা চেক্লানি
য়েংঙউনে রাধে, নঙগী প্রেম পিঞ্জুরাদা
বন্দী ওইদুনা লৈজরবনি রাধে ।।

## লোন

রাধে ঐনা নঙবু থাদোক্তুনা কদাইদা চৎকদগে রাধে ! গোলোক থাদোক্তুনা গোকুলদা নিংথৌগী মচা ওইনা পোক্লগা বনদা যণ শেনবা কোয়না চৎলিবা অসিবু রাধে নহাক্কীদমক নৎত্রনে ? রাধে নঙগী মান ফংলবা কৃষ্ণ ঐনা কনাদা চংজফম লৌগদগে রাধে। কৃষ্ণ ঐনা তোল্লবা গোপগী জাৎতা পোক্লরিবা অসিবু রাধে নহাক্কীদমক নৎত্রনে ?

য়েংঙউনে রাধে, ঐগী ইকোক থক্তা হাপ্লিবা চূড়াদা রাধা হায়বা নহাক্কী নমিং লৈরিবসে, জগৎতা রাধে নহাক্কী নখা পোনবনি হায়বা খঙহল্লিবনিনে রাধে।

অদুগা ঐনা বাঁশী পায়বদি রাধে নঙবুতা কৌনবা পায়বনি । রাধা কুণ্ডদা নঙবু ধ্যান তৌজবদগী রাধা বল্লভ হায়বা মিংথোল ফংলিবনি । অদুগা ঐনা পীতবসন সনা ফীগে শেৎপদি রাধে নঙগী কুচু তমজবনি । অমুক্তা য়েংঙউনে রাধে ।

**ছন্দ/ছঞ্জ :**

## তাল-শারা

রাধে তুমি আমার
জীবনের জীবন

রাধে নঙদি ঐগী থব্রায়গী থব্রায়নি,
চৎলোই কদায়দসু নঙবু থাদোক্তুনা
নঙগীদমক্তা ঐনা গোলোক থাদোক্তুনা
পোক্লবনি গোপ শাগৈদা, খঙদব্রনে নঙবু।
থাজদ্রগা য়েংঙুনে চূড়াগী মখোঙদা
নঙগী রাধা হায়বা ময়েক অনী ইদুনা লৈরিসে।
ব্রারৌবদো তোকপিরোনে থম্মোয়গী মবেম্মা
নঙগী চরণদা থমজরগে চুড়া বাঁশী।
মপোক মপোক্তা হিংবদসু শিবদসু
ওইজসনু নঙগী তোল্লবা ননাই।
খোঙথাং খুদিং নঙগী চরণ উবদা
থাদোক্তবা ওইসনু চরণ যুগোল।
মালেম লৈমায়দা উফুল - ব্রাইফুল মরক্তা।

## তাল-মেন তাঞ্চপ

যাওরে যাও যাও
পাপিনী হামুরে

লেঙখ্রোনে লেঙখ্রো
পাপ চেল্লবীনি ঐহাক্তি
হে ইবুংঙো।।
খঙজরে খঙজরে খঙজরে মাধব।।
কনা লৈজদ্রবী তোল্লবীনি
লাইবক থীরবী রাধা ঐনি
হে মাধব।।
অসুক কুইবসে নমথাক ওইরল্লে
ঙসিদি খঙজরে চপ চানা মাধব।।

*(ঈশৈ অসি একতালদসু শকপা য়াই অদুগা ঝপ তালদা শকপসু য়াই)*

বদসি যদি হায়বীসি নীংথিবা ৱাঙাং খরদংদা
ৱাবসে কোক্কনি য়াতোন্দো
মায়থোংগী অমৃতবু খৌরাংজনা ঙাইজরি
নোংইনগুম ইমিৎসিনা, হে রাধে !

**বদসি যদি কিঞ্চিদপি দন্তরুচিকৌমুদী হরতি**
**দরতি মিরমতিঘোরম্ ।**
**স্ফুরদধরসীধবে তব বদনচন্দ্রমা রোচয়তিলোচন চকোরম্ ।।**
**প্রিয়ে চারুশীলে মুঞ্চ ময়ি মানমনিদানম্ ।**
**সপদি মদনানলো দহতি মম মানসং দেহি**
**মুখকমলমধুপানম্ ।।**
**স্মরগরলখণ্ডনং মম শিরসি মণ্ডনম্ দেহি পদপল্লবমুদারম্ ।**
**জ্বলতি ময়ি দারুণো মদন কদনানলো হরতু**
**তদুপাহিত বিকারম্ ।**
**ইতি চটুলাচাটুপটুচারু মুরবৈরিণোরাধিকামধি বচনজাতম্ ।**
**জয়তি পদ্মাবতীরমণ জয়দেবকবি ভারতীভণি তমতি শাতম্ ।।**

বদসি যদি ৱাহৈ'মতা ঙাংলবদি
ময়া পরেং' থাবলনা হুনি অকি-অমম্বা
মায়থোং-থাজ ঙাল্লবা চীনবান্দনা অমৃত
নোংইন মিৎনা খৌরাংবা
চণ্ডখোল্লবী নুংশিবী !
মরম চাদ' ঐঙোন্দা ওইনবদু থারোনা ।। ১।।
মানদো হৌঔদগীবু চাক্লে ঐগী থনুংসে
মদন খাম্বী মৈরীনা

মায়থোং থম্বাল খোইহীদো পীনবীয়ু থক্কেনা ।। ২।।
য়াতা ফজবী নহাক্কা ঐবু তশেংনা শাউরদি
মিংকী তেঞ্জে অথৌবা পালহল্লুদা ঐঙোন্দা ।।
পাম্বোম্মা কোনশিল্লু, চীকউ মফম মফমদা
তৌরো য়ারে ঐঙোন্দা নঙনা নুংঙাইদৌবা ।। ৩।।
মতম লৈবা খিবিক্তা নঙনা ঐবু চানবীবা
মদুতনি থম্মোয়না পামজবদি কন্নদি ।। ৪।।
নঙগী মিংতো তবাবী থম্বাল' শংবা মানবীদো
থম্বাল' ঙাংবা কুচুবু লৌরদুনা শক-ওনবা
মদন তেঞ্জে মতৌদা ঐগী কুচু অমুববু ঙাংহনববু
ঙল্লদি মিংঙাঙ' মমল ফংনিবা ।। ৫।।
কুচকুম্ভ মথক্তা লেংলেং লাউনা লেংলিবা
মণিমালা অদুনা লৈতেংসনু থবাক্তো।
নোয়'বা জঘন মণ্ডলদা ঙংজরিবা
মেখলা লাউথোকসনু, অথুম্বদি য়াথংদো ।। ৬।।
য়াথং পীরো খোম্ভুম্বী ! ঐগী থবাক লৈতেংবা
স্থলকমল ঙমজবা নখোঙ থম্বাল অনিদো
রতিরঙ্গ মতমদা য়ৌনা পাম্বা খুয়াদো
অলক্তকরাগদি নীংবা থুংনা থাগেদো ।। ৭।।
কামগী হূবু মাঙহন্নবা ঐগা ইকোক্তা লৈতেংবা
অনীঙ-অনীঙ থুংহনবা পীরো "পদপল্লব"।
শাথীরবা মদননা নৈরকপগী মৈচাক্কা
চাক্লিবসি থম্মোয়দা নখুয়ানা মুৎলিবা ।। ৮।।
রাধিকাগী মফমদা নীঙথিজবা ৱাহৈনা
মুরারীনা হৈনবু তৌখিবদি চীরোন্দা

পদ্মাবতী মবুংঙো জয়দেব কবিনা
নুংঙাই ঈশৈ লেংবসে জয় ওইনা ওইনিকো ।।

## লোন

অসুম হায়না শ্রীকৃষ্ণনা হায়জবা অদু শ্রীমতী ইবেম্মনা করিসু হন্না য়েংখিদরে। ইবেম্মগী মান অদু তোকউ হায়বা ময়াখিদ্রবা অদুদা শ্রীকৃষ্ণনা করি খল্লকই, চূড়া সমর্পন তৌরগে হায়না খল্লদুনা শ্রীকৃষ্ণনা কোক্তগী চূড়া লৌথোক্লে, বাঁশীগা চূড়াগা খুৎনা পায়রে হায়রগা শ্রীমতী ইবেম্মগী মমাঙদা চংশিল্লক্তুনা হায়জরকই।

ইবেম্মা রাধে নহাক্লা ঐবু ইম্বোকপিরবনিনা হৌজিক ঐগী ইকোক্তা চূড়া হাপ্লদুনা করি কান্নগদগে ? অদুগা রাধা হায়বা নহাক্কী নামদগী হেন্না হায়যু হায়বা থোক্ত্রবা বাঁশী অসি ঐনা হৌজিক পায়রুদুনা করি তৌনরদগে। বাঁশী চূড়া অসিতদি লৌশিনবিয়ুনে, রাধে, লৈওইনা নঙোন্দা কৎচরবনি।

**ছন্দ/ছঞ্জ :** **তাল-মেনকুপ**

তেজিলে ঐনা লাঞ্জরে চরণদা চঙজরে
তেজো কৎচরে ঐগী চূড়া বাঁশী।
পূকচেল ফজবী পূর্ণিমা ঙমজবী
চঙজরবা ঐবু চানবীয়ু ঙসি।
ৰাশকচরবনি, চূড়ানা সাক্ষীনি
থাদোকচররোই পুন্সিগী
হকচাং অমতনি, থৱায় অমতনি
ঐবু অদুক শাউবীবা করিগী ।।

## শ্লোক

*শৃণু কমলিনী রাধে ! সর্ব্বপ্রেমরগাধে*
*বিধুবর বড় নিন্দে, তব মুখরবিন্দে*
*যদি মমাপরাধ মর্জ্জত্য করুণাধ্যে*
*মমশির শিখিচন্দ্র পাদপদ্ম বিদ্যেহি ।*

**ছন্দ/ছঞ্জ :**

## তাল-মেন তাঞ্চপ

মান ভিক্ষাং দেহি

রাধে চানবীয়ু ভিক্ষা হাপ্পীয়ু ।
লাল্লে লাল্লে, ঐনা লাল্লে ।
নিজৈ ফিগাও শানা
চঙজৈ নোল্লুক্লা ।
মোমোন নোকপা মীনোক
মায়থোং থানা, মন্নবা ঐগী
থম্মোয় ঙালহনবিরোনে ।।

## লোন

ইবেন্মা রাধে, কৃষ্ণ ঐগী চঙজফম কনাদনো ? রাধে নঙগী মান ফংলবা নঙনা ইঙ্খোক্লবা কৃষ্ণ ঐনা কনাদা চঙজফম লৌগদগেনে রাধে ।

## শ্লোক

***ব্যথয়তি বৃথা মৌনং ত্বনি***
***প্র-পঞ্চয় পঞ্চমং ।***
***তরুনী মধুর লাপৈ স্তাপং***
***বিনোদয় দৃষ্টতি ।***
***সুমুখি বিমুখি ভাবং***
***তাবদ্বিমুঞ্চন মুঞ্চমাং ।***

## লোন

শ্রীকৃষ্ণনা অসি য়ৌনা হায়জরবা ফাওবদা শ্রীমতী ইবেম্মনা মান থাদোক্ত্রবা অদুদা শ্রীকৃষ্ণনা গতি তৌনিংঙাই লৈরক্ত্রবা মতম অদুদা ৱাখল তৌরকই। কনাদা হায়জরগা রাধানা মান তোক্কদগে, বৃন্দা নত্তনদি অতৈ অমদা হায়রুদুনা কান্নররোই হায়দুনা বৃন্দা সখীদা শ্রীকৃষ্ণনা হায়রকই। বৃন্দা নঙনা অমুক্তা উপায় তৌবিদুনা কৃষ্ণ ঐনা ৱারিবসে অমুক্তা কোকহল্লুনে, বৃন্দে রাধাগী মান তোক্লনবা নঙনা অমুক্তা উপায় তৌবিয়ু বৃন্দে।

শ্রীকৃষ্ণগী ৱা অদু তাবদা বৃন্দা সখীনা করি খুন্নকই, রাধাগী মান তোকহনবা ননাই বৃন্দাগী ইতিক লৈজদে ইবুংঙো। চন্দ্রাবলীগীদা লেঙশিল্লমদাইদদি ৱাখল তৌবিহৌদ্রবরা ইবুংঙো, লেঙশিল্লুরে হায়রগা তুংদা অসি থোক্কনি হায়বদি হান্না ৱাখল তৌবিহৌদ্রবরা ইবুংঙো !

বৃন্দাগী ৱাদু তাবদা শ্রীকৃষ্ণনা করি হায়রকই -

| **ছন্দ/ছঞ্জ :** | **তাল-মেনকুপ** |
|---|---|
| কহ (২) আরে | হে বৃন্দে চানবীয়ুনে, ব্রজলীলা শিনবিরিবী।। |
| সখী শ্যাম বিনে | উপায় লৈত্রবা কৃষ্ণ ঐনি-<br>ঐবু নুংশিবিদ্রবরা ।।<br>রাধাগী চান্নথোইরবী বৃন্দে,<br>শ্রীচরণদা পুশিনবিয়ু লমন শিংজগনি<br>মপোক মপোক্তা কাউজরোই। |

## লোন

| | |
|---|---|
| বৃন্দানা | ফরে ইবুংঙো, ননাই ঐনা হায়জবদি য়াবিগনিদনা ? |
| কৃষ্ণনা | করি ৱানো বৃন্দে, নঙনা হায়বদা কৃষ্ণ ঐনা করম্বা য়াখিদবা লৈবগে ? করি তৌরগা রাধানা মান তোক্কদগে হায়য়ুনে বৃন্দে। |

| | |
|---|---|
| বৃন্দানা | অদু ওইরবদি দাসখত অমতং পিবিয়ু - দাসখত অদু ইবেম্মদা কৎতুনা ঐ অমুক্তং হায়জদুনা য়েংজগে, ইবিরো ইবুংঙো। |
| | বৃন্দাগী ৱা অদু তাবদা শ্রীকৃষ্ণনা করি হায়রকই - |
| কৃষ্ণনা | বৃন্দে ! ঐদি লাইরিক ইবা হৈতেনে, বৃন্দে। |
| বৃন্দানা | করি ৱানো ইবুংঙো, নিংথৌগী মচা ওইনা পোল্লগা লাইরিক হৈতে হায়বা অসিবু জগৎনা করি হায়গদগে ইবুংঙো ! |
| কৃষ্ণনা | চুমইনে বৃন্দে, ঐগী প্রেমময়ী রাধানা ঐবু লাইরিক হৈহন্দেনে। |
| বৃন্দানা | করি ৱানো ইবুংঙো। ঐখোয়গী ইবেম্মনা ইবুংঙোনা লাইরিক তম্বদা খুৎ পায়দুনা খাল্লবরনে ? |
| কৃষ্ণনা | বৃন্দে, খুৎ পায়দুনা খামদেদি হায়ববু ঐনা গর্গ মুনিদা লাইরিক তম্বা চৎপদা ঐগী লাইরিক অদু ফাকথোকপদা লাইরিক অদু হেক হাইদোকপদা ঐগী লাইরিক অদুদা রাধা নত্তনা অতে অতে ময়েক অমত্তা উবা লৈতেনে, বৃন্দে। অদুগা বৃন্দে, মতম অয়াম্বদা ঐনা লাইরিক তমগদবা মতমদসু কৃষ্ণ ঐনদি তোল্লবা গোপগী জাৎতা পোল্লবনিনা জাতিগী ধর্ম্মগী হৌনবা বনদা ষণ শেনবা কোয়না চৎলিদো। |

**ছন্দ/ছঞ্জ :** **তাল-তাঞ্চপ**

| | |
|---|---|
| লেও ২ | বন বনদা ষণ শেল্লি, |
| হরিনাম | কুঞ্জ কুঞ্জদা বাঁশী খোংই ।। |
| | ব্রজগী য়ুম খুদিংদা |
| | ননী মাখন হুরাল্লি ।। |

## লোন

অদুগা বৃন্দে, ঐনা তৌদবা য়াদবা থবক অমদি ঃ

## ঈশৈ

দান ঘাটতা হিরাল্লি
রাধা কুণ্ডদা ধ্যান তৌজৈ ।।

## লোন

ঐনা লাইরিক হৈতে হায়বদি মরম অসিননি বৃন্দা ।

বৃন্দানা সহি তৌবিবদি ঙমগনিদনা ইবুংঙো ?
অসুম হায়না ঙাংনদুনা বৃন্দাগা মপু মনাই তান্নদুনা
শ্রীকৃষ্ণনা দাসখত অমা ইরে, শ্রীহস্তনা সহি তৌরে ।
বৃন্দানা দাসখত অদু ইবেম্মদা কৎলে,
মরমদি করি হায়রি ঃ

## শ্লোক

*ইয়াদি কির্দ্দ গুণ সমুদ্র শত সাধু শ্রীরাধা ।*
*সদুদারস্য চরিত তস্য পুরাহ মম সাধা ।।*
*তস্য খাতক হরি নায়ক বসতিব্রজপুরী কস্য কর্জ্জ।*
*পত্রমিদং লিখিনং সুকুমারী ।।*

*ইহার লভ্য পাইবে দিব্য।*
*প্রেম অখিল ভরি ।।*

*যখন তিন বাঞ্ছা পূরণ ঋণ শোধব।*
*সুদ সহিত কলিযুগে।।*
*এই করারে লিখিলাম রাই তোমারে।*
*খত দিয়েছি আমি ইতি।।-*
অসি ওইরে ইবেম্মা।

## লোন

শ্রীকৃষ্ণনা দাসখত অদু ইবেম্মদা কৎলবা অদুদা সখীশিংনা ইবেম্মবু সান্ত্বনা তৌরি। ইবেম্মা রাধে মান তোক্লো, তুংদা অৱাবা তারগনি। য়েংঙু রাধে, শ্রীকৃষ্ণনা ইবেম্মা নঙোন্দা খরা লাল্লুবগীদমক উফুল মরক্তা ওন থোইনা লৈরিবসে।

## সখী সান্ত্বনা

**ছন্দ/ছঞ্জ :** **তাল-মেন তাঞ্চপ**

মান ধয্যং করু

মান থাদোকপিরো, মান থাদোকপিরো
বৃষভানু মমোল্লোই।
য়েংঙুনে নটবরসে উফুল ৱাইফুল মরক্তা
শিন্থুরি পিরাং মিৎস্না অনীসে।
ৱারৌ-পূক্লৌ চাউবী ! ভানুনা পোকচবী।
মান থাদোকপিরো, রাই কমলিনী।
তপথবিয়ু পূক্লিং, তপথবিয়ু পূক্লিং
রাধে জয় রাধে।

## লোন

ননাই ঐখোয় পুবা ঙল্লক্ত্রে। কৃষ্ণ হায়বসে ইবেম্মা নিখিল, যুবতী, ত্বতি, কৃতপদ সেবে, মরোল অহুম্মক্তা লৈরিবা যুবতীশিংসে ইবুংঙো মহাক্কী

চরণ অমুক্তং ফংজগে নীংজবদা ফংঙমদ্রবা কৃষ্ণনি। নুপী ওইবীগী পূকচেলনা অদুক য়াম্না কঠিনা ওইবা হৌনদে। মান থাদোকপীরো ইবেন্মা।

মান থাদোক্লে, পূক্লিং তপথরে, য়েংজে শ্যামগী মায়থোঙদা। চামর থৌগল্লি রাধা বল্লভ অনী নকশিন্না লেপমিন্নে।

**ছন্দ/ছঞ্জ :** **তাল-চাল্লি**

নয়নে (২) শকহেনবী রাধা, মিলন ওইরে মাধবকা

দুহু মিলন মান থাদোকউ য়াদবী ইবেন্মা, মান থাদোকখ্রে

চেল্লা অনী চিল্লোক্লখ্রে

মায়থোঙ থম্বাল য়েংনরগা, মিংস্না লাইজ ঈহৌরক্লে।।

সখীশিংসু নুংঙাইজরে, হরাও-ঈপাক্তা তাওখরে,

থম্মোয় থম্মোয় পূনখ্রে।

নুংঙাইবা মতোন লোমখ্রে,

অনীগী মিলন উজবদা পেঞ্জে বিদ্যাপতিসু।।

## সম্ভোগ

### অপরূপ ... মিলন

### তাল-চাল্লি

চাংদম লৈতে রাধা মাধবসে,

দুর্জয় মান ওইরুবীগী মানদো কায়খরে

শ্যামনা খোইমু ওইনা রাধাগী মায়থোং লৈহি চুপ্লি।।

য়েংজৈ মায়থোং থাজ তথকপা মিৎয়েংনা,

সখীশিং নুংঙাই ঈপাক্তা তাউরি,

অনীগী পূক্লিং নুংঙাইবগী চাংদম লৈতে।

রাধা শ্যামনা খৌরাংনা অমনা অমগী খূৎ পায়নরি

অনীগী রূপ উজবদা বিদ্যাপতি নোংঙানখিবা খঙহৌদে।।

## আধ অঙ্গ মিতান রাধা কানু (সম্ভোগ)

**ছন্দ/ছঞ্জ :** **তাল-দুইতাল অচৌবা**

রতি রণ অবসানে

কুঞ্জ ইচিক হুনখরে,
অনীনা অমত্তা ওইখরে।
নুমিৎ মঙাল হেন্না,
অমত্তা ওইনা ঙাম্ছোইরে।
অশংবা মণি স্নাগী মণি,
অনিমক্না ঙাল্লরে।
মুক্তা পরেং মণি পরেং অনিসু ঙাল্লিনে।
রস খঙলবা ফীদুপ অনিনা অমত্তা ওইরে।
গোবিন্দদাসনা হায়জৈ, থাজনা রাহুবু উমলে।
রার হুমাংনা চোংখরে অনিগী অঙ্গদো।
হকচাংগা হকচাংগা অমত্তা ওইখরে।
নিংনবা পূক্লিং মপূং ফারে,
লেঙশিল্লে তাংবলদা, নিংথিনা হুল্লি পারবা
মোল্লবা ফিজিনা রাধাগী মায়থোংদা।।

## লোন

মতৌ অসুম তৌনা মান তৌদুনা লৈরন্বী শ্রীমতী ইবেম্মনা মান থাদোক্কুনা শ্রীরাধা কৃষ্ণ অনী যুগল ওইদুনা সখীশিংসু নুংঙাইবা ঈপাক্তা তাউরে। শ্রীমতী ইবেম্মনা শ্রীকৃষ্ণদা নিবেদন তৌজরি।

# শ্রীমতী ইবেম্মগী ঈশৈ

**ছন্দ/ছঞ্জ :** **তাল-মেনকুপ**

ব্রজেরসে প্রেম ভরা

শুনো সুন্দর শ্যাম ব্রজবিহারী।
তাবিয়ুনে শ্যাম ব্রজবিহারী
হৃদি মন্দিরদা থমজরগা নঙবু লাৎচবনি।
গুরুজন্না চৈব-থাংবা ঐঙোন্দদি চন্দন চাইবনি।
রাধা ঐগীদি রাধাকান্ত নত্তনা লৈজদে কনা
খাঙজরকপনি লোইনা শাগৈগী মিংচৎফাও থৌশাদনা।
নঙগী খুয়াখাদা চঙরক্লবী, তোল্লবী ঐনি
শকথিবীনি ঐদি ইগুণসু য়াওজদে
তাইবং শুক্মৎপা ঙন্বনি নঙদি হে বংশীধারী।।
শাগৈ চেন্থবীনি ঐদি, মিংচৎথিবী লাইবকথিবীনি
নঙদি রসপুন্বা খঙবনি রসিক চূড়ামণিনি।।
হায়জরি গোবিন্দাসনা তাবিয়ু শ্যামরাই।
নঙ নত্তনা থম্মোয়দা ঐগী লৈজদে কনা।।

## লোন

শ্রীমতী ইবেম্মনা মান তৌরম্বদগী থাদোক্কুনা শ্রীকৃষ্ণগী চরণদা হায়জরি। ইবুংঙো শ্রীচরণদা হেজিন্না রতি লৈজরুবদগী গুরুজন্না ঙাঙবা চৈববু ইশাদা চন্দন চাইবগুম থোকখরে। চীংগুম্বা শাগৈগী মান পূম্নমক হুন্দোক্কুনা ইবুংঙো শ্রীচরণদা চঙজদুনা দিবানিশিদা ঐগী হৃদি মন্দিরদা থমজরিবনি। অসুম হায়না শ্রীমতী ইবেম্মনা নিবেদন তৌজরকপা অদু তাবদা শ্রীকৃষ্ণনা করি হায়রকই।

## শ্রীকৃষ্ণগী ঈশৈ

**তাল-মেনকুপ**

**ছন্দ/ছঞ্জ :**

| | |
|---|---|
| কানু কহে রাই | কানুনা হায়জৈ রাইদা, হায়গদবা কিজরে |
| কহিতে ডরাই | অচম্বা শঞ্জেন্নহানি ঐদি। |
| | শঞ্জেন্নহাগী ৱাখলনি খওজদে অপাম-নুংশি |
| | নওদি প্রেমগী তুংনফম্লি। |
| | লৌবুক্তা লম্পাক্তা ষণ শেঞ্জবনি ঐদি |
| | প্রেমগী মশক খওজদে ইবেম্মা। |
| | নওদি ময়ামদগী অথোইবীনি নওনা চৈব-থাংবা |
| | অমৃতনি ঐগী ইফমদা। |
| | নওগী প্রেমগী শহুম্না ঈথক হৌহল্লে |
| | ঐগীসু থম্মোয় ঈপাক্তা ।। |

## লোন

অসুম হায়না শ্রীকৃষ্ণনা শ্রীমতী ইবেম্মদা হায়রকই - হে রাধে ঐ অসে, রাধে, নহাক্কী লমন তোল্লবনি। নওগী লমনদি হন্দক্কী মপোক অসিদদি শিংবা ওল্লোইদৌরে, কৃষ্ণ ঐনা গৌরাঙ্গ অবতার তৌরবা মতমদা রাধে নওগী লমন শিংবা লোইগদবনি। রাধে নওোন্দা ঐনা দাসখত ওইনা পিরিবা অসিদি হন্দক্কী মপোক্তদি শিংবা ওল্লরোইদবনি। যুগ অমদা রাধে নওগী রাধা হায়বা নাম অসি শোল্ল-শোল্লদুনা নওগী নগুণ শক্লগা নওগী লমন শিংওমগদবনি। শ্রীকৃষ্ণগী ৱা অদু তাবদা বৃন্দা সখীনা করি হায়রকই, ইবুংঙো। দাসখত ইরবদি শেন্দোই হাপ্পা হৌনৈ, মপোক অমা ফাওবগী শেন্দোইদি করিনা ওইগদৌরিবনো ইবুংঙো। বৃন্দাগী ৱা তাবদা শ্রীকৃষ্ণনা করি খুল্লকই - বৃন্দে মদুগী শেন্দোইদি অতে অমনা পিদুনা ওল্লোই।

## গীত

**ছন্দ/ছঞ্জ :** **তাল-মেল তাঞ্চপ**

| | | |
|---|---|---|
| জয় রাধে | কৃষ্ণ ঃ | জয় রাধে, হায়না শোল্ল-শোল্লদুনা |
| শ্রীরাধা বলি | | নগর নগর খুদিংদা কোয়না কোয়না |
| বেড়াইব আমি | | চৎলুগদৌরিবনি। অসিনা শেন্দোই ওইদুনা |
| | | রাধাগী প্রেমগী লমন শিংবা লোইগদবনি। |

## লোন

অসুম হায়না শ্রীকৃষ্ণনা হায়রকপা অদু তাবদা শ্রীমতী ইবেম্মনা করি হায়জরকই, অদুদি ইবুংঙো হৌজিক ইবুংঙোনা গৌরাঙ্গ ওইনা পোক্লুগনি হায়না তাকপীরিবা অসিদি মফম কদায়দনো ?

ইবেম্মনা হংলকপা অদু তাবদা শ্রীকৃষ্ণনা রাধে, কৃষ্ণ ঐনা গৌরাঙ্গ ওইনা অবতার তৌদুনা রাধে নঙগী লমন শিংউগদবা মফমদি অতৈদা নত্তেনে রাধে ?

## শ্লোক

***গঙ্গায়া দক্ষিণ ভাগে***
***নবদ্বীপে মনোরমে***
***কলিপাপ বিনাশায়***
***শচী গর্ভে সনাতনী***
***জন্মিষ্যামি প্রিয়ে***
***মিশ্র পুরন্দর গৃহে স্বয়ং***
***ফালগুন পৌর্ণমাস্য নিশায়াং***
***গৌর বিগ্রহ ঃ।।***

## শ্লোক

গঙ্গাগী য়েৎ থংবা তোর্ব্বান্দা
পূক্লিং হুরবা নবদ্বীপতা
কলিগী পাপ কোকহন্নবা
সনাতনী শচীগী গর্ভদা
মিশ্র পুরন্দরগী শঙ্গাইদা
পোক্কনি ঐসে রাধে
লমদা থাগী পূর্ণিমাদা
স্বয়ং গৌর ওইদুনা।

## ঈশৈ

**ছন্দ/ছঞ্জ :**

গৌর হব গো নদে গিয়ে
প্রেমে ঋণ শোধ করিতে

**তাল-মেনকুপ অকুংবী**

গৌর ওইরুনি নদিয়াদা
প্রেমগী লমন শিংলুগনি
কলি যুগতা গৌর ওইরুনি।

## লোন

শ্রীকৃষ্ণগী ৱা অদু তাবদা শ্রীমতী ইবেম্মনা- ইবুংঙো নঙনা নবদ্বীপতা গৌরাঙ্গ ওইরবা মতমদা ননাই তোল্লবী রাধা ঐবুদি মফম কদায়দা থন্বীরমগদৌরিবনো? ইবেম্মগী ৱাদু তাবদা শ্রীকৃষ্ণনা করি হায়রকই,

**তাল-মেল তাঞ্চপ**

অন্তরেতে রব
আমি বাহিরেতে
রবে তুমি

মনুংদনা লৈগনি ঐনা, মপান্দনা লৈগনি নঙনা।।
জয় রাধে শ্রীরাধে শোন্দুনা কোয়না কোয়না চৎকনি-য়ে।।

## লোন

সখীগী প্রেমগা রাধাগী প্রেমগা কৃষ্ণগী প্রেমগা তিনশিন্দুনা ভঙ্গিনা মনুংদা লোৎশিন্দুনা মপান্দা রাধাগী কুচুনা ঙাল্লগদৌরিবনি।

## ঈশৈ

**ছন্দ/ছঞ্জ :** **তাল-মেনকুপ**

তেজি কাল বরণ অমুবা কুচু থাদোক্কুনা
করিব ধরণ নঙগী কুচুদো ঐনা লৌগনি।
নঙগী নমিং শোল্ল-শোল্লদুনা,
মিৎলু পিরাং শিন্থনা,
ফংজবা ওইজগে মদুনা শান্তি ।।

## লোন

শ্রীকৃষ্ণনা হায়রকপা অদু তাবদা শ্রীমতী ইবেম্মনা করি অমুক হায়রকই -

রাধা ঃ মিৎনা কৃপ্পা অমত্তা থাদোক্রবা
ইবুংঙোগী মোহন বাঁশী অদুদি
কদাইদা থন্বীরমগদগে ?
মদু তাবদা শ্রীকৃষ্ণনা

**তাল-মেনকুপ**

তেজি বংশীধর বাঁশী থাদোক্কনি চৈশু পায়গনি
হব দণ্ডধর থিংবা ঙল্লোই কনাসু রাধা নাম শোনবদা ।।

## লোন

মতৌ অসুম তৌনা শ্রীরাধা গোবিন্দ অনী যুগল ওইরে। সখীশিংনা নুংঙাইবা ঈপাক্তা তাউদুনা হরাওরে।

## ঈশৈ

**তাল-মেনকুপ**

**ছন্দ/ছঞ্জ :**
শ্যামের কুলে
রঙ্গিনী যেমন

শ্যামগী তম্পাক্তা নিংথিবী রাধে
সনানা য়োম্বগুমই অশংবা মণি।
কয়াদা হেল্লবা রাধা, কয়াদা হেল্লবা মাধব।।
থাজগা থম্বালগা উন্নজা, চেক্লা অনী চিলোক্লরে
লৈরাংগা খোইমুগা পেন্নজরে।।
উদয় গিরি চীংদোন্দা, নুমিৎনা মশেক য়ৈবগুম
শ্যামগী থবাক্তা মায়থোংনা নিংথিরে।।

## লোন

পাম্বোম পাম্বেমগা পায়নখরে অনীনা চুম্বন ওইনখরে, চেৎনা পাম্বোম পায়নখরে।।

## লোন

শ্রীরাধা গোবিন্দ অনীনা যুগল ওইবদু উবদা সখীশিংনা নুংঙাইবগী ওমখৈ লৈখিদ্রে। মদুতা ঙাইদুনা লৈজবী সখীশিংনি। মখোয়গী মথৌ হায়ববু রাধা গোবিন্দ খায়নহনবা অনী পুলহনবা, মখোয়গী মথৌনি। পুল্লে অনী মখোয়না পামজবা যুগল রূপ দর্শন ফংজরে। সখীশিংনা মানা মানা পামজবা রূপ থাগৎনরক্লে।

## ঈশৈ

**ছন্দ/ছঞ্জ :** **তাল-চাল্লি**

দেখো কিবা যুগল রূপকয়াদা ফজখ্রবনো যুগল রূপসে,

রাধানা হেন্দে, মাধবনা ব্রাত্তে।
শিব শুক নারদ
ধ্রুব প্রহ্লাদনচিংবা
উজখিদ্রে অসিগুম্বা রূপসে
ধন্য ধন্য ওইরে উজবদা।
কুঞ্জ নিকুঞ্জবন্দা
শান্নরি লীলা নুমিৎ খুদিং
ওইরি বিহার রাসলীলা।।

## লোন

যুগল রূপ থাগৎলম্বদগী শ্রীচরণদা, মাগীনি মাগীনি হায়বা শরুক মচেৎ অমত্তা খাক্তনা পঞ্চপ্রাণ কৎলগা সখীশিংনা প্রার্থনা কৎচৈ।।

**ছন্দ/ছঞ্জ :** **তাল-মেনকুপ**

রাধে কৃষ্ণ
প্রাণমর

রাধে কৃষ্ণ কৃপা পীনবীয়ু
জন্ম জন্মদা বৃন্দাবনদা পোকচগে।
ব্রজগোপী ওইনা পোকচগে,
সখী ওইজগে, নিত্যলীলা তত্তনা য়াওজগে।
নিভৃত কুঞ্জদা প্রেমসেবা ফংজগে,
চামর খঞ্জগে, শ্রীঅঙ্গ ঈংহঞ্জগে।।
লাইবক ফবী যমুনানা কোয়রিবা
শ্রীরাস মণ্ডলদা রাসলীলা তত্তনা য়াওজগে।।

## তাল-চাল্লি

ব্রজ বিধু
প্রাণনাথ

থৌজানবীয়ু হে কৃষ্ণ
খুয়াখাদা থম্বীয়ু।
তোল্লবীনি খনবীদুনা
খুয়াখাদা থম্বীয়ু।
মপোক (২) খুদিংদা প্রেম সেবা ফংহনবীয়ু
খুয়া খাদা থম্বীয়ু।
থবায় মঙা কচ্চরিয়ে
হে ইবুংঙো লৌবিয়ু।।

## মেল-তাঞ্চপ দুইতাল

**ছন্দ/ছঞ্জ :**
শ্রীরাধা মাধব যুগল
চরণ-মাথে

শ্রীরাধা মাধব চরণ
অনীদো পীনবিয়ু।
ঐগী অরোইবা মতমদা
থম্বীয়ু চরণদা।
নিজরি ভিক্ষা ওইনা
হে রাধা মাধব,
মপোক মপোক খূদিংগী
হংজৈ হঙ্গৎচৈ চরণদা।
য়েংঙুকো ননাইদা, চান্বীদ্রবা
চান্বী হৈবা হৈবী মমিংদা
সংসারসিগী মনুংদা
মীংচৎ থীবা ওইজনি।
শৈরেংগী মপু নরোত্তমনা
হায়জৈ শ্রীরাধা কৃষ্ণগী চরণদা

চঙজৈ শ্রীরূপ মঞ্জরীনসু
চামর সেবা পীনবীনি।

**ছন্দ/ছঞ্জ :** **তাল-তাঞ্চপ**

নো ধনং নো জনং
নো সুন্দরী

পামজদে লন-থুম পামজদে মরূপসু
মিহৌজদে ফজবা শকসু
হৈজদে নগুণ লৈশি-লৈথোঞ্জবসু।।
পোকপিবসু নঙনি য়োকপিবসু নঙনি
কৎচরি ভক্তি নখুয়া থন্বালদা।
হা হা ব্রজনাথ গোবিন্দ
লনসু পামজদে মরুপসু পামজদে
মিহৌজদে শক্কী ফজবসু
লৈশি-লৈথোঞ্জবসু হৈজদে
পণ্ডিত ওইবসু পামজদে
হরে কৃষ্ণ নাম অদুতংদি
পীনবীয়ু ভক্তি ভিক্ষা ওইনা
পীনবিয়ুকো ভক্তি ভিক্ষা ওইনা।।

**ছন্দ/ছঞ্জ :** **তাল-চাল্লি**

তুমা দুহা শ্রীচরণে

চরণ থন্বালদা থন্বীয়ুনে
হায়জরিয়ে তোল্লবীনা
চান্বীয়ুকো নিজরিয়ে চরণদা।

পাপনা থল্লবা থব্রায় হকচাংনিনে,
চান্বীদুনা শ্রীচরণদা পুশিন্বিয়ুনে
মপোক অসি নত্তনা
মপোক কয়া পুশিন্বীয়ু।

তোল্লবা ভগ্যচন্দ্রনা
অহিঙ নুংথিল, সেবা কচ্চৈ
মসিতংতা নিজরি শ্রীচরণদা ।।

**তাল-মেনকুপ অথুবা**

**রাধে গোবিন্দ, রাধে গোবিন্দ,**
**রাধে গোবিন্দ, রাধে গোবিন্দ ।।**

*****



য়ুম্লেম্বম গন্তিনী দেবী



Gurus & students getting ready for performing Basak Eshei together



Gurus & Students during the training programme



Permorming Basak Eshei by the students at M.D.U. Hall



Interview of Guru Thokchom Brindashabi



Gurus performing Basak Eshei




A photograph of Gurus & students during the training programme



Gurus & students during the training programme



Guru Koijam Mema Devi performing Basak Eshei



Discussion among the students during the training programme



Permorming Basak Eshei by the students at M.D.U. Hall



Giving due respect to the senior most Guru Y. Gambhini Devi



Guru Y. Ranjana Devi with the students during the training programme



Guru Mairenbam Memma Devi
(Moirang Memma) performing Basak Eshei



Students listening Guru's lecture during the training programme



Gurus & students during the training programme



Guru Khwairakpam (N) R.K. (O) Yaimabi Devi performing Basak Eshei



Gurus & students during the training programme



Permorming Basak Eshei by Gurus at Gopalji Mandap


Interview of Guru Wangkhem Sama Devi ( Senior Singer of Manipuri Nata Sankirtana)


Permorming Basak Eshei by Gurus at Gopalji Mandap